



CamScanner

# হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং
## ꯍꯨꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯀꯨꯟꯗꯣ ꯄꯔꯦꯡ

থোকচোমওংবী কৈনাহান দেবী
ꯊꯣꯛꯆꯣꯝꯑꯣꯡꯕꯤ ꯀꯩꯅꯥꯍꯥꯟ ꯗꯦꯕꯤ

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, সিলেট
ꯕꯥꯡꯂꯥꯗꯦꯁ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯁꯡꯁꯗ (ꯁꯤꯂꯦꯠ)

হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং
কৈনাহান দেবী

অহানবা ফোঙবা : ফেব্রুয়ারি ২০২৪

অফোঙবা
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
তপোবন, লামাবাজার
সিলেট-৩১০০

স্বত্ব : অইবীগী

নম্ফম
ছাপাকানন, সিলেট
দূরভাষ +৮৮০১৯৭১৩৩৬৪০৭

পরিবেশক
বাতিঘর, সিলেট; পাঠক সমাবেশ, ঢাকা
অনলাইন পরিবেশন : রকমারি ডট কম

মখুম
এন. যোগেশ্বর অপু

৳ ১৫০/-

HUKKHIDRABA KUNDO PARENG
A Collection of Manipuri Short Story
by Thokchom-Ongbi Kainahan Debi.
Published on February, 2024 by Bangladesh Manipuri Sahitya Sangsad
Tapoban, Lamabazar, Sylhet - 3100. Price Tk. 150.00
Copyright reserved by the writer.

কৎচবা

ঐখোয়গী খুন্নায়সিদা
অৱা-চৈথেং কয়া মায়োক্নদুনা হিংলিবা
তোল্ল-তারবশিংগী মফমদা

CamScanner

## অইবগী ৱারোল

পুন্সিগী অহানবা ওইনা অইবীনা ৱারীমচা ইবগী লম্বীদা খোঙদাজখিবনি। অদুবু শৈরেং ইবরোমদমুক মায় ওনশিঞ্জরকপদগী শৈরেংগী লাইরিক্লা অহানবা ওইনা ফোঙদোকচখ্রে। অশং অশংবা মতমদা পূক্লীংদা ফাওরক ফাওরকপা তোল্ল-তারবশিংগী অৱা-নুংঙাই কয়াতংবু উরুবা, তারুবা অমসুং নীংশিংলকপশিংবু ৱাহৈ পরেং ওইনা লেংদুনা ৱারীমচাদা নৎত্রগা শৈরেং ওইনা ফজৈ ফজদে খন্দনা ইনিংবদো খোৎচিনজখিবনি। মতম কুইরবগী মতুঙদা থম্মোয়নুংদা য়েকশিঞ্জখিবা মখোয়শিংগী অৱাবদা শরুক য়াজনীংলুবদগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমা পুথোকচগে খঞ্জদুনা লাইরিক অসিবু পুথোকপগী মতাঙদা ওজা এ কে শেরামগা ৱারী শান্নজদুনা ওজাগী চিল্লবা মতম কয়াবু কাইথোকপিদুনা অশোয়-অরাল কয়া য়েংবিরকপগীদমক তৌবিমল খঙবা উৎচরি লোয়ননা ইকায়খুম্নজরি। অদুগা 'হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং' মিংথোল ওইরিবা ৱারীগী লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারীমচা অনী-অহুমদি সাহিত্যগী চেফোঙ 'মৈরা' অমসুং মপানগী চেফোঙদা ফোঙদোকচখ্রবনি। ৱারীমচাশিংবু অমুক হন্না 'হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং' মিংথোনদা অনৌবা ইবা খরমগা য়াওনা লাইরিক ওইনা ফোঙদোকচরি। লাইরিক মখূম য়েকপিরকপা এন. যোগেশ্বর অপুবু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি। মাগী চিল্লবা থবক্কী মরক্তা মতম কয়া কাইথোকপিদুনা য়েকপিরকপগীদমক লমন অমা তোনশিঞ্জরে। লাইরিক অসি ইবদা অমসুং পুথোকপদা ঐবু থৌনা, থৌগৎপা পিবীরকখিবা ময়াম পূম্নমক্কী মফমদা ঐনা থম্মোয়শেংনা থাগৎচরি অমসুং তৌবিমল খঙবা উৎচরি। ঐগী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি পাবিনবা হায়দুনা ময়ামগী মফমদা খূৎশিন্নজরি।

**অইবী**

# সূচি


লৈনুংশি ১১

কনাগীদমক্লো ১৫

নুমিত্তুগী খোঙচৎ ১৯

নুমিৎনা চায়থখ্রবদা ২৬

থাজরুবনা মাঙহনলম্বনি ২৯

তৎখ্রবা মরী ৩৪

ইমাগী ঝুমকা ৩৭

য়েক্লম্বনি থম্মোয়দা ৪১

করিগীনো লাংতক্করিবা ৪৫

তৌবিমল খঙবা ৫০

য়েন্নীংথাদসু য়েন্নীং হুনখিদ্রবা ৫২

অমম্বা অহীং ৫৫

নুংশিবদি ফজে ৫৮

নীংঙমদবা ৬০

হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং ৬২

অসুম্না তমখ্রবোইরে ৬৬


CamScanner

# লৈনুংশি

নোংমা মমাং লৈকায়গী অনৌবীখোয়দা চৎলুবদা কয়া নুংশিরে হূইনাও মচা অনীখক পোকলম্বা; ফজমনখিদুনা মাল্লিকানা অনৌবীদা হায়জদুনা অমখক য়োকচরুগে হায়না পুরকপনি। জাৎকী হূইনি। ঙৌশোক ঙৌনা, নোয় পেল্লদুনা, লেকথরবা মনা অনীদুগা, জোম জোম লাউবা মতুদুগা, কোয়না-চেন্না শান্নবদা মাবুতা য়েংদুনা লৈনিংবা পোকই। মাল্লিকা-তোলেনজাওগগী অমত্তা পোকচবী মচানুপী লৈনুংশি, মপাঙ ফংদবনা ককঙাওনরবী অঙাংনি। মমানা মপূক্লিংদা খনজে হূইনাওসে উরবদি অঙাংসে খরমখৈসু হরাওজরনি।

লৈনুংশি চহি মরিতমক মপুঙ ফারক্লিবী য়াম্না ঈং-তপ্পা অঙাংনি। মপা-মতোল ময়ামগী অঙাংশিংদসু নিঙোল অমত্তা য়াওদবনা লৈনুংশিবু ময়াম পূনমক্না য়াম্না নুংশিনা, লুনা চান্না তৌই। অঙাং ওইবগী হৌনবী তুমহৌগৎপগা মায়-মিৎ তাব লোয়বগা মাঙ্গোলদা, শুমাং মচিদা, শান্নপোৎ ময়াম পুথোক্তুনা মতোমতা শান্নজে। য়ুম্নাক তরাখক্তা তাবা লৈকায়সিদা নিপামচাঙাক্তা ওইবনা মাক্ক শান্ননবা মমান্নবী অমত্তা লৈতে। মনেগী মচানুপী মাগী লেংগা'মা লৈবদুসু খরা থাপ্পনিনা নুমিৎকী চৎনা শান্নবা ঙমদে। নিপা মচা ময়ামশিংগা শান্নবসু হৈনদে। মাক্লা শান্ননীংঙি-লাইধী, চাকথোংবী, কেকুলোৎপী অদুগা নিপামচাশিংনা মারবেল, বল, কবাদ্দি অতে অতে। মশান্নগী মওং তিন্নদবনা শান্ননীংদে নিপামচাশিংগা। মদুনা মখোয়গী হূইনাও অঙৌবীগা হেক হেক শান্নে। অঙৌবীবু ফজনা লুজবিরগা ফী মতেক অমনা য়োমশিল্লগা মনাক্তুদা কুলহল্লী। অঙৌবী হায়রিবসি লৈনুংসিগী মমা মাল্লিকানা য়াম্না নুংশিনা য়োকচবা হূইনাও মচানি। মচুসু ঙৌই হায়দুনা অঙৌবী মিংথোনজে। য়াম্না ফজবা, য়াম্নসু নুংশিবা হূইনাওনি।

মাল্লিকা থোং-থাকপা লোইরদুনা চাকথোংশঙদগী চাক-ঈশিং চানবা মচানুপীবু কয়ারক কৌজে অদুবু তাবা কৌবা লৈতে। মপাবুংসু ইংখোলদগী হল্লক্লে। অমুক ঙাঙবিররনি হায়না থেম্ল-নৌরদুনা মচাবু পুশিনলকই, মপাবুংগী চাক-ঈশিং অওক-ওক্তা হংলম্লগা মচাবু চাক ইন্বীনবা মতম্বাক্তা ফমহল্লি। শান্নরম্বদগী পুশিনল্লকই হায়বগী শাউনীংবনা কাথোকউ য়াদ্রবা মচিন্দুদা পীজবা ঙমদ্রবা মমানা শুমহৎ ৱাহৈ কয়াতনা ৱারী ওইনা লিদুনা চাক চখোম অম-মম নমশিল্লি। লৈনুংশি মপাবুংদমুক

য়েং চাকতমুক য়েং কানিংদবা মচিন মচাদো কাথোকচৈ।

শরক্তুদা রবেন, বীরেন মবুং অনী 'নুংশি' 'নুংশি' হায়না কৌর কৌরদুনা থোঙ্গাল্লোমদগী চেনশিল্লকই।

নুংশি ঐখোয়দা চৎসি কৈনোম চারুসে।

ঐ তল্লি চৎনীংদে।

ইমানা হায়রকইনি চৎসি লাকও।

মমানা, চৎলোদনা ইবেম্মা, নমাচৌনা করিনো চারোলাও হায়রক্লিসে। অদুদগী হরাও হরাও হৌগত্তুনা মচিন-মনাও খুৎশম্ননা চৎমিন্নখিবদো মাল্লিকানা মোমোন মিনোক্কা য়েংজহৌই।

নোংম নোংম অদুম হৌখিবনা থাবুম অহূম মপূং ফারক্লে। হূইনাও মচাসিসু চাউরক্লে কোইচেন চেল্লদুনা শান্নরকলে। লৈনুংশিগী মনাক্তা শান্ননবা মমান্নবী অমত্তা লৈতবনা হুইনাওসিবু মনাওগুম্না ওন্থোক্লা নুংশিনা লোইনজে। চাবা মতমদসু চাক পুখম তম্বীদুনা হেক পীজে। ইরুজবা মতমদসু হেক ইরুজবী। অদুম লোয়নদুনা লৈ। মপাবুংনা শন মঙাগী চান-থক্লবা শজিক-শনাই, লৌ-ইংখোন থূংনা য়েংলম্লগা নুংশাদগী মায়থোং ইচপমুক ঙাংন হঞ্জিনলকই। মতোমতা মূৱুম মূৱুম শোল্লি, কয়া চীনথীরম্মিবনো হায়বা! নোংমতগীনি হায়না চৎখ্রগা ঙসি নুমিৎ ৪/৫ নী শুরফাওদা থবক শূবা মীনাই নুপাশিনা হল্লকত্রিবসে। অসুক য়াম্বা থবকসে ইদোমতা শিন্বা থূংবা ঙমদ্রে তৌরিসে।

নুংশাদগী হঞ্জিল্লকপদা মঙাইরি ঙহাক্তং পোথাবিখো হায়দুনা মাল্লিকানা ঈশিং অঈংবা গ্লাস অমা পীনা পীনা মনাক্তুতা হূমায়মা পায়রদুনা মপূরোইবরোমদা ওনশিন্দুনা ফমথৈ। ওন্থোক্লা শাখ্রে নুংশাসে, অঈংবা ঈশিং গ্লাসতুমা থকচল্লি। ওহ! হৌজিক্তা হেক পূক্লিংসে ঈংথৈদা। ঙহাক লৈরবা মতুংদা 'নুংশি'দি কদায়দা চৎখ্রে? মচিন-মৌপ্পা করিনো চামিন্ননি হায়না চৎমিন্নখ্রি। অঙাংসিসু স্কুল মিং চলহন্বগী মতম য়ৌশিল্লক্লেদো মাল্লিকা। মমান্নবীনগা লৈতবনে, হূইনাওমচাসিদা অদুম ঙাওদুনা লৈরে অঙাংসে।

ঙসিদি থবক শূবা নিপাশিসু লাক্লে। নুমিৎ খূদিংগুম মীনাইদুগা শঙ্গোলদা শন মঙাদো পুন্থোক্লবা শেম-শারি। মাল্লিকা নোঙালকপগী কোন-লিক ব্রাইরম, ইমুঙ-মাঙ্গোল, য়েনখা-য়েংখোল, শূমাঙ, থোঙ্গাল, শিৎ-শেংবা লোয়শিল্লদুনা প্রপ প্রপ শঙ্গোম খুজায় মচা অমা শুম্লগা শন্নাও মচাদো থাদোকপীরে, মচাদুসু থকচনবা লোয়না শুমদোকপীদ্রে। মচাদুদা লেকপি লেকপীরদুনা শনাওদুবু মখোম পীথকপদো কয়াদসু নুংশিরবা, মতৌদো উবদা খল্লকই তাইবংতা নত্তেকো মচা নুংশিবা, মালেমদা লৈরিবা জীব পূন্নমক মচাগী নুংশিবগী ময়াসিনা ওন্থোক্লসু অকন্বা লীপূন অমগী মরীনা কিরম্মীকো, নুংশিবা হায়বসে অঙকপনি, ঈশ্বর মহাক্কী লীলানি পূন্নমকসে। তোলেনজাও মমাঙদা লৈবা শঞ্জাবুংদুদা শনবী-শন্নাওদো পুরদুনা চৎলি,

মতুংদা শরাক শান্ন শান্নদুনা ইন্নরি হুইনাও মচাদুসু। তোলেনজাও য়ূমদা হল্লক্লে, অয়ূক্কী চারা চান চান মাল্লিকাগা ৱারী শান্নে, শনবি শনাওশিংসে মঙা শুজিনলক্লে ; চহি অনী মমাঙগী মচাশিসু য়াম্না লীংলে, তনোয় তনোয়রদুনা মিৎয়েং তানা ফজরক্লে। মচাসু পোক্কদৌরিসে। য়ামশিলক্লবনিনা হোৎনবা ৱাশিলক্লে, অদুনা মপী-মচাসে য়োম্হোক্লবা তৌরসি মাল্লিকা।

ফরে, মপানা অসূম ফৈ হায়বদো তৌবিয়ু।

চয়োলমা মখাদা নোংমা অয়ূক ঙন্তাদা মমাং লৈকায়গী তাদ কুলমনিনা–তোলেন, তোলেন, কৌরদুনা চঙলকই।

তোলেনজাওসু প্রপ প্রপ ইমুঙদগী থোরকই, তাদ করি থবক্কী ওইবিরবনো?

ওহ! নঙগী শন্বী-শনাও য়োনগনি পাউ তাবদগী য়েংগে হায়না লাকপনিদা। পাউসিবু অচুম্বরানে তোলেন?

হোয় তাদ, অচুম্বনি। য়োম্বদি য়োন্নিংদবনি অদুদা মঙা শুজিল্লকপসিদা তাদ, মঙাসিগী চান-থক্লবা, শজিক-শনাই থিবা, য়েংথোক-য়েংশিন তৌবা, শেন্নবসে ৱাশিলক্লে। অতৈ অতৈ থবক থনাসু শূবা-নোম্বা তোকপা য়াদবনিনা মপী-মচাসে য়োল্লগে তৌবনি।

য়াম নুংঙাইরে তোলেন, ঐসু অসিগুম্বা মতা চাব শঙ্গোম শুম্বা মপী-মচামতং থিরম্মীবনি। খুদোং য়াম্না চান য়াম্না নক্লবু লৈরম্লে।

হোয় তাদ, মপা চুম্মুবা হায়দুনি।

অদুদি করি নুমিত্তা লৌরো হায়বনো?

য়েংবিররোইদ্রা তাদ?

এরা মরক মরক্তসু অদুম উই, করি য়েংবনোদা।

তাদনা য়ারে হায়বিরবনিনা লাক্লিবা য়ুমশাকৈসাগী অয়ূক্তা ওইনা লৌবিরো।

ওহ! য়ারে য়ারে। য়াম্না নুঙাইরে, তোলেন অদুদি ঐসু য়ৌশিনখ্রগে।

নুমিৎ মরিনী করম্না চৎখিবা খঙহৌদনা য়ৌরকখি য়ূমশাকৈসাগী অয়ূকতো। ঙসিদি তাদ কুলমনিদো অয়ূক্তা লাক্কনি হায়রম্বনি খন্না খন্না মাল্লিকা অয়ূক্কী থবক প্রপ প্রপ লোইশিল্লি। অয়ূক্কী চরা চানা লোইশিল্লে, লৈনুংশিদি মাঙ্গোন্দা মচু মচুগী ফিচেৎ চপ্তুনা লাইধী শারি। মপাবুংসু মনাক্তা ফমদুনা পাঞ্জি ফাক্লি। মাল্লিকা ইমুংদগী তাদ কুলমনি লাকপগী মখোলমা তাব ফংখি।

তোলেন, ঐদি শন থৌরীকাক পূদুনা লাক্লবনি।

তাদ, চা কাপ অমতং থকমিন্নখিসি, অসোমদা লেংশিন্বীরক্লো।

তাদ কুলমনি মখোয় অনী চা থক্লা থক্লা ঙহাক ৱারী-ৱাতাই শান্নরিঙৈ মাল্লিকা য়াংকোক্তা চেং-থোইদিং, শজিক অনৌবা পূরদুনা শন শঙ্গোলদা চঙখি। 'অঙৌবী'সু মতুঙদা ইন্নখি। শন্বী-শনাও অনীদুবু নাম্নবিদুনা য়াংকোকতো ইনশিল্লী। অদুগা মচিন্দা মূরুম মূরুম শোঞ্জে- ঐনা ঙসি পীজরিবসিনা নপূক থন্না চান চৎলোকো। নমা-নচা ৱারৌনুকো হায়দুনা মিৎলুদগী পিরাং চেন্থরকপদো ইল্লিবা ইন্নফিদুনা



CS CamScanner

তৈথোকচৈ। তোলেনজাওগা কুলমনিগসু হেক চঙশিল্লকই। তোলেনজাও শন্বীগী থৌরী খূজিদো খুৎশিন্নজৈ। নুমিৎকী মখোইবু শেন্নদুনতা লাকপনি, ঙসিদি তোলেনজাওসু মিৎলুদা ইরানা লংত্রিক লংনা চেল্লিবদো মাল্লিকানসু উখি। তোলেনজাওসু খরাই থোঙ্গাল ফাউবা থিনদোকচৈ। কুলমনি শন্বীগী থৌরী খূজিদো পাইরদুনা চৎপা হৌয়ি। তপ্পা তপ্পা শন্নাও মচাদুসু মমাগী মতুঙ ইন্নখিরম্মী। ইখং খঙহৌদনা শঙ্গোল মচিদা লৈজরম্বা 'অঙৌবী'দো শন্নাওদুগী মতুঙ ইন্নরকখি। মাল্লিকানা কৌরকই 'ঙৌবী' 'ঙৌবী' ঙাইখোনে। শান্নরম্বদগী ইখং খংনা চেন্থোরকখি লৈনুংশি, মাসু তান্নখি অঙৌবীবু কৌরদুনা। হূইনাও মচা অঙৌবী'দুনা ইন্নখিবদো উবদা থোঙ্গানগী মতোনদা কপ্পদুনা লৈহৌই।

# কনাগীদমক্নো

লমতা থা লোয়গদৌবা নুমিৎ তরামঙানিরোম ৱাৎলিঙৈ মতমনি। মরি/মঙানি শুরে তাদ মুনানগী ঈ-পাউ লৌবা ঙমদবা। ঙসিদি অমুক্তা হংলুগে হায়না নুংথিল চাক তোকপগা ঙন্তা চৎলে। পুংখায়মুক্কী লম্বীদুদা গাড়ীগী জ্যামদা পুংমুক চঙখ্রে। তাদখোয়গী য়ূম য়ৌরদুনা থোঙগী কলিং বেল্দু হেক খিংবদা থোঙদু হাংদোরকই মোহিনীনা।

ঐসু হৌজিক্তা চাক-ঈশিং লোয়শিন্দুনা ঙহাক্তং পোথারম্মীনি। নঙ লাকপা য়াম নুঙাইরে চাউবী। মনুঙগী কাদ চঙকও, ঐগী ফমুংদা ওইনা অদুম ৱারী শারুরসি।

তাদদি?

অচিন্বা'মগী ঙহাক্তং চত্তবা য়াদে হায়না থোকখ্রি।

হকচাং ঙমদবদুদা মতোমতা?

য়াম্না থাপতে, অশ্বাইদনি। য়াঙনা লাক্কনি।

ও! অদুগা ডাক্তার অফবা'মা য়েংহন্বগী ৱারীদুনা করিদা লেপ্লরগে মোহিনী?

সিলেটকী ডাক্তারসিদদি অহূম-মরিরক শুরে য়েংহল্লুরিবা, স্পন্দলাইসিসকী অফবা ডাক্তারনি হায়না য়েংহল্লিবনি। লাইবক তিন্নদবা হায়গদ্রা কৈনো খঙদ্রে। থা অহূম ফারক্লে হীদাক লাংথক লেপ্তনা চারক্লিবা, অদুবু কান্নবগী মফম ইখঙ খঙদে। হন্দক খরনীসে হকচাং য়াম নুংঙাইতে; থোঙ-খুৎ, ঙকশম, চীক-নাইতমক হায়। হান্নদগীসু খজিক খজিকতি অদুম তৌবনি। অদুবু হন্দকতি খরা হেনজিনলি। য়েৎকী খুদাংসিসু ইচিং চিংথবগুম তৌরদনা নুঙাইফম খঙদে হায়। থবক চৎপসে ৱাশিল্লক্লে। অদুনা ইমুং-মনুঙ, মরুপ-মপাং, ময়ামগা লোয়ননা খরা য়াঙনা লাইয়েংবা চৎপগীদমক ৱারী-ৱাতাই শানরে। লৈকায়গী অখংবা অহল অমনীনসু, ইন্ডিয়াগী গুয়াহাটিদা লাইনাসিগী মরমদা য়াম্না অফবা মমিং চৎপা ডাক্তার অমা লৈবনি, মদুদা ওইনা য়েংবিরদি ফগনি হায়না তাকপীরকই। ৱারীশিংসে তাবদগী মদুনা ফরদমাল্লে হায়না লেপ্লরে। লাক্লিবা তরেৎনি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎসে ফৈ হায়দুনা নুমিৎ লেপ্লরে।

ও! ফরে ফরে মোহিনী, অনাবা হায়সিতবু য়াংনা য়েংহল্লিঙৈ ফৈ। অদু লুপা-পয়সাদি করম হায়না তৌনরিগে?

খুত্তবুদি খরা লৈ। নঙগী তাদগী জিপিএফতগী লুপা খরা লৌথোক্কনি হায়বনি। অদুগদি অসুম কোন্নরনি হায়না খল্লি।

ও! ফরে অদুদি, নুমিৎসিসু মমশিল্লক্কদৌরে ঐসু চৎনবা তৌরগে। ঐ নিংথৌকাবা নুমিৎতো ঙন্না লাক্লবা হোৎনরগে।

ঙহাক মতুঙদা মুনাননা মায়থোং ইমক মকশিন্দুনা চঙকপদু উই মোহিনী। ইপায় পায়খৎনা হংই, কৈদৌরগে হকচাং নুঙাইরকত্ত্রব্রা?

কৈসু তৌদে, লুপাদু ওইরকত্রে। ইবেতোন থাজবদা লৌখিবা লোনদু লৈরি অদুনা লৌবা য়াখিরোয় হায়রকই।

ৱাসে তাবদা মোহিনী লেপ্লম্বদগী ফমথরকই। নীনী/হূমনিগী মনুঙদা অসুক য়াম্বা লুপাগী থৌরাং করম্ননো তৌগদৌবা? মীঙোন্দা হেক হায়বসু হায়নীংদে। লুপা-পয়সাগী খম্বদা তুম্বা-চাব য়াদে মোহিনী মতৈ-মনাও। লুহোংদুনা হেক লাকপদগী ইমুং-মনুঙগী অরৈ-নৈতা পূম্নমক মোহিনীনা কোকথক্তা থোংগৎনা পূবা হৌরকপনি। থাগী ফংলকপা তোলোবতু তাদ মুনান মোহিনীগী মখুৎতা লোয়না শিন্নে। ইমাগী হীদাক, য়ূম ভাড়াগী লুপা, অঙাংগী লাইরিক তম্বগী খরচা, মৈগী বিল, গ্যাসকী বিল, চাবদা চঙবা, মোহিনীনা য়াম্না কুপ্না পানদুনা থা অমদৈ থা অমা চৎননবা হোৎনৈ। তাদ মুনানদি অপৌবাশিংসিতা নত্তনা অকুপ্পাশিংসে কৈমতসু খঙদে। য়ূমগী খজিক অহোবা মেম্বতা কোন্নরসু খন্দুনা শঙক শঙকপা মতমদা অঙাংশিংগী ফিরোল তূই। ঙসিদি মেনবা/ঙাকথোকপা ঙম্লকত্রবসিদা মচাগীদমক্নী খন্দুনা চেৎনা লুবাক্তা হাপচিন্দুনা থমজবা মাক্কী অরোইবা লন লৈজবা সানা লিক, খুজি, নাচোম খরসি পুথোক্তুনা মপুরোইবগী মখূত্তা শিন্নে। মুনান ৱা মচেৎমা ঙাঙদনা মুন্না য়েংনা লৈখি লুবাক্তুদা। অদুগা থম্মোয়নুংদা খল্লি, শেৎনীংবা, শিনীংবা কয়া শিদদুনা মচাগীদমক চেৎনা য়োম্না থমজবদো ঙসিদি মপূরোইবনা হেল্লী খল্লদুনা অরোইবা লনসে খূৎশিন্নররি। খন্থরুবদা মুনান থম্মোয় পুঙমদবনা পিরাংনা মিৎলু অনিমক পিক থল্লি।

মোহিনীগী য়াম্না লুনা তিন্নবী মমান্নবী তোম্বী কৌবা'মা ইন্ডিয়াগী বোর্ডার দাউকিদা লৈ। মাগীদা নোংমা পোখারগা চৎনবা হায়না ৱারীসু শানরে। তোম্বীনসু য়াম্না হরাওনা ওকপা লাক্কনি অদুগা লোয়ননা গুয়াহাটি য়ৌবফাও মশাগী গাড়ীনা থিনবিগনী হায়নসু পাউ হায়রক্লে। তোম্বীগী পাউসে তাবদা মোহিনী কোকথক্তগী অরুম্বা পোৎয়োম্মা থাংথবিখিবগুম খজিক্তংদি য়াংবা ফাওয়ি থমোয়নুংদা।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূকম য়েনখোং অঙনবদগী হৌগত্তুনা লাইয়েংবা চৎপগীদমক থৌরাং লোইরে। খোঙশালমদাই মিৎকুপ্তা হায়রম্মী মোহিনী-না, ঙসি লমতা থা লোইগদৌবা তরামঙানিদমক ঙাইশিল্লক্লে। চাউবী নঙগী তাদসু লায়েংনা ফরনিদো, অদুগনে ঐসু শজিবু চৈরাউবা নংনবা হল্লক্কদৌরিবনী। নখোয় ময়াম পূম্নমক্লা য়াম্না য়াঙনা ফরদুনা হল্লকপা হায়না লাই খুরুম্নীরম্মুকো। অসি হায়রগা

অহল-লমন পূন্নমকপু খুরুমলম্লগা চৎলমদাই মিৎকুপতুদা চাউবীগা চেজেৎনা কোনশিন্নে। অমুক হন্না উনররোয় হায়বগী মতৌগুমনি। চাউবীনা মোহিনীগী মখুত্তুদা করিনো অমা পীরদুনা হায়রি, সে অসি পায়শিল্লু নঙগী খজিক্তং মতেং ওইরদি ঐ য়াম্না হরাওগনি। অদুদগী ময়াম পূন্নমক্তা থিনদোক্লে মুনানগা লোয়ননা গাড়ী কাখৎখ্রে। য়াচংলকপগী মতম অদুৱাইদা তোম্বীগীদুদা য়ৌরে হায়না পাউ হায়রক্লে। মতম কুইনা উনরুদ্রবা মমান্নবী তোম্বীবু হেক উবদা হরাও-নুংশি য়ান্নখিদুনা কোনশিন্নদুনা কপমিন্নে। অমুক ৱারী শানৈ, অদুদগি তোম্বীনা হায়রকই, হয়েংদি অয়ূক পুং তরুক্কীদুদা ঙন্না খোঙশান্নবা তৌসিকো মোহিনী। ঐদি নঙবু থিনবা চৎপসে ঙমলোইদৌরী, হকচাংসে খরা নুঙাইসন্দে। অদু ঐ চৎত্রবসু নঙ থোইনা ৱারুনু, ঐগী তামোচৌনা নখোয়নীবু য়ৌনবা থিনবীগনি।

অহিং চাক-ইশিং চাব লোইরদুনা পূন্নমক মাগী মাগী কাদ তূম্বা চঙনখরে। মোহিনীদি মিৎ কক্কামা উইশিন্বা য়াখিদ্রে। পাক্লবা ৱাখলগী ঈপাক্তা তাউরদুনা ওইদমুক য়েত্তমুক ওন্থোক্কা ওনশিনগা লৈতাফম খঙদনা নোংঙানবতবু খৌরাংনা ঙাইরি। করম্বা মতমদা ঙহাক উইথরুরবনো খঙহৌদনা নোঙালমদাইগী মিরবা মকুগী খোঞ্জেলদা মঙ ফাওনরকই।

অয়ূক অঙনবদগী হৌগৎতুনা লোইশিল্লে। তোম্বীগী মবুঙগী বুলেরো গাড়ীদুসু শুমাঙদা থৌদোরক্লে। গাড়ীদুদা ব্যাগ-নুং পূন্নমক লোয়না হাপচিল্লে। চৎলমদাই মীৎকুপ্তা তোম্বীবু বাংলাদেশতা শাবা উলগী ঈন্নফি অমা খূদোল ওইনা পীরম্মী অদুগা কোন্সিল্লদুনা হায়রম্মী, ফরদুনা লাকপা ওইজগে, য়াইফা থৌনিবীরম্মু তোম্বী। গাড়ীদুদা কাখত্তুনা মুনানগা লোয়ননা ফম্মীন্নখরে। তোম্বীগী মবুঙসু মমাঙগী সীটতুদা ড্রাইভারগা লোয়ননা ফম্মীন্নখরে। গাড়ীদু থৌদোক্তুনা চৎখিবদো মুন্না য়েংহৌই। অদুদগী তোম্বীসু ইমুঙদা চঙলক্লে। থবক ইংখাঙ, অচাইবা কয়া লোইশিল্লী। পূক্লিংদা খল্লকই তাদ মুনানদো হকচাংগা নুঙাইতবদুদা করম হায়নবু চৎলিবা, খন্দুনা থবক ইংখাঙ লোইশিল্লীদৈদো পুঙমুক্কী মখাদা ইখং খঙহৌদনা তোম্বীগী মবুঙনা ফোন অমা অদুদগী তৌরকই। ফোনদো লৌখৎলে অদুবু ৱাদি অমত্তসু ঙাংলক্তে। তামো তামো... হায়না কয়ারক কৌজে অদুবু মখোনদি অমত্তসু তাবা ফংদে। ঙহাক লৈরবা মতুংদা হায়রকই ইবেম্মা ঐখোয়গী গাড়ীসে এক্সিডেন্ট তৌরে।

করম হায়ননো তামো?

দাউকীগী থেকচিন্বা কাচিনদু লৈরকপদা মাঙদা বি,এস,এফকী অচৌবা গাড়ীমসু কন্না চঙশিল্লকই। থেংজিন্নদগী তৌবদা তুংদা খজিক হন্দোকপদা ঐখোয় গাড়ীসে চীংথক্তগী লৈখাদা তাদুনা পীয়াইন ঈচেলগী লৈঙোয় চর মথক্তা তাবনি।

অদো তামো করিসু তৌনদরা?

ইবেম্মা, মোহিনীদি তাইবঙপানসিদা লৈত্রে, অমুক হন্না লাক্লরোইনে ইবেম্মা। ঐখোয় পূন্নমক য়াম্না শোক্লে। অদো কোন্না ৱারী শাসি হায়রম্লগা ফোন থমখরে।

পাউসে তাবদগী কোকথক্তা বজ্র তাবগুম ভাব-মেন ইতা তাখিদ্রে। ইমুঙদামুক মাঙ্গোন্দামুক হন্দোক হঞ্জিন কয়ারক চৎলি। করি তৌগদবনো করিমত্তা খনফম থোক্তে। মোহিনীনা হীপলম্বা ফমুংদুদা ফম্লগা তেংথা-নাওইনা কপচরি। করিনো ঙসি থোক্লিবা থৌদোকসিবু? করিনো তৌরিবসিবু? হা মপু ইবুঙো নঙসে ওহ্লোক্লা মীনুংশি হৈতেদকো। ঙসি চহি কয়াগী মতুঙদা উনবা ফংজখি, অদুসু মীৎকুপ খরগীতা ওইনা উনখি। ঐগী হকচাংসিদা হৌজিকসু মোহিনীগী নুংশিবা মনমদো নম্লি। চৎলমদাই মীৎকুপ্তা চেজেৎনা কোনশিনলম্বদো হকচাংশিদা হৌজিকসু নঙগী মনমদো ফাওরি। পূন্সিগী অরোইবা ওইনা উনগে হায়না লাক্লম্লিবরা নুংশিবী নঙবু? করিগীনো ঐবু নুংশি মৈচাক হাপলম্লিবা?

মোহিনী লৈখিদবগী পাউসে ইথা থাজদনা তাবদা মীপুং খুদিংমক ঙক্লখি। লোয়ননা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লখি। দাউকিগী বোর্ডারদা ওকপা চৎনখিবা মীয়ামগা লোয়ননা তাদ মুনান থৱায় য়াওদ্রবা থম্মোয়গী নুংশিজরবী মোহিনীবু গাড়ীদা পুদুনা হল্লকখি। য়ুমদা লৈরিঙৈ মতমদা ইমুং-মনুঙ, মচা-মৱা মপুরোইবগীদমক খঞ্জবদা চাবা মচেৎ, তুম্বা মচেৎ, কয়াদা অৱা খাংজখিবা, কদাইদা করি ৱাখ্রদগে হায়না কোইচেন চেঞ্জরম্বা মোহিনী ঙসিদি তুমিন্না শুমাংদা খাঙেন্দুনা ফিঙৌ মনুঙদা পূন্সিগী অরোইবা নুঙাইবা য়াহিপ তাল্লি। লৈকায়গী অহল-লমন মরী-মতা, মরুপ-মপাং, পূনমকসু মীৎলূ পিরাং শিন্থদুনা কপ্পরি। হৌনবী মতুঙ ইন্না ইরুজবিবা লোয়রদুনা চন্দন থিন্বীরে, ফনেক মপান নাইবা, ইন্নফি ইন্বীরদুনা য়াম ফজনা কেবিরে। অদুবু মাগী য়াম্না পামজনা নমজবা লাইবক্কী টিপ অদুদি কেন্দবা মখে হৌজিক ফাওনা নপ্তুনা লৈরম্মী। কাইদা হাপকত্তুনা পুগদগী তৌরকপা মতমদা শুমাং মচীদা অঙাওবগুম উংলদুনা লৈরম্বা তা মুনাননা খঙহৌদনা লাওরকই। ঙাইখো, মোহিনীবু কদায়দা পুদৌরিবনো, পুবা য়ারোই। ঐগী মোহিনীবু পুবা পিরোই। ঐগী মোহিনীবু পুখিগনু, পুখিগনু। ঐ মোহিনী য়াওদনা হীংবা ঙম্লোই, পুখিগনু.. হায়দুনা লাওরদুনা কপহৌই।

# নুমিত্তুগী খোঙচৎ

হন্দকমুক্তি পরীক্ষা লোইবগা বুঙোমচা উন্নবা পুবিউ পাব। বুঙোমচাদো য়াম্না উনিংলে। কয়াম কুইরে উনদবা, পাব পুবিউকো। হোয় হোয় পুবিনি। হন্দকতি শোয়দনা চৎলগদবনি। নঙগী থাগদৌবা পরীক্ষাদুতা ফজনা পাস তৌনবা, নপূক্লিং চঙনা হোৎনৌ। শোয়দনা পুবিগনী। গম্ভীনি ৱাখল য়াম্না নুংঙাই। চহী মরি মতুঙদা মৌপ্বা বুঙোচাগা উন্নরুগনি খল্লুবদা। মচিন-মৌপ্বাগী অঙাং ওইরিঙৈ চহি তরানিথোয় ফাওবদং লৈমিন্নরম্বগী স্মৃতিশিং হৌজিক্তা মিৎমাংদা থোকখিবগুম মথং মথং নীংশিংলকই। ৱা য়াম্না ঙাংগন্দবা, মবুদ্ধি য়াম্না চাউবা, মথৌনা মরিংজেন ফবা, মপাঙ্গল কন্বা, থবক য়াঙবা, কষ্টী চাউবা মাগী মতৌদো। নিংথমথাদা মাঙ্গোন্দা নুংশা য়াই য়াইনা চারা ৱানমিন্নবা, স্কুল কামিন্নবা পূম্নমক নীংশিংলক্লে। অঙাং অপীশকশিংনা তেলঙ্গা শাবিউ, গাড়ী শাবিয়ু হায়না মতুঙদা কোইন ইন্নবা। মচু মচুগী তেলঙ্গাদা, মমৈ পাল্লদনা য়াম্না মওং তানা নীংথিনা শাবা হৈবনি মাদি। ৱাগী মতাং মতাং কক্কুনসু গাড়ী চাকা অনী পাম্বী, মরী পাম্বী, অমত্তা পাম্বী, হেক হেক শাই। অঙাং ময়ামগা হরাউনা য়া য়া লাউনা হেক নোকপদো, মুনরং তৌবা কুচুদুদা ময়াদুনা ঙৌস্ত্রোক ঙৌনা লিথোরকপদো হৌজিকসু তরং তরং উই মিৎসিদা। ক্লাস নিপাল তমগদৌবা চহীনি। য়াম্না ফজনা পাস তৌরক্লবসু মাগী স্কুলদুদা মথং অমুক তমথখিদ্রে। মাক্কী লাইরিক তমফম মফম ওইখি জিরিগী হাইস্কুল অমদা। মাগা য়াম্না লুনা তিন্নবা, য়াম্না নুংশিননা লোয়নবা মমান্নবশিংবু থম্লমদুনা চৎপা তাখি ইনৌ নৌবা লৈপাকমদা। চৎপা মতমদা হায়রম্বা শ্যাম, গোপাল, রবেন, কুমার, মান্নান, বাবু নখোয় ঐবু ঙাইরম্মুকো। ঐ অমুক য়াঙনা লাক্কনি। শ্যামগা, গোপালগদি নোংমা উনদ্রদি লৈবা ঙম্নদবগী মতৌনি। মখোয় অহুম মিং পন্দুনা নোংমতসু কৌনদে, পাবনা লাইরিক পাদে, কোয়না শান্নদুনা অদুম লৈরে ঙাংই হায়বদগী পাবনা খঙদনবা হায়দুনা মিং কৌনদ্রিবা ওইরমগনি। নোংমা নুংথিল থোঙ্গান মতোনদগী লাপ্পা কৌরকপগী খোঞ্জেল তায়, “ও তা বলরাম”। পাব পোথাবদুদা বুঙোমচা প্রপ প্রপ থোকখিবা উই। আ থোঙ্গান থোকখ্রগা খুমখি, “কৈনো তা পারিজাত”। ঙহাক লৈরবা মতুঙ অমনমুক মনীংলোমদৈ কৌরকপা তায়, মানা খুমখি “কৈনো তাওজি”। বেডমিন্টন শান্নবদা ঙাওজবা, নাওরি কাপ্পদা মখুৎ

চুম্বসিদি অঙকপা মতৌনি মাগী। নিংথমথা মতমদা ইপনথ্নৌনা হায়, "বাবুলে উতোংখৈরোইগী যন্ত্রনানা উরি-নুংলি অমত্তা চাবা ফংদ্রেনেহে, য়ুবীশিংসিসু লোইনা হুতোখ্রেনে, নঙগী নাউরিদো অমুক্তা কাপ্পুনে। উরি, য়ুবীনা মখোংসিদা পুমঙৌ ঙৌরেনে চিকথদনা।"

ডিসেম্বরগী তাং ৩০, ১৯৮৬ দা ইন্টারমেডিয়েত পরীক্ষা লোয়রে। পাবনা পাঁজি য়েংলুবদা সরস্বতী পূজা পঞ্চমী নুমিৎসিনা ফরে হায়না অয়ূক পুং তরেৎ তাবগীদুদা খোংশাল্লে। মতমদুদা পাসপোর্টকাসু চঙদে। কামাচ্ছড়াগী পুলিশ ক্যাম্পতুদা চঙলগা পাবনা লুপা খরা পীরম্মি চা-পানা তৌবিয়ূ হায়না। পুলিশ কনস্টেবল অনীখক্লা চীংনুং লাম্থোকফাও থিন্বীরম্মী। ফনা শাংনা চৎলবা মতুঙদা বাংলাদেশ বোর্ডর ক্রস তৌদুনা ইন্ডিয়াগী কৈলাশহর বোর্ডার চঙলে। বোর্ডারনি হায়দনা হৌজিক্কীসুম্না তিংখং তারাগাক খাবা খোৎপা অমত্তা লৈরমদে। পিলার অমমম য়ূংনা লৈরম্মী মদুনা বোর্ডার অনীগী ঙমখৈনি খঙনৈ। খরা খরা অদুম চঙশিল্লগদি চীংনুংগী অশোংবা লাম্থোক্কুনা অকোকপা লম্বী ফংলদুনা চৎপা খরা নুংঙাইরে। য়ূম অমা অনীসু তাবা উরে। চীংমী, কুলি, ময়াংসু থোরকই। রিক্সাসু অমা অনী চেন্বা উরে। রিক্সামদা পাবগা ঐগা কাখৎলে। সরস্বতী পূজাগী শঙ্খু শঙ্খু পুল্লদুনা কোইবা চৎপা উরে। সাইনবোর্ডতা ইবা উই কৈলাশহর। লম্বীগী মচি মচিদা টেবল থাদুনা মোমবাতি,আগরবাতি, মিঠাই, বকুলচানা অতৈ অতৈসু য়োন্নরি। য়েংনা য়েংনা চৎলিঙৈ পাবনা হায়রকই, ইবেম্মা নতৈ প্রিয়বর্তাখোয়গী য়ূম য়ৌরে, কুমথরো।

পাবনা মাঙথানা গেইটতো হাংদোক্কুনা চঙলে। কনামতসু খঙনদে। ইতৈ প্রিয়বর্তাদি ঐখোয়দা লাক্লুম্মে, ইচেদুসু খঙনদে, মচানুপী অনী ইমান্নবী লৈরম্মী। অহানবা হেক চঙবা কাদুদা টেলিভিশনদা বাংলাদেশকী সিরিয়াল লীলা (নাটক) য়েংনরম্মী। পাবগা ঐগা হেক উবদা ইঙক ঙক্লা ইচেনা হায়রকই, হৈমা খাতোননিনে ইথা থাজদনা? ঐনা ঙক্লা য়েংই মখোয়গী টিভিদুদা, বাংলাদেশকী বাংলা সিরিয়াল লীলা মচা (নাটক) য়েংলম্বদুদা। কৈলাশহরদসু ঐখোয় দেশকী লীলামচাসে (নাটক) কয়াম পামজনা, কয়াম নুংঙাইনা থৱায় তানা য়েংনরম্লিবা। চাওথোকচৈ মনিপুরী ইমালোনগী মতুঙদা বাংলা লোনবু। বাংলা ইমালোনগীদমক থৱায়গী পোন্থা পীখিবা রফিক, সফিক, সালাম, বরকত, জব্বার। বাংলাদেশতা নত্তনা বাংলা ঙাঙবা মপান লৈবাক্তসু নখোয়গী নগুন নখোয়গী মমিনা ঙাম্থোইরি। পাবগা ইতৈগা ঙহাক ৱারী ৱাতাই শান্নরিঙৈ ইচেনা চাক লোইরে খোঙ-খূৎ হামদোপীরুরো খাতোন, অঙাংসিসু লামম্মনি হায়রকই।

নোংঙানলে, অয়ূক অঙম্বগী বস গাড়ীদা অমুক জিরি চৎনবা ইচেখোয়গী হেক থোঙ্গানদুদগী গাড়ী কাবা য়ানি হায়বদগী গাড়ী ঙাইরিঙৈদা খুদক্তা অদুম লাক্কুনা কাখৎলে। নুমিৎ য়ূংবগী আজান লাউবা মতমদুদা চপচানা থুংলে ধর্মনগরদা। পূম্নমক মাগী মাগী থোকপা গাড়ী ঙহাক লেপ্লিঙৈদা চান-থক্লবা, মপান-হৈপান থোক্লবগী লোইনা কুমথনখ্রে। পাবনা হায় ইবেম্মা চাক চখোম্মা চারুনবা হোটেলদা

চঙসি। ইনক নকপা হোটেলমদা চঙলে। হংববু শরেং থোংবা লৈ হায়বদগী চাসি হায়না ফম্লে। চাক তোকনা খুৎ হামলিঙৈদা কদাইদৈনো ইখং খংনা মাম্মা হায়না কৌরকই। লৈথোক্তুনা য়েংলুবদা লৈকায়গী য়াম্না নুংশিবা নিপামচা মরম ওকপা,য়াম্না বুদ্ধি-লৌশিং চাউবা গোবর্ধন ওইরম্মি।

হৈমা গোবর্ধন? নঙদি কদাইদগী?

মাম্মা, ঐ সিদা থবক'মগী লাক্লম্বনি, মাম্মদি কদোমদগী কদায়দা চৎপিদোইনো?

ইঙক ঙক্লখ্রে পাবসু গোবর্ধনসু। চহি কয়াগী মতুঙদা উনরিবা! ১৯৭১গী নীংতম লানগী মতুঙদা ঐখোয় খুনগী খা থংবা মায়কৈদা চিংথাম লৈকায় য়ূম্না কৃক কৃক ইন্ননা লৈরম্বদু পূম্নমক হোংনখিবনা লৌরিয়াম লৈকায়, অরাম্বম লৈকায় তাকখিদুনা য়ূম মরি মঙাতমক ঙাইহৌখি।

গোবর্ধননা হায়, মাম্মা ঐ বদরপুরদা থবক অমা তৌদুনা লৈ।

ও! গোবর্ধন মতম কুইরেদা উদবা।

খুড়া-ইন্দোনদি করম তৌরি? কল্লিদনা?

পাব-ইমাদি ঐগা লৈমিন্নে, থোয়দোকপা অনায়েক লৈতে। মাম্মদি কদায়দা চৎপিগদৌবনো?

ঐদি ইচানুপা উন্নবা চৎলিবনি। ইবাইগীদা লৈদুনা লাইরিক তমখ্রে। চহি মরিরোম হায়রক্লে উনদবা। মচিন-মনাওসু উন্নজনি, অদুগী ইচানুপীসু পুবিরি।

গোবর্ধনঃ ঙসি মতম কুইরবগী মতুঙদা মাম্মগা উনবা ফংজবা ঐ হায়নীংঙাই খঙদনা নুংঙাইজে। অসুম্না উনবা ফংগনি হায়বা কৈদৌঙৈ খল্লুদে। পিশক পিল্লীঙৈদা ঐনা লাইরিক তাকপীরম্বা নুপীমচাসে ঙসিদি কয়া চাওরম্লবা! নুংশিরকই ঐগী পোকফম চীংথাম লৈকায়গী ইয়ূমদো; মরুপ-মপাং, কৈরোয় লৈকায় য়াম্না নীংশিংলকই। লৈবা য়াররোই হায়না পূম্নমক লংথোক্লমদুনা লাক্লবা ঙাক্তনি। কাউঙমদে ঙসিসু ঐগী খোইরি তাফম পোক্লফম লমদম বাংলাদেশপু। শরক্তুদা ঐখোয়না তোংলকপা বসকী হোরোন শাংনা শাংনা কন্না খোংলকপদা ঙহাক অৱা নুংঙাই মংলান্দা লুপ্লুপা ৱাখল মঙফাওনরকই। ঐখোয়গী বসসে থাগদৌরমাল্লে। গোবর্ধন নঙ অমুক্তংদি লাকউদনা? ঐখোয়গী গাড়ী থাগৎলফাওবা লেপ্তুনা য়েংনা লৈহৌই গোবর্ধন। ঐখোয়সু য়েংনা য়েংনা অসুম লাপথোরকখি।

লেপ্তনা লাকপনা নুমিৎ তারমদায়গী মমজি মমজিবা মতম য়ৌশিল্লকলে। ঈ-পাও ফাওনবগী খুদোংচাবা লৈনরমদবনা ঐখোয় লাক্লি হায়বা পাও খঙহন্বা ঙমখিদে, নুমিদাংৱাইরম পুংমম মম্লগা থুংলে মামচৌখোয়গী য়ূমদা। পাবগা ঐগা হেক চঙখিবদুদা মখোয় ইঙক ঙকখ্রে, হরাওবনসু অমুক তোইবা লোইখ্রে। বুঙোচাদি হরাওবগী ঙমখে লৈখিদ্রে। মামচৌ-ইনেচৌবীগী মচানিপা তরুকনি। ইপ্পানিপাগা তরেৎনি। ঙহাক্তংদি ইমুঙদো পূমনিল নীল্লি।

পাব নুমিৎ নীনি লৈরম্লবা মতুঙদা য়ূমদা হন্বগী খোঙশানখ্রে। চৎলমদাইদুদা বুঙোমচাবু নুংশিনা কোন্বীদুনা মকোক্তা নাম্বুবিরম্মী। মপিনা অরেপ্পা লৈতনা



CamScanner

শিন্থরক্লী, মপূক্লীংদদি হায়নীংলি পাব চৎখিগনু, ঐ ইতোমতা লৈহৌবা নুংঙাইতে। মচাবু পাঙ্গল-থৌনা হাপ্পিরম্লি; ফজনা লাইরিক-লাইসু তম্মু নপূক্লিং নুঙাইতবা তৌগনু পাব অমুক্কামুক সোইদনা লাক্কনি। পাবনা গাড়ী কাখৎখিবদো মুন্না য়েংদুনা লম্বীগী মচিদা মপিনা তরং তরং চেল্লদুনা মুন্না য়েংদুনা লেপহৌই। ঐদি খরনিগী লৈহৌরে। মাময়াইমনা থিন্বীগনি হায়বদগী।

থাবুম অনি ফাজিল্লক্লে। ইচিল-ইনাও লৈমিন্নবগী হরাও নুংঙাইবা, ইমান্নবী ময়ামগা লোয়নদুনা কোয়মিন্নবা, চাক চামিন্নবা, থাবল চোংবা অমসুং লাই খুরুম্বা চৎলিঙৈদা করম্বা মতমদা থাবুম অনী হৌখিবা মফম খঙহৌদ্রে। যূমদা চৎপগী নুমিৎ তম্লরে। বুঙোমচাবু থাদোক্কুনা চৎকদৌসে খব্বদা য়াম্না নুংঙাইরকত্রে। নোংমা অয়ূক্তা য়েন্নখাদা অচৌ-অচৌবা উতুপ্তগী খায়বা শীং ময়াম্মা পৈনা লৈরিবদু উবদা মানা হায়রকই, চেচে শীং ময়ামসে ঐনা লোয়না খায়রিবনি। ইনেচৌবীনা ঐবু মশা কল্লি শীংসে খরা খরা খায়দোকউ হায়। হৈমা অসুক য়াম্বসে নঙনা খায়রিবা, নঙদি য়াম্না মরম মোক্লে। হোয়দা লাইরিক পাবগী শংলকপদা খর-খরসু থবক পাংশিন্বা তাই। মাগী মপূক্লিংদা পেন্দবা নুংঙাইতবা ৱারীশিং ময়াম ঐঙোন্দা লোয়না তমনীংই। যূমদা কেনা-নৌনা হৌজখিবগী মরম্না মাগী অৱাবা নুংঙাইতবা থোইনা হেনখিনি খন্দুনা মাবু থাগৎ ৱাহৈনা ৱাখল-পূক্লিং চাওথোক্লবা উৎলি। পুন্সিদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরগা তুংদা নুংঙাইনা মহৈ চাদৌরিবনি। চৎলমদাইদা চে-না য়াম্না চেকশিন্না য়োম্বা ময়োম মচা অমা মানা ঐঙোন্দা পী। হায়রকই, চেচে অসি ঐনা স্কুলগী বেডমিন্টন কম্পিটিশন য়াউরুবদা ফংলকপা টেংগোতকী সেটনি। ঐনা যূমদা লাকপা মতমদা পুরক্কে হায়না থম্লিবনি। অসে হাপচিনখ্রো। খরনি নোক্লা-হরাওনা লৈমিন্নরম্বগী মাইথোঙদো ঙসিদি কদাইদনো মাঙখ্রে। মাইথোঙ ইমক মকশিন্না ময়ামগা লোয়ননা ঐবু থিনদোরকই। ঐসু কপ্পা কপ্পা গাড়ী কারক্লে।

যূমদা হম্বগীদমক রংপুরদা মাময়াইমগীদা লাকপা নুমিৎ নীনি শুরে। মাময়াইমনা হায়, নিংথেমদুবু ঙসাই সিলচর টাউন্দা উনরকই। ৱারী শান্নবদা হংচিৎকুম্বা কুমথরনি মখোয়সু মী অনীনী হায়, ঐনা চৎমিন্নসি হায়রম্বনি। ঐসু মতম কুইনা চৎত্রবনিনা লম্মিৎ-তুমিৎ কাউশিল্লক্লে নিপা ইতোমতা নঙবু পুদুনা চৎকদৌরিসে খঞ্জা-মঞ্জাননা লৈরম্লিবনি। ফরে মখোয় অনীমগা য়াওরদি কিফম লৈত্রে।

অয়ুক পুং নিপালগীদুদা মাময়াইমগা থোক্লক্লে। শিলচর তাউন্দা মখোয়গা উন্নদুনা পুন্না চৎমিন্নরে। মখোয় অনীগী ব্যাগতো য়াম্না লুম্না উই। মাময়াইনা হংই, করি করি পোৎ য়াম্না লৈরক্লমারে য়াম্না লুম্না উখ্রেদা নিংথেম? ফি-রোলঙাক্তনিদা খুড়া। নিপা অমদুদি শকখঙনদে। য়াম্নসু ঙাং-শক্না তৌদে। অয়ূক্তগী থোক্লকপদুনা নুংথিল য়ৌরে। কৈলাশহরদগী খরা চখরগা চীংমীগী ইমুঙমদা পুশিন্দুনা মাময়াইগা ঐগসু চঙলে। মাময়াইনা হায়, নিংথেম অসিদা অমুক চঙবগী শরুক অদুম চখখ্রসি। ঙন্তানা থুংলুবনা ফৈ নুপী নহা য়াওবসিদা। খুড়া লম্বীসিদা য়াম্না লাংঙি অদুনা ইরাংমা য়েংখিসি। করিগী হায়রিবা ঐখোয় ভাব তাদে। ঙহাক লৈরগদি

সিআরপি গাড়ী মথং মথং মরিখক চেনশিল্লক্কুনা চীংগী লম্বীরোমদা থৌজিল্লকপা উরে। মখোয়গী ক্যাম্প লৈবা মাল্লি। গাড়ীশিংদুদগী কুমথদুনা মখোয় খরমা চঙখ্রে। উপাম্বীশিংনা খুমজিন্দুনা উখিদ্রে। মরিখকমদি লেংবান্দা নোংমৈ য়ান্দুনা লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌদুনা লৈবা উই। থোঙগী মরুমদুদগী ঐনা তুমিন্না য়েংলিবদুদা নিংথেমগা নিপাদুগনা য়েংলুনু তুমিন্না ফম্মু হায়রকই। হাউদুগী য়ুমদু য়াম্না চাউদে, ফমুং অমখক্তং থাই। অদুসু ৱাচেৎনা হারগা মথক্কুদা ফক অমা থারি অদুগা ফমুংগী খূয়ারোমদা মঞ্জুনরবা কেথা, মোন মতুম তানা কোনশিল্লন্দুনা থম্মি। ফমুংগী খূয়ারোমদা, নাকল্লোমদা ফকথোং খারিবদুদা অশাং অশাংবা থাং তা, লাংশোই, লম্বু, মওং মওংগী খূৎলাই থেৎনা লৈবা উই। কুচু মুশিন মুবা চীংমী নিপাদুগী মশাদুদা ফি অমত্তা থোংদে। পিকখ্রবা ফি মতৎ অমখল্লা তাশিল্লগা ক্রাংলোমদগী পুখৎলক্লগা খ্বাংথৌরিগী তুং-মাঙদা নমশিল্লী ইকায়বা মফমদুতা উদনবা। মুরি মুরি তৌবা লাওখ্রবা রিং অনীনা মনাদু য়োমশিল্লক্লগা য়াম্বুরি। মতুদুসু অদুম্না লাওখ্রবা রিং য়াল্লি। মনা নাখূন্দো অলুম্বনা চিংথরক্কুনা তৎকদৌরে। নাগী অহোবদু ফজনা উরে। খূনিং অনীরোম পাকপা ফি মচা অমা থবাক্তা ফিদোন চিংখত্তুনা শেৎলি। ফিদুনা মখূগী মথক্তা লৈ। মনঙ্গন্দা চহী অমরোম শুবা মচানিপা অমা পোরি, অদুসু অঙাংগী মথূনদুতা কুপ্পা পিক্লবা ফি মতেক অমননি। অঙাংগী মথূনদো লিথরক্কুনা ঙহাক লৈতনা ইনখৎলি। কুচুশিংদুসু মুশিন মুই। ঐনা মুন্না মুন্না য়েংবদুদা নোক্লনু হায়রকই নিংথেমনা। পূক্লিংদা খল্লি নোকউবদি থল্লদনা মওং-মতৌশিংদু উবদা কিবনা লোই। আফ্রিকাগী জঙ্গলদা ফি শেৎতবা চীংমী ময়াম লৈ হায়বদো সিদসু লৈরম্মিবোইরে খল্লি।

নুংথিলগী পুঙ অহুমদগী চীংমীদুগী ইমুঙদুদা লৈরকপদুনা নুমিৎ চঙখিদুনা পুংমম মম্লে। চীংমী নিপাদুনা হায়, নখোয় থোকপা য়ারনি। ৱা অমত্তা ঙাংনবিগনু, মখোল থোকহনবিগনু। মমশিল্লকপনা লম্বী লমথোংসু অমত্তা উখিদ্রে। চীংমী নিপাদুনা মাঙ থাদুনা লমজিংবীরে। লৌরি লৌরিদা মতেকমা চৎলবা মতুংদা লৌবুক্তা কুমথদুনা শমদৎনা চৎপা হৌরে। লৌবুক্তো ঈশিং লৈরম্বনা চৎপদা ঈশিংগী প্রুপ-প্রাপ মখোল হৌই। মখোল হৌহম্বীগনু তপ্না খোঙ থাংবিউ হায়রকই। অৱাং চীংদোংগী য়ুম্মগী নাকন্দা থাম্বা ইলেকট্রিক বাল্বকী মৈঙালনা উপাম্বী কারক কারক্তগী লিৎথোরকপা মৈঙান্দুনা ঐখোয়না চৎলিবদুদা ফাওজিল্লকই। হুই অনী অহুম্না য়ুমগী য়েনখারোমদা থোক্লক্কুনা চাথোক্কদঙৈ কন্না কন্না খোঙবা হৌরকই। মমি-শামি ওইনা উরিমারে মখোয়সু। কিবনা ঐগী মিহূন দক দক লাউরকই। কিলোমিটারমুক লাক্লবা মতুংদা চীংমী নিপাদুনা হায়রকই, নখোয় চৎলিবা মাইকৈসিদা অদুম চৎথবিখ্রো য়ারনি হৌজিক কিনীংঙাই লৈত্রে, অদুগা ঐসু লৈহৌরগে।

নিংথেমনা মাঙজিংদুনা ঐখোয় চৎপা হৌরে। কিলোমিটার অহুমরোম চৎলবা মতুঙদা তুরেল মচা অম ফংনরে। তোর্বান্দু ই-উরি-ৱারী হৌবনা মচি মচিদা নপ নপ্পা লাম্হোকপগী খুদোংচাবা য়েংদুনা ফনা শাংনা চৎলে অদুবু খুদোং চাবা মফম

অমত্তা ফংদবদগী লাহ্লোক্লবা তৌরসি হায়রকই। ই-নানা ইশা ইয়ূ খেত্তুনা পুমশা শারে। কনামত্তা ৱা মচেৎমা ঙাংনদে তুমিন্না অদুম চৎনৈ। তুরেলদু লৈঙোয় নুংজ্রেং তাবা তুরেল ওইরম্মি। ঈশিংদি য়াম্না চাউদে খুকউমুক্তা য়ৌই। তোর্বান্দু য়াম্না ঙম্মী। ই-উরি-ৱারীনা শোংবনা কাখৎপগী খুদোংচাবা য়েংবদা অমুক ফনা শাংনা চথরে। খুদোং চাবা মফম্মফাও ফংদ্রবদা ফরে কাখৎনবা তৌরসি হায়না ই-নাদা য়াল্লগা য়াম্না ৱানা অমনা অমবু চিংখৎনদুনা কাখৎলে। কাখৎপগা অমুক অৱাবা অমমুক মায়োক্লরে। কাখৎপগা ফংবা মফমদু চীংদোংমদা তারে, মদুসু ৱা-ঙাক্তা হৌরম্বা ককখিবা কুইদ্রিবা চীংদোং ওইরম্লে। ৱারুশিংদো মশোং তুমখৎ তুমখৎনা লৈরম্বনা য়াংনা চৎপা ঙম্মদ্রে। লম্বী অতৈ লৈতবনা তপ্পা তপ্পা মার-মারদুনা চৎপা হৌরে। খোঙ-খোঙপাক খেগাইবগা, থিনগাইবগনা পুংশা শারদুনা ওনথোক্লা ৱানরে। মতৌসিনা করম্বা মতমদা য়ূম য়ৌগদৌরিবা খঙদ্রে। অহিং থেংজিল্লকপগী চীংনুংদা মওং মওংগী উচেক-ওয়া, তীন-কাঙ, মকু, লমহূইনা খোংবগী খোঞ্জেল শিংসিনসু পংকিদমক কিহল্লি। মখোইনা ঐবুদি ময়ায়দা চৎহল্লি।

চীংসে লাম্বদা মতম শাংনা চংখ্রে। ফনা শাংনা চৎলবা মতুং চীংলম্বী অমা থেংনরে। চীংনুংগী খূনাম তাবা লম্বী মতুঙ ইন্না চৎলবদুদা ৱাবা খরদি শাফরে। অহিংগী মীচিক মিরাওখোল তাখিদ্রবা মতমসিদা থাপ্পা ট্রং ট্রং লাউবা মখোল অমনমুক তু খ্বেয়াও খ্বেয়াও চুংহল্লি। কোন্থরকপগী থামম্বা অহিং ওইবনা য়েংখি য়েংখিবা মাইকৈ খুদিংদা মুশূক মুবা অমম্বদমক উখ্রে। কিবনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্না চৎলিঙৈসিদা ট্রং ট্রং লাউবা মখোলসে অতৈসু নকশিল্লকপাগুম তৌই। করিগী মখোলনো সিবু? নিংথেম্না খুম্লকই চীংথক্তগী চেন্থরকপা ঈশিংগী মখোলনি। চৎপদি শুংলেপ লেপ্তে। চীংনুংগী অমম্বা অশুকপা লম্বীসে করম্বা মতমদা লোইদৌনো খঙদ্রে। মতমসিনা পুং কয়া তাখ্রবনো অদুসু খঙদে অদুবু মতমসে অঙাংদি ওইরম্লরোই হায়বা খঙই। খোঙবানদৌনা ঈশিং চেন্বামা ফংলে। মসিগী মখোল ওইমারে ঙসাইগী ট্রং ট্রংদো। অকিবনা থুমহৎখিবনা অৱাবপুম্বা ঙহাক কাউথোকলুই। অতোং-অকুৎ, উরক-ৱারক, তু-খোঙ কয়া লান্দুনা লাক্লিবসে মতম ফনা শাংলক্লে। নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা লেপ্তনা চৎলক্লিবনি। নিংথেম্না অমুক হায়রকই, য়ামকত্রে হামোমখুল মমাংগী চীং য়ৌরক্লে। ৱাহৈসে তাবদা নুংশাম্বরসে খরা নুংঙাইনা হোন্থরকপগুম তৌই।

চীংগী লম্বী লোইরদুনা লৌবুক ফংলে। লৌবুক হেক তারকপদা লম্বী চৎনা চৎনা মাঙদা খরা তোংতক্লা ইমং মংবা উই। হংবদা নিংথেম্না মহাদেবগী চীংদোংদা খোংনাং পাম্বী অচৌ অচৌবা হৌবদুনি। অদুওইদি লম্বী অচৌবসিদা কাখৎলসি হায়ববু য়ানীংদে। লৌবুক্কী লম্বীসিনা অশম্বনি। যোগীটিলাগী খোংদুদা কারুদৌরবনি, অদুদৈ য়ূম য়ৌরক্লনিদনা হায়না খুম্লকই। করম্বা অরোম্বা পোৎ য়াওরকপনা চৎলিবা খোঙচৎসে অসুক ৱাহল্লিবা মখোয় অনীনা খঙই।

য়ূম য়ৌরমদাই লপ্লোং অহুম ফাংবা য়ৌরকপদা মখোয় অনী খারোমদা চৎখ্রে।

মাময়াইমগা ঐগা অৱাংলোমদা লাক্লে। যূম য়ৌদুনা ইমা ইমা কৌবদা ইখং খংনা থাজদদুনা ইমানা সানারে হায়না অমুক কৌরকই। থোং হাংদোরক্তুনা ইমুঙদা চংলে। খোঙ অনীসে ৱারু-ৱাকোক্কী অতুম্বা মশোংদুনা থিল্লকপা-খেৎলকপগী ই থোক্তুনা পোমখৎলে। কাকফৈ চীক্তুনা মুন্না লৈরম্বদো উরুবদা কিবগা খংবগা ঐনা চোংবদুদা ইমানা লৌথোকপীরে। শরক্তুদা আজান লাউবগী খোঞ্জেলনা নোঙানদৌরে হায়না খঙহল্লক্লি। ঘড়ি য়েংলুবদা অহিংগী পুং মরি মখায় তারম্লে।

# নুমিৎনা চায়থখ্রবদা

চন্দ্রজিনিগা মিৎলুগা মচিল-মনাও অনীনা লৈশাবী ফারকপা মতমদা মমা-মপা অনীমক অকন্বা খোংহাম্বীগী লায়নানা লৈখিদে। মতমদুদা মী য়াম্না শিনখি খোংহাম্বীগী লায়নানা। খুন খুন খুদিংদা লায়নাসিনা নুংতিগী মী তরেৎ-নিপাল অশিবা পুথোকই। ফৎতবা লায়নাসিনা অমদৈ অমদা লৌনরক্কনি কিনবনা য়ূম্মদগী য়ূম্মদা চংনদবা, থোঙ লোন্দুনা লৈনবনা অয়াম্বনি।

খোংহাম্বীগী লায়না-লাইচৎসিনা মী-পোঙ চৎনা-থোক্লদবা চহী অমা হেনখ্রে। য়াম্না কন্না নানরম্বদুদগী খরা ফগৎলক্লে। মপান্দা মী খরা খরা থোক্লা-চৎনবা হৌরক্লে। চহীমুকসি য়ূমদগী চৎনা-থোক্লদবনা য়াম্না ৱানা লেন্নরক্লবনি। চাব-থকপদগী হৌনা পূম্নমক য়াম্না খুদোং চাদনা লেন্নখিবা ঙাক্তনি।

ইফ ফনা লৈরম্বা চন্দ্রজিনি খঙহৌদনা মওং মতৌ অমা হোংলকই। অঙাওবিগী মতৌ মওংনি। নোংমা মদোমতা মুরুম মুরুম শোল্লি। ঐখোয় পুখ্রিসে ঙানা পীক থল্লে ঙা ফারুশি মিৎলু। অওইবরা হায়না মিৎলু পুখ্রিদা চৎনা য়েংলুরে, কদায় ঙাদি অমত্তসু উদে। কংনা পীক থল্লি। লুখ্রবা ঈশিংনি, কংগী অহাং অহাংবদা মখাদা ঙৌস্রোক ঙৌবা লৈঙোয় তারিবদু ময়েক শেংনা উবা ফংঙি। য়ূমদা হল্লক্লগা মচেদা হংঙি, কদায়নোনে নঙনা ঙানা পুখ্রি পীক থল্লে হায়রিদো? ঙাদি অমত্তসু লৈবা উরক্তে। মানা অদুম ঙম্নবা ঙাংই, লাও লাও ঐ নঙবু য়েংহনগে হায়দুনা মিৎলুবু পুখ্রি তান্না চীংদুনা পুরক্লে। থোংগ্রাদুদা লেপ্লগা হায়, য়েংঙোলাওসে তু-তু কংগী মখাসিদা ঙা ময়ামসিনা প্রীক প্রীক শৌরে য়েংঙু। মিৎলু, অওইবগীরনে হায়না নোঙ্খরদুনা অমুক মুন্না মুন্না য়েংই করিমত্তসু উদে। কং নত্তনা কৈসু লৈবা উদে। শাউরদুনা য়ূমদা পুদুনা লাক্লে। অসিগুম্বা নৎতা নৎতবসে নোংমা নোংমগী অসুম হেনগৎলকই।

মমা-মপা লৈখিদ্রবসু লৌ-শিং, য়ুম-ইংখোল মরাঙ কায়না থম্বীরম্বনা চা-থকপগী অৱাৎপা লৈতে। চহী অমদগী চহী অমা তাবা লেম্না-পানা ওক্তুনা চহীগী ফৌ য়োনথোকই। অৱাবা হায়ববু মপা লৈখিদ্রঙৈ বাজার-সজার তৌবা, লৌউ-শিংউবা মীঙোন্দা নেক্তুনা পূম্নমক তৌহন্বসিনা হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা নংই। মিৎলুনা য়াম্না হৈজা-শিংজবা, মরম ওকপনা লৈকায় অহল-লমনশিংনসু অৱা-অনা কয়াদা

য়েংবিরি মতেঙ পাংবিরি। য়ূম লোন্নবা ঐজ্ঞা রাধেশ্যামনা মচিল-মনাও অনীবু মতম খুদিংমক্তা মপাবুংগুম্না শেন্নবিদুনা লাক্লিবনি। অদুগা মৌপ্বাগুম্লবা হরিমোহন্নসু বাজার-সজার তৌবি। থাজ-য়োঞ্জবগী পাও কয়া লাকখিবসু মিৎলুনা য়াদবদগী থাজখিদে। মিৎলু কুচু মুরংনবী ওইজরবসু শাওং শাদা চুম্লদুনা য়াম্না মায়থোং নুংশিবা লৈশাবীনি। থবক-থনা য়াম্না ফবা মরম-ওকপনা মমৌ ওইজগে হায়দুনা আজ্ঞা রাধেশ্যামদা কয়ারক নীংশিংলকখিবনি অদুবু য়াবা লৈখিদে, ইচেনা মওং-মতৌ নাইরক্তবসিদা করম্না ইচেবু মতোমতা থাদোক্লমগনি? ঐ য়ূম পান্বা ঙম্লোই হায়না য়াবা লৈখিদে।

নোংমা নোংমগী চহী মতাং য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা চন্দ্রজীনিগী অঙাওবা মতৌ মওংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। পুখ্রিদা মতোম মতোম চত্তুনা থোংগ্রাদা ফম্না লৈরম্মী। শেন্নবদা য়াম্না অৱাবা ফীভম অমা ওইরক্লে। পুখ্রিগী কংসিদা সনাঙাক্তা ঙাইরে হায়না ঙহাক লৈতনা ঙাংই। য়েংলুরগনা কৈমতসু লৈরমদবা। মাগী মমিত্ততা উহন্বা ওইনা তৌরে। ডাক্তার য়েংহল্লে, অখঙ অহৈ, মাইবা-মাইবী কয়া য়েংহল্লে। য়ূমলাই, লমলাই চাবান থাবনা চিংবা কয়ানি য়েংহল্লিবা, তৌথোক্লিবা অদুবু ঈশিং চাইবগা অমহা ওইরে। কানবা, ফবা কৌবা লৈখিদ্রে। চাক-ঈশিং থৌশানা চারকত্রে। মৈ-ঈশিং কুপ্না শেন্নৌ হায়না পূন্নমক্লা হায়বিরম্মী।

চন্দ্রজীনি থা-মুক অরুম হৌনা নারম্বদগী নোংমা ইখং খঙহৌদনা ঈশ্বর খুয়া তানখ্রে। মচেমতং লৈমিন্নরম্বদুসু লৈখিদ্রবদা মিৎলুগী য়েংলু য়েংলুবা মাইকৈদা অমম্বগী অমম্বঙাক্তা ওইখ্রে। শ্রাদ্ধ-কর্ম লোইদ্রিফাওবা লৈকায়গী য়ূমকোক খুদিং শিন্না শিন্ননা শংবিরে। চাউরবা য়ূমসিদা নোংমা নোংমগী নোংঙান্বা ঙাইবসিনা চহী অমমম ফাখ্রমালে খল্লে। ঈশ্বরগী মফমদা তেংথাজে। হে নোংদম্বা মপূ ইবুঙো ঐগী লাইবক্তা ওন্থোক্লসু থীনা তমবিরমখ্রবোইরে। নহানমুক্কী মপোক্তা করম্বা পাপ চেন্বা থবক তৌরুবননো অসুক অৱাবা নংলিবা?

মচে লৈখিদবা মতুংদগী মতোমতা লৈবা নুঙাইতবনা শাগে মবুংগী মচানিপা চহী তরানিথোইমুক ফাবা অঙাংমা পুরক্কুনা লৈমিন্নরে। পুমহাং হাংবা ইমুংমনুংসিদা মতোমতা লৈবনা অৱাবা নুংঙাইতবা থোইনা হেন্না থম্মোয়দা নীংশিংবা পোকহল্লি। অহিং কয়া শুরক্লে মিৎ কক্লামা উইশিল্লু য়ারকত্রিবা। য়ূমলোন-কৈরোন্নবশিংনা কয়া নুংঙাইনা তুমখুন তান্নরিবা। ফমুংদা হিপ্পি হায়বদুমঙাই, ওইদমুক-য়েত্তামুক ওন্থোক-ওনশিন তৌরিঙৈদা চরোই-তেতুগী খোঞ্জেলনা চীংখোং ঙাল্লে খঙহল্লকই।

পুন্সিনা মপুং ফাগৎলকপা মতম নুংশি নুংওনগী নুংশি মপাও কয়াদং লাকখিবনি অদুবু থোৎনা নৌনা য়েন্নিং হুল্লকপা মতমদা অকন্বা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ অতাতা থোকহন্বীরম্বা পুন্সিদা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লখিবদা হরাও নুংঙাইবা কয়াবু তুংওইনরম্মী। মতমদি অরেপ্পা লৈতনা হৌখি, পুন্সিসু অসুম অসুম তেনশিল্লক্লী। খঙহৌদনা চহী মতাংদি য়াঙৈখে শুরক্কদৌরে। মতোমতা লৈবনা নিপা নহা কয়ানা ঙাংনীংবা, হৌনীংবগী মশক ওই। কনামনা মরন-মথুম পৈনা লৈরিবদু উবদা মতু

অতোম্বী ওইনা লৌবগী নীংশিংবফাও য়াউরক্লে। নোংমা অহিং অথেংবদা থোঙ কাউখায়দুনা শকখংদবা মমায় ফিমুনা কুপশিন্বা নিপা মরি চংলক্তুনা সনা-লিক্লোন, লুপা-পয়সা পুথোরকউ হায়না থাঙ উত্তুনা কিহন্দুনা ফৌ-চেং য়োনখিবগী অরৈবা লুপা পূম্নমক লোইনা পুথোক্তুনা পীখি। মপা-মপূশিংনা শিজন্নরম্বা ফজ-ফজবা সেঞ্জেংগী, পিথ্রাইগী কোন-লিক ময়ামসু লোইনা পুবিখ্রে। অদুগা সনালিক-কোনদি থৈদোক্তুনা থম্বনা য়াওহৌদ্রে।

হুরাম্বা চংলক্কনি খন্বদা মিৎ উইশিন্বা য়াদে মিৎলু। যূম থাদোক্তুনা চৎপসু চৎঙমদা, ফৌ-চেং, সনা-লিক্লোন পূম্নমক লকশেক্লমদুনা। লৈকায়গী ইপা-ইপন, ইবুং-ইপ্পাশিংনা কয়ানিনো শেন্নবিগদৌবা। নোংমদি ঐজ্ঞানা ঐঙোন্দা নীংশিংই, য়েংঙু ইবেম্মা নঙবু মতমপূম্বদা ইচানুপীগুম্না য়েংদুনা লাক্লিবনি। নপানা ঐঙোন্দা ইচাগী অফা-ফত্তা য়েংবিয়ূ হায়না শিন্নরম্বনি। ঐজ্ঞাসু অহল ওইশিল্লক্লে অদুনা নঙগী মফম অমতং খঙহল্লমদনা শিরবদি ঐসু শান্তি ফংলরোই। নঙগী মফম অমতং খঙহননীংই। নঙ অতৈ ঙম্মোই হায়রনু। জীনিসু লৈখিদ্রে। লন-থুম অসুক য়াম্বসি মীন-সু মমিৎ তারে, ৱাথোক নুংথোক থোকপা হায়বসে মীওইবগী পুন্সিদা তম্বা ঙমদে। করিগুম্বা নঙনা য়ারগদি অৱাংলৈকায়গী মোহনসে য়াম্না ফবা নিপানি। তৌববুদি মাগী নুপী লৈখিদ্রে, মচাবুদি অনী লৈ। অদুসু লোইনা চাওরবনি নুঙাইখে লৈরুনি। নশুং নমান্নবা পাখংদি লৈরকত্রে। মতম্নদি ঐগীদমক ঙাইবিয়ূ য়াদবনিনা চহী মতাংসু নোংমা নোংমগী য়ামখৎলক্লী। ঐজ্ঞা নঙগী ৱামা খঙনীংই। মিৎলু ঙহাক নোঙ্থরদুনা লৈ, মপূক্লিংদা মওন মওনগী ৱাহং হংজৈ, অদুবু পাউখুমদি অমত্তসু থোরক্তে। তুংগী ৱাখল খন্থরুবদা অহলশিংনা হায়রিবসে য়ানিংদ্রবসু ঐজ্ঞাখোয়না সুম ফৈ হায়বদো য়াই হায়না হায়রকখি।

# থাজরুবনা মাঙহনলম্বনি

১৯৯২ ডিসেম্বরগী তাং ০৭ তা গম্ভীনিগী থবক চঙবগী ইন্টারভিউ অমা থারুবদু ঙসি ইথা থাজদনা চয়োল অনী মখাদা সীল থাবা চিঠি অমা লাকখি। হাংদোক্কুনা য়েংলুবদা ফেব্রুয়ারীগী তাং ০৭ তা জোইন তৌররো হায়না ইরকপা অফিসকী চে ওইরম্লে। ওহ্নোক্লা হরাওজখি গম্ভীনি, থবক অমা চঙবগী য়াম্না মথৌ তারম্মী মাগী। মতম চানা থবক ওইরকপসিদা ঈশ্বরনা ইনশিন্বীরকপনি খঞ্জদুনা মপূক্লিংদা খূবাক চাংজৌ তরা লোল্লদুনা ঈশ্বরগী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজে।

নুমিৎ হুম্নি মতুংদা ফ্রেব্রুয়ারী তাং ৭ তা জোইন তৌবগী নুমিৎ অদো লাক্লে। মথৌ তাবা চে-চাং পূম্নমক পূরদুনা পুং ৮.০০ দা চৎলি। অফিস মকোক্কুগী কাদুদা চঙদুনা নোল্লুকচবগা লোয়ননা মসাগী শক্তাক-ৱাহৈ পিরদুনা চে-চাং পূম্নমক শিন্নরে। মথক্তা মথোন অনীগী তরাশুবা কাদুদা ফমহল্লু হায়না কলিং বেলনা কৌদুনা পিওনদুদা হায়। ব্রাঞ্চতুদা হাসেম কৌবা নিপা অমা লৈরম্মী। থেনদ্রংনৈ, নোয়পেল্লি। চহীসু মীয়ায় চন্বা মীওইনি। গম্ভীনিনা আদাব তৌরদুনা চঙশিনবদা মাবু হেক উবদুদা ফম্মু হায়রকই। পুঙ অনীগী মতুঙদা চে-চাং পূম্নমক পুরক্কুনা পীররে। নুমিত্তুদগী অফিসকী থবক-থনা হৌরে।

অয়ূক্কী পুং ১০.০০ তাবগা হাসেমনা পিয়নদুদা লুপা ২০/- খক পুথোক্কুনা পিখি। ঙহাক্কী মতুঙদা ফ্লাক্স মচামগা অচাপোৎকা পুদুনা হল্লক্লে। হাসেমগা গম্ভীনিগদা চা কাপ অমমম অচাপোৎকা লানশিল্লি। হাসেম গম্ভীনিদগী হন্বা মীওইনি, ঙাংবা-শকপা য়াম্না ফৈ, থবক থনা হৈ, খঙই, মীসু য়াম্না খোল্লি। পূম্নমক্কা লোয়ননা চৎপা ঙম্বা মীনি। গম্ভীনি থবক চঙবদা মঙাইরিবনিনা করিসু হৈত্রি। মতৌ-মওং য়েংলি, খঙনবা হোৎনরি। থংনবা টেবলনি, য়েংবদা অদুম পূম্নমক উবা ফংই।

নোংমা নীনি অদুম হৌখিবনা থাবুম তরুকলোম হায়রক্লে। গম্ভীনি থবক-থনাগী মরম খরা খরা খঙলক্লে হৈরক্লে। হাসেমনা মরক মরক্তা ইখং খঙহৌদনা হায়রকই, গম্ভীনি থবককাক ঙাইখোদা অদুম থবক শূদুনা লৈরগদ্রা ৱারী অমা লিগে তাও হায়না ৱারী লিবা হৌগৎলকখি। নোক্লিং নোক্লিংবা ৱারী কয়া লীদুনা পূক্লি নাবফাও নোকহল্লি। মরক মরক্তা মাগা লৈমিন্নবা কাংবুশিং লাকপদসু অদুম্না নোক্লীংবা ৱারী কয়া লীদুনা হরাও-নুংঙাইহল্লি। মহাক য়াম্না হরাওবা পাম্বা মীওই অমনি।



CamScanner

মরক মরক্তা গম্ভীনিগী থবক-থনাদসু য়াম্না মতেঙ পাংবি। মাগী য়াম্না ফজবা-নুংশিবা ব্যাভারসিনা খঙহৌদনা অথুবা মতমদা মহাকসে য়াম্না নুংশিবা মবুং অমাগুম্না ওইখিরম্মী। মদুগী মনুঙদা নোংমগী তত্তনা চা-লাঙ থকমিন্নবদুসু মহাক্কী নুংশিহন্বগী ব্যাভার মখল অমনি। নোংমতা গম্ভীনিনা চা-গী লুপা পীবা য়াদে। মতম কুইনা থবক তৌরকপনা মহাক্কী খঙনা-চান্নবা মীসু য়াম্লম্মী। মরক মরক্তা মহাকপু থিদুনা মরুপ-মপাং কয়াম্মসু লাকখি। ঙহাক ৱারী শারবা মতুঙদা মপান্দা চা থকমিন্নরুশি হায়না থোকমিন্নখি। থবক-থনা লোয়রবা মতুঙদা নুংতিগী ময়াম পুন্না থোকমিন্নরকপনি অদুবু হন্দক মরকসি নখোয় চখৎলো ঐসু লাক্লগদবনি হায়না মরক মরক্তা লৈহৌরম্মী।

চহি অমা ফারে মহাক নোংমতসু ময়ূমদা চৎপা উদে। মহাক্কা লৈমিন্নবা ময়ামদি থাবুম ৩/৪ মতুং মতুং ময়ূমদা চৎনৈ। মতু-মচা, মমা-মপা উন্নরুদুনা লাকই। নোংমদি গম্ভীনিনা অফিসতা চৎপা মতমদা মহাক চহী মঙারোম শুবা অঙাং নুপিমচা অমগা লৈরম্মী।

- গম্ভীনিনা হংই, কনানো অঙাংসিবো?
- ঐগী ইচানুপী অতোম্বীনি। মমাগা লাক্লিবনি।
- যশোরদগী অসুক লাপ্না মমা-মচাদা লাকপা ঙমব্রা হায়রিসিবো?
- মোয় মাম্মনা পূদুনা লাক্লিবনি।
- ও ! ভাইদি লাক্কনি হায়না নোংমতসু ৱারীকা তৌদে'দুগা?
- হায়রক্তেদা, ঐনা কুইনা য়ূম চত্তদুগা ননম্মসে ৱারৌদুনা লাক্লিবনি।
- কদায়নো ইনম্মদি?
- অফিসকী গেষ্ট রুমদা লৈবনি।
- করিগীনো ভাই, গেষ্ট রুমদা থল্লিবদি? ভাইগী লৈফমদুদা লৈবা য়াদব্রা?
- কদায়দৈনোদা, ঐনা লৈরিদুদি লজিংদনি। নখোয় সিলেটসিদি য়ূমভাড়া য়াম্না কল্লি, অদুনা ঐখোয় মপান ডিস্ট্রিক্টগী লাকপা ব্যাচেলার মরি মঙাসে লজিংদা য়ূম্বুশিংদুগী মচা-মশুশিং লাইরিক তাকপিদুনা লৈবনি। চাব-থকপসু লুপা-পয়সাসু চঙদে। অদুনসু য়ূমদা লুপা-পয়সা খরা থাবা ঙম্লিবনি, নৎত্রবদি য়ূমদা লুপা থাবা ঙম্লম্লোই। অসিগী ফীভমসিদা করম হায়ননো পুশিনগদৌবা? অদুনা স্যারদা হায়নদুনা মঙা-তরুক্নিগীতা গেষ্ট রুমদা লৈরিবনি।

মথংগী নুমিৎনি, হাসেমদি লাক্লমদ্রি। নুমিৎকীদি মানা হান্না হেক্তা লাক্লম্বনি। ঙরাংগী লোইহৌদবা থবক খরদো ঙসিদি লোয়শিন্দবা য়াদে খন্দুনা গম্ভীনি থবক্তা মপূক্নীং চঙই।

ঙহাক্কী মতুঙদা মচানুপীদুনা মপাগী মখুৎ পাইরদুনা মাঙথানা চঙলকই। গম্ভীনিবু হেক উবদা রাঙাদি হায়না কৌরকখি।

- গম্ভীনি ঙহাক ঙকচাননা য়েংদুনা লৈ। কনাদনো অঙাংসিনা কৌরিসিবো?
- হাসেম ভাইনা নোক্লা নোক্লা হায়রকই, নঙবু উবদগী ঙরাংদগিনি ঐঙোন্দা হংলিবা। বাবা, নঙগা থবক তৌমিন্নবা রাঙা দিদিদুগী মমিং করি কৌই?
- নঙনা কদায়দৈনো রাঙা দিদিগা হায়না থোল্লিবা?
- এ, মাদি অঙাঙবা ফি-রোল শেৎলিদুদিনা, টিপসু অঙাঙবা নম্লিদুদি অদুগী কৌরিনিনা।
- ওহ! অদুদি নঙ হয়েং চৎলগা দিদিদুদা হেক হংলুরো।

হাসেম ভাইগী ৱা তাবদা খঙলে মাঙোন্দা কৌরিবনি হায়বা। অঙাংদুবু হরাওনবা হায়না গম্ভীনিনা ফরে ফরে ঐ ঙসিদগী নঙগী রাঙাদি ওইরবনি, য়ারেকো?

- উম, য়ারে।

অদুদি নঙ করি চানিংই হায়য়ূসে? ঐদি হৌজিক নঙগী রাঙাদি ওইরবনিনা কৈনোম পিজফম থোক্লেদনা? খরা খরসু ইকায়বগুম অমুকসু হায়নিংবগুম মপাগী মরুমদা চংশিন্দুনা লোৎখ্রে। মপানসু হায়রো হায়রো দিদিনা নুংশিদুনা তৌরিবনি। য়াম্না তোৎনা-তিনদ্রিবনিনা হায়য়ূ য়াদ্রে। অঙাংদুগী কেক-কা চকলেটকা পুরকহল্লে।

হাসেম ভাইগী ইনম্মাদুগা উনরুগে হায়না থবক্কী শরক অমদা চৎলি। ঙহাক ৱারী-ৱাতাই শান্নে। কয়ানি লৈখিনি ইনম্মা? কদায় কদায় মফম কোয়গদৌরি? সিলেট্টদি কোয়ফম য়েংফম মফম য়াম্না লৈ। অতে অতে ডিসট্রিক্টতৈসু মী য়াম্না কোয়বা লাক্নে। মাধবকুন্ড, জাফলং, রাতারগুল, সাদাপাথর, শিমুল বাগান, টাংগুয়ার হাওর অতৈসু ময়াম্মা লৈ কোয়ফম-চৎফম। লাকথোক্তনা লাকপনিনা পূন্নমক থুংনা কোয়থোকপীরুরো।

মফমশিংদো ঐসু তাবদি তারে য়াম্না ফজে হায়নৈ। ঐদি অমত্তসু চৎত্রি, উদ্রি। শাউনিংতক তৌনা অমুক হায়রকই। কদায় কোয়বনোদা ইনাও। হয়েং মথং হংচিৎ হল্লগদবনি। নঙগী ভাইসে হিংনা লৈরিব্রা হায়না য়েংগে লাক্লিবনি। য়ূমদা লাক্তদা চহী ফারে।

- করিগী য়ূমদা চৎত্রিবনো ইনম্মা?
- মানা খঙই ইনাও, হংলবসু খুমদে, তাকতে খুদোং চাদদনা লাকত্রিবনি হায়।
- অঙাংসিংদি কয়ানো? কয়াম চাউরগে?

নুপিঙাক্তা অহুম্নি। অহলদুনা হন্দক মেট্রিক থাগদৌরিবনি। য়াইমদুনা সেভেনদা তম্লি। লাক্লিসিনা অতোম্বীনি। থা-খুদিংগী লুপাদা থারক্লগা য়াব্রনে ইনাও? মানা তৌরিবসে ঐ করিনো খঙবা ঙমদে। ঙাংলোয়-তম্লোয় হায়বসে হেক্তা ঙমলক্তে।

ইনম্মগী মিৎলুদা পিরাংনা তরং তরং তারক্তগী য়াম্ব্রদুনা লৈরিবদু গম্ভীনিনা উখ্রগনি খল্লদুনা মমায়দো খৈতং লৈথোক্লুনা ফিজিনা মপিদো লোন্না তৈথোকখি। গম্ভীনি তৌফম খঙদ্রে মহাক্কী মতৌদুদা। ইনম্মা য়াম্না খঞ্জিল্লুনুদা। থবক্কী খুদোং

চাদবনা ওইরম্বসু য়াই।

চহী চুপ্পমবু থবক চিন্না লৈব্রনে ইনাওঃ করি তৌগদবনো ঐ খঙদ্রে। নুপী ওইবিনা য়ূম পান্বগী মতুঙদা খ্বাইদগী নুংঙাইজবদি মচা-মৱাগা লোয়ননা লৈমিন্নবমুক নুংঙাইবা অনি শুনা লৈতে। ঐ মহাকবু চিংনদবা ঙমদে, মহাক্কী মওং মতৌসিনা। অদুনা ঐ অমুক্তা য়েংলুগে হায়না অসুক থাপ্লবা লমদম যশোরদগী সিলেটতা লাক্লিবসিনি।

হাসেম ভাইনা মহাক্কী নুপীবু মথংগী থা-দা সোইদনা লাক্কনি হায়না নুংশিবা ৱাহৈ-ৱাতানা থেমজিল্লদুনা ময়ূমদা চৎহনখ্রে। গম্ভীনিনা খল্লি অসুক হরাও তয়াম্বা মীসিবু করিগীনো ময়ূমদা চৎনীংদ্রিবাঃ করম্বা নুংঙাইতবা পেন্দবা লৈবননো য়াম্না খঙনীংবা পোক্লম্মী।

মথংগী থাদসু মহাক য়ূমদা চৎখিদ্রে। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্কী মথক্তা অচৌবা অৱাবা অমনা নল্লখি। অফিসকী পোৎ-চৈ লৈবগী লুপা-পয়সাগী হিসাব পীবা ঙমদবগীদমক অফিসকী পোৎ-চৈ লৈবা কমিটিগা, ডাইরেক্টর মকোক্লা মাবু কৌখৎলকখি। মহাক মতিক চাবা পাওখুম পীবা ঙমদবনা মহাক্লা সিজিন্নবা উপু-ৱাপু পূম্নমক কমিটিগী মীশিংনা থি-হুম্লখি। মদুদা চে-চাং সিল ময়াম্মা ফংখি। মদুনসু পূক্লিং মাংবা হেনখিরম্মী। মতমদুদা মহাক্কী মায়থোংদো য়েংবা য়াখিদে ইকায়বনা মমায়-মমিৎ ইচপমুক ঙাঙলম্মী। নুমিত্তুদগী ডাইরেক্তরদুনা অফিসকী চাবি সিজ তৌদুনা গম্ভীনিদা শিন্নখি। গম্ভীনিনা হায়জে স্যার অসুক চাউবা অফিস ষ্টোরগী পোৎলুমসে ঐঙোন্দা শিন্নবিগনু ঐ লৌবা ঙমজরোয়, কনাদনো অমা শিন্নবিয়ু। ডাইরেক্তরদুনা নয়ূমগী চাবিসু অফিসকী চাবিসু ঙসিদগী নঙনা পূগদবনি হায়রদুনা অকন্বনা গম্ভীনিগী মখুত্তা চাবিদো শিন্নে।

হাসেম অফিসতা লাক্লবসু থবক শুবা মপূক্লিং চংখিদরে। ইকায়নুংশি য়ান্নরদুনা গম্ভীনিগফাও ফজনা মায়োক্লনা ঙাংনবা ঙমদ্রে। অফিসকী থবক্কী মথৌ তাবা পোৎ-চৈ ফাওবা গম্ভীনিদগী হায়না লৌবা তারবদা মহাক ইকায়বগা শাউনীংবগনা কলমফাওবা লৌখিদরে। নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরমদা গম্ভীনিগী ময়ূমদা কপ্পুনা ৱারী কয়া লীরম্মী। গম্ভীনি ঐনা য়ূম চৎত্রিবসি নঙদি খঙলোই। ননম্মনসু ৱারৌরিবদুনি। ঐগী অৱাবা ময়ামসে খংহন্নীংদদনা তাক্তবনি। ঢাকাদা লৈরিঙৈদা ঐগী ইথক্কী অফিসারদুনা থবক (চাকরি) পীনি হায়দুনা মীঙোন্দগী লুপা লৌখি, অদুসু মানা ঐবু লৌহল্লি, মতমদুদা ঐনা হায়খি স্যার, থবক পীগদবদি নহাক্লা অদুগা লুপানা ঐঙোন্দা পীহল্লিবসে স্যারনা অদুম লৌবিয়ু কৈদৌগেঃ অফিসার ঐমক্লা লৌবদো ফজদে। হৌজিক্কী মতমদা লুপা পিদ্রবদি থবক ওইদ্রবনি। নঙ করিসু খল্লনু ঐ লৈরিদনা। লুপাশিংদো মখোইনা পিরক্লবা মতুঙদা ঐনমুক স্যারদা শিন্নে। অদুগা ঐঙোন্দসু অৱামন্নি হায়দুনা খরা পীরম্মি। মী ৭/৮ দি থবক চংহনবিখ্রে অদুগা খরমদি মথংগী লৌবা মতমদা থবক হাপ্পীগনি হায়না হায়খি। শরক্তুদা ঐগী সিলেটতা থবক শিল্লকখি। থবক হাপ্পীহৌদবা খরদুনা হৌজিক ঐবু কোয়থি থিরদুনা

সিলেটতা লাকই, লুপাশিংদো শিংউ হায়দুনা। ঐনা হায়খি লুপাদুদি ঐনা লৌবা নত্তে স্যারনা লৌবনি, ঐবু লৌহন্বাখক্তনি। স্যারদা লোইনা শিন্নরিবনি। অদুক য়াম্বা লুপাদো ঐনা কদায়দৈ পিদোইনো? ঐখোয় স্যার কনানো খঙদে। অদুনা চহীমা হেল্লক্রুবসিফাওবা থবক হাপত্রবনিনা ঐখোয়গী লুপা পিরো হায়না অকীবা উৎলদুনা অকন্বা ৱাহৈগা লোয়ননা থৌবা হৌরকই। ঐনা কদায়দৈ থবক হাপ্পা ঙমব্রনে? ঐনা পঙবনা হৌজিক দশা পূন্নমক ইথক্তা তারিবসিনি। থা খুদিংগী লুপা থৌবা লাকপা ময়ামগী যন্ত্রনাসিনা ঐ খাংবা য়াম্না ৱারে। করিনুঙগী ঐনা অফিসারদুগী ৱাদুদা য়ারুরিবনো খন্দুনা ইশা ইতোমতা য়াম্না শাউনীংবা পোক্লকই।

কমিটিগী মীশিংদুদা অমুক্তা চানবিদুনা ঙাকপীয়ূ হায়না হায়জরুরে অদুবু ডাইরেক্টর স্যারনা য়ারবদি ঐখোয়গী কৈসুমতা য়াদনিংঙাই লৈতে হায়বিরকই। গম্ভীনি নঙবুদি স্যারনা য়াম্না লুনা-চান্না তৌই, ঐগী দমক অমুক্তা হায়বিয়ূদনা? গম্ভীনি খঙই স্যারনা য়ারক্লোই হায়বা। স্যারদি ওইদবা ঙাঙবা, নমথাক তৌবা, থবক শুবদা মপূক্কীং চঙদবা মীশিং য়াম্না য়েন্নীংদনা তৌই।

থা অমগী মতুঙদা হাসেম ঢাকাগী সেন্টার অমদা থবক শিন্দুনা পুখ্রে। মাগী চহীগী ইনক্রিমেন্ট, প্রমোশন লোইনা থিংজিনখ্রে। মহাকপু য়াম্না অকন্বা মিথ্য়েংদা থম্মী হায়না পাউ তাখি। চহীমুক্কী মতুঙদা ইকায়বগা নুংঙাইতবগনা খাংবা ঙমদদুনা হার্টএ্যাটাক তৌদুনা লৈখিদ্রে হায়না পাউ তাখি। মহাক লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তাবদা মহাক্কী মচাশিংগা ইনম্মাদুগগী খল্লুবদা খাংঙমদবা চৈনামনা ফূরখি ঐগী থম্মোয়নুংদা।



CamScanner

# তৎখ্রবা মরী

মমিং চৎনা নুংঙাইরবা ইমুঙনি। খুঞ্জাদুদা সুরেন্দ্র উকিল হায়রগা মীয়াম্না খঙনরবা মীওইনি। মচিল-মনাও অহুমগী মনুঙদা সুরেন্দ্রনা অহলনি। মনাওনিপা কুমারনা হাইস্কুলগী ওজা ওই। সুরেন্দ্রগী মচননুপী, কুমারগীনা মচে নুংশিরৈ ৱাং-চাউনা য়াম্না মশক-মতৌ ফজবী নিঙোলনি। খুন-লৈকায়গী নিপা পাখংশিংনা মাবু পামদবা য়াওদে। অদুবু মমিং চৎপা, নুংঙাই-য়াইফবা, লাইরিক লাইশু হৈবা ইমুঙগী নিঙোল ওইবনা কনানসু ফাগি-জুগাই তৌরুগদৌবা কীনৈ, মবুং সুরেন্দ্রবু কীবনা মখোয়গী য়ূমদা পাখংমচা কনাসু পাক হেক হায়জিনদে। মতমদুদা নুপীনা লাইরিক লাইসু য়াম্না তম্নরমদবনা লাইরিক হৈবা নুপীশিংবু তাথি-তাওইনা ঙাংনৈ। নুংশিরৈ মনাক্কী অনকপা স্কুল অমদা ক্লাস মঙাফাউবা তমহৌই ইবা পাব ফজনা ঙমই।

সুরেন্দ্র ভানুবিল মমাং চীংদোং লৈকায়গী য়ূমদুদগী আদমপুর বাজার ফাওবা ব্যাগ অমা য়াল্লদুনা নুংতিগী মখোঙনা চৎলি। লম্বী-লমথোং থোইনা চাউদবনা মাইল অনীরোম গাড়িগী ফাওনলম্বী ওইদ্রি। বাজারদগীদি মতম খুদিংমক্তা গাড়ী ফংই। জীপ গাড়ীদা তোংলদুনা ভানুগাছ ফাওবা চৎলগা অদুদগী অমুক গাড়ী অমদা মৌলভীবাজার কোর্ট অফিস তান্না চৎলি। নুমিদাংৱাইরম মমজি মমজিবা মতমদুদা মহাক্কী ব্যাগতো পায়রদুনা চোকথনা হল্লকপসে মহাক্কী নুংতিগী মতৌ ওইনা উই।

সুরেন্দ্রগী চহী য়াঙ্খৈমঙা/তরুক্তী ওইরমদৌবা মাল্লি। কোক্কী শম অয়াম্বনা মুন্দুনা পোক হৌবা হৌরে। মচিন-মনাওশিং পূম্নমক ৱাং চাউনা মশক-মতৌ লোইনা ফজে। অতোম্বা কুমারসু অদুমঙায়। য়াম্না লু-নাম্বা মচিন-মনাওনি। ইবেমহলখোয়না স্কুল কাবা মতমদুদা মখোয়গী মচিল-মনাওসু থবক কাবদু লম্বীদা হেক হেক থেংনৈ।

ঙসিদগী চহি কুন্থ্রামঙা-নিফু মমাঙদফাও য়ূমকোক খুদিংদা দেঙ্গিনা ফৌ শুরদুনা চানরম্মি। অদুদগী ফৌ তকপা মেশিন থোরকপদগী হৌজিক্তি লৈকায় খুন পূম্নমক্তা দেঙ্গিদা ফৌ শুনখিদ্রে। হৌগৎলকপা অঙাংশিং দেঙ্গি করিনো মশক খঙলকত্রে। দেঙ্গি হায়দো করম তৌগে হায়না হংলে। পূম্নমক চেঙ তকপা মেশিন্দা তক্লদুনা চানরে। অদুদগী হেল্লদনা মেশিন্দগী তক্কুনা পুরকপা চেঙ অদুফাওবা মশানা খপ্পদ্রে, খৈনদ্রে। চেঙ কেজি অমা পিথোক্লগা চেঙ মন অমা নেক্কুনা খপহল্লে।

ইবেমহলসু চহী তরামাথোয়/নিথোয় শুবা মতমদুদা মমানা ফৌ-শুবদা য়াওরম্মী। মমানা চেঙ খপ্লিঙৈদা দেঙ্গিদো ঙস্নোই ঙমদবোই চোংখৎ চোংখৎলদুনা ফৌ শুই। মরক মরক্তা দেঙ্গিগী মতোন্দুদা থৌরীনা কিশিল্লগা চিংলা-চিংলদুনা শুরম্মী। মমানা মরক-মরক্তা হায়, ঙমদবদুদদি কয়া শুনিংলিবনোসে হয়েং ঙম্লকপা কান্দদি শু হায়বা য়াবিরোইনেসে। মতমদুদা হনুবী চহি য়াঙ্খে রোম শুরবী অহল অমা মশু পুরদুনা নুংতিগী লৈকায়দা ফৌ-শুবা লাক্লম্মী। য়ূম খুদিংগী ফৌ-শুবা হোৎনবদা নোংমফাওবা শংজদে। ফৌ শুবগীদমক হান্না হায়রদুনা থম্লে, ঐগীদা হয়েং শুবিয়ূ নৎত্রগা করি নুমিৎ শুবিগনি? ফৌ মন অমা (সের নিফু) শুরগা অশুমন ফৌ কাঠি (সের অনী) অমা ফংই। নুংঙাইতদনা খজিক খরাকসু অসুম হেন্না থোইনা পীবি। নুমিৎ খুদিংগীনোং হেক ঙান্বদগী লাক্কুনা ফৌ শুবদুনা নুমিৎনা য়াচংলমদাইদা লোয়। অদুদগী মাগী অশূমন ফংজবা ফৌ কাঠি অমদুমুক শুরগা চেঙ পুরদুনা ময়ূমদা হনখি। কয়া ৱানা হিংখ্রবা পূন্সি মহিংনো।

মৌ হনুবী মশু-মবেনদুনা ৱানা ফৌ শুরিবদো উবদা ইবেমহল য়াম্না নুংঙাইরমদে। মমাদা হায়, হনুবীসে চাক খৈতং পীজবিয়ূ ইমা। ৱারমারে ফম্না পোথাদুনা লৈখ্রে। ইক্ষাহ্লৌ য়াইমনা হায়রকই, ৱানাই ফত্তবনা অসুক য়াম্না অৱাবা নংলিবনি। করিদি তৌনি তাইবংপানসিদা হিংনা লৈরিঙৈদি চা-থক্কুনা হিংবতাইদনা। ইবেমহলনা মম্মাহ্লৌদা হংবদা মহাক্কী ৱারী লীরকই। সুরেন্দ্র উকিলগী অমত্তা য়াউজবী মচলনুপীনি। কুমারগীনা মচেনি। খংনীংবগী খৌরাংবমগা লোয়ননা হংই ইবেমহল।

করম হায়না তৌখ্রিবনো ইক্ষাহ্লৌ?

হূইবু দোলায়দা তোংজৌ থাংগৎপীরগা থীকং উবদা চোংথৈ হায়বদো অসিনি। নুংঙাই নুংঙাইবা ময়াম্মা হায়রম্লিবনি, মানা কদায়দগী মখোয় মনাক্কী লাইরখ্রবা হৌজিক হৌজিক শু-তান্না চাবা নিপা অমগা নুংশিননা চেনখ্রিবনি। নিপাদুগী ময়ূমদুতনি লৈজরিবা। হিঙ্গোল-শম্বল করিমত্তা লৈতে। ময়ূমদুনা পিশক পিকপা খাংপোকশংনি। মদুদগী মবুং-মৌপ্বানা মীমাংদা ইকায়মনখিদুনা লৌশিনবিখিদবনি। মচলনুপী লৈখিদ্রে, শিখ্রে হায়দুনা হন্না য়েংবিখিদে।

মাগী নিপাদো করি থবক শুবগে মাহ্লৌ?

এ, অফং অফংবা শুই। নিপাদো লৈরিঙৈদদি চাব-থকপগী থোইনা ৱারমদে। মানা শুজ-চৎচবদুনা অদুম ওকই। ইমুঙদগী মপান থোকহল্লমদে।

ইমাহ্লৌ, নিপাদো লৈখিদবা কয়া কুইরগে?

ফনা কুইরেদা, মচাশিং চাওরক্লগা লৈখিদবনি। মচানুপী অনীনী, মশক-মতৌনা ফজরিবা, মমা লৌরিবনি। ঙৌপ্রোক ঙৌই। তু মশুশিসু ফজরিসিনি। ফজনা কেবি-শেম্বীদনা, ফি-রোল অফবা শেৎপিরবদি লাইগী মচা মানগনি।

মাগী নিপাদো করম হায়না লৈখিদ্রিনো?

নারকপদগী লৈখিদ্রিবনি। মচানুপাসু য়াওদবনিনা মতোমতা ঙাইহৌরে। নিঙোল

অনীমকসু ময়ূম পানখ্রে। মচানুপীশিংনসু চৎলসি লৈমিন্নরুরসি হায়বা য়াদমারে। ৱানা শু-নোম্না চারিবা অসিনি। ওহ্বোক্লা নুংঙাইনা হৌজরকপনি। মরাইবক্লা অসুম থোক্কু হায়না তম্লম্লমারেদনা। অসুক ফজরম্বা নুংশিরৈ ঙসিদি চহী মতাংনগা য়ামশিল্লকপনে, ময়াঙনা কংবনে, উনশাসু খুইজিল্লক্লে। কোক্কী শম্না পুংঙৌ ঙৌরক্লে। তরাউ তরাউবা মিৎস্না অনীদুগী মিৎয়েংগী মরুমদা পেন্দবা নুংঙাইতবনা থল্লবা ৱাহৈ কয়া লোৎতুনা থম্লিবনি।

# ইমাগী ঝুমকা

তোম্বীমচা লুহোংবগী ৱারী ঙসিফাও মী-না ৱারী শুন্নবদা য়াওরি। মাগী লুহোংবদা তিনখিবা মীতিন, হৈজিংপোৎনা মথেল-মকোয় য়াম্না ফজখ্রিবা, অওং-অউন্না য়ামখ্রিবা, অৱাৎপা পোৎ অমত্তা য়াওদে। থাউমৈ মখোং ফাওবা হেক উল্লিদা হায়না ৱারীনৈ। মচানিপা অনী নুপী অমগা লোয়ননা মতৈ-মনাও য়াম্না নুংঙাইনা যূম্বান পুন্সি লেঞ্জরিবা মতমনি। ১৯৭১ গী তমথীরবা লানগী মতমদা পাকিস্তানগী পাক-বাহিনীগী মীওৎ-মীনৈদা খাঙবা ঙমদ্রদুনা তুম্বা-হিপ্পা, চাবা-থকপা মফম খঙদা বাংলাদেশকী মীপূং খুদিংমক মীহূন থকৎতুনা লৈনরিঙৈ মতমনি। পূম্নমক্কী মচিনদা ৱাহং অমত্তনি হংনখিবা–ঐখোয়বু লৈবা য়ারোইদৌরিব্রনে? লাপ্পা অসুম অসুম তারম্বদগী ইনাক নকশিল্লকখি। অসুম অসুম হেঞ্জিনলকখি, পাক-বাহিনীগী মীওৎ-মীনৈ। অফং-অফংবা ফা-পুন্না পূবিখিবা, অদুদৈ হাতোকপীবা। মিৎমাংদা অহল অঙাং কয়া পো-পম্না পুবা, পোৎ-চৈ নম্বো নম্বো পুরদুনা চেন্নরকপা হৌরকখি। লৈবা য়াররোই হায়না খুদক্তা যূম থাদোক্লদুনা চৎপা তাখি। খোঙনা মাইল মঙা-তরুক চৎলগা সুরমা তুরেলদগী হি-দা তোংলদুনা রতনপুর (পারুয়া) ফাওবা চৎলবা মতুঙদা অমুক খোঙনা মাইল মঙা-তরুক চৎলগা ভারতকী শরনার্থী ক্যাম্প ইছামতী হায়বা মফমদুদা লৈরুই। খরমনা লৈনখি ডেঙ্গায় হায়বা মফমদুদা। চীংলক মোংশোং মরক্তুদা মীতৈ অমত্তসু লৈবা উদে। চীংমীশিংগী যূম অমা-অনীদংদি লৈবা ফংনরকই। থা মাপন লৈবা তাখি মফমদুদা। চৎহৌদনা লৈহৌবা কাঙবুশিংদো নিপা ওইবনা ফার-ফারদুনা মমায়-মমিৎ, মখুৎ পুন্সিন্দুনা গাড়ীদা হাপকত্তুনা পুখ্রগা হাৎখিবা, অদুগা নুপী-নহা কয়াবুনা ইজ্জৎ মাঙহন্বীরম্বা, হাতোকলম্বা, যূম-কৈ মৈ থাদোকপীরম্বা অসিঙাক্তনি মতমদুদা থোকখিবা।

খম্বা-তোম্বীমচা মতৈ-মনাও অঙাং অহুমগা মনেমবোক-মকূবোক্কা পুরদুনা মখোয়সু ময়ামগী মতুঙ ইন্না চৎখি। চৎলমদাইদা কোন-লিক, অতৈ অতৈ থম্বা য়াবা পোৎ-চৈ পূম্নমক যূমগী য়েন্নখাদা লৈবাক তৌথোক্লগা য়োমশিন্দুনা লৈনুংদা ফুমদুনা থম্লম্মী। ফৌ-চেঙ, পোৎ-চৈ পূম্নমক লোয়না লংথোক্লমদুনা থৱায়তা হিংলগা লোইরে হায়না চেন্নে। অমনা-অমবু য়েংনবগী মতম ফংনদে। মাগী মাগী থোকপা হিংননবা চৎনৈ। লান কয়া কুইনা লৈদৌরিবা কনাসু খঙনদে। পুবা য়াবদা সনা-

লুপাতনি পুদুনা চেন্নরিবা। তোম্বীমচাসু মাগী লৈজবা সনা- কন্ধা পরেং, শনদ্রেম্বী পরেং, থরোয় মনিং পরেং, সনা খূজি মপোব, ঝুমকা, খূদোপ অরৈবা পূম্নমক পেটিকোটকী মথক থংবা শরুক্তা খাউ শানা তুশিল্লগা খ্বাংদা কোইরোক কোইনা হাপচিল্লগা মথক্তা ফনেক শেৎচিল্লদুনা পুরদুনা চৎলি।

শরনার্থী ময়াম লৈনবা হায়দুনা চীংগী অশোংবা ময়াম শেংদোক্লদুনা পরেং পরেং যূম মচা মচা শাদুনা লৈরম্মী। মখোয়সু পিকখ্রবা য়ূম অমদা চঙদুনা লৈরে। রেশনদা পীবা হৱায়-চেংৱায় থাউ থুম, মোরোক, চিনি চারদুনা লেল্লি। মদুতা চারি চারিঙৈদা খৌনাওদা য়োৎপা য়ানরকত্রে। অহল অনীগা অঙাংশিংগা য়াম্না ৱারে। চাব-থকপা মওং চাদবনা মশাফাও শোন্থরে। ঙা-চাক অতৈ অতৈ য়েনশাং-নাপী অফবা অহাউবা চাগদৌবা ওইরদি মশা-মশাগী লুপা-পয়সানা লৈরুরগা চানৈ। ঈশিং-মাইশিংনা খুদোং চাদনা ৱানখ্রিবা, নোংমা নোংমগী ওন্থোক্লা ৱানা মখাদা চেল্লিবা তুরেল মচাদুদগী ঈশিং শোক্তুনা চীংদোং তান্না পুখৎত্তুনা লাকপদা ৱাবা মৱাদুদি হায়নীংঙাই লৈতবা মৱানি। অমরোমদনা থবক-থনামা শূদুনা লুপা খরা তানগনি হায়বগী শিনফমসু লৈতবনা সনাশিংদো য়োন য়োন্না চাবদা ওখাকপা লোইশিল্লকখি।

লৈবা-চাবা মওং চাদবনা থাবুম তরুক-তরেৎ শুরকপা মতমদদি মপূক নুংঙাইনদদুনা মী য়াম্না মখোঙ হাম্নদুনা নানরে। ইমাইবেম্মা-থোকপা লৈনানসু শিবা য়াওনরে। তোম্বীমচাগী মচানিপা অহলশিসু য়াম্না কন্না মখোঙ হামদুনা হোৎনরে, হীদাক লাংথক তৌদুনসু কান্নবা কৌবা লৈখিদ্রে। চয়োল অনী নারম্বা মতুঙদা চহী তরানিথোয়তা ফারক্লিবা মচানিপা অসি ইশ্বর খুয়া তানখ্রে। থৱায় য়াওদ্রবা মচাশিবু মথাদগী থাদোকউ হায়বা য়াখিদ্রে। মচানিপাবু কোল্লদুনা অসুম কপ্পুনা লৈখ্রে। কপমনখিদুনা মখোনফাওবা থোকখিদ্রে। ময়াম্না থেমজিল্লদুনা মথাদগী মচাদো লৌথোক্লে অদুগা খজিক নেমথরবগী মতুঙদা মচাগী সংস্কার তৌনবা হোৎনখ্রে।

য়ূম-কৈ থাদোক্লদুনা লৈরক্লিবসে থাবুম নিপাল মপুঙ ফারক্লে। মী তরেৎকী চাব-থকপগা, অনায়েক্কদা লুপা-পয়সা, সনা-লিক-কোন লোইশিল্লক্লে। মনাগী ঝুমকা অনীদুতা ঙাইরক্লে। তোম্বীমচানা ওন্থোক্লা পূক্নিং খোয়দাজনা শিজবা ঝুমকানি। ওন্থোক্লা নুংশিজনা থৱায়না পামজনা থমজবনি। অতৈ অতৈ য়োন্থোকখিবদি থোয়না নুংঙাইতবা পোকখিদে। ঝুমকা অসিদমক ঙাইরকপা মতমদদি য়াম্না নুংঙাইরকত্রে। তোম্বীমচাগী নাপদা ঝুমকানা হায়বদি হায়নীংঙাই লৈতনা ফজে, য়াম্না নীংথিজে হায়নরিবনি মমান্নবীশিংনা।

থা মাপন চঙলকপা মতমদা লান লোইশিল্লক্কদৌরে, লান ঙম্মনি হায়না মীয়াম্না ঙাংনবা হৌরক্লে। ৱাখ্রবা ফীভমদুদা লান ঙম্মনি হায়বা পাউ তাবদা অৱা-অনানা কংশিনখ্রবা চীন্বানদুদসু খঙহৌদনা হরাও নুংঙাইবগী মোমোন মীনোক তমলকই। য়ূমদা হল্লনি হায়বগী হরাও-নুংঙাইজবনা থম্মোয় মকা লামজৈ। অদুবু লৈখিদ্রবা নুংশিরবা মচানিপাদি চীংলক মোংশোং মরকসিদা থম্নমদুনা হন্বা তারবোইরে খল্লুবদা থম্মোয়নুংসে মৈনা চাকপগুম চাক্লে। ইচাবু অসিদা পুরকপদি চীংলকসিদা থম্নম্বা

পুরকপা ওইখ্রবোইরে, ঈশ্বরগী চরন্দা নুংঙাইনা লৈবা ওইযূকো হায়না তেংথাদুনা কপচৈ।

যূমদা হন্বগীদমক মী পূম্নমক মাগী মাগী লৈজবা মপোৎ-মচৈ খরদু পোৎয়োম য়োম্বা হৌনখ্রে। খরমদি চখৎনবসু য়াওনখ্রে। খম্বা-তোম্বীমচা মতৈ-মনাওসু লৈজবা মপোৎ-মচৈ খরদু পুরদুনা মচা অনী, মকু-মনেমগা লোয়ননা ময়ূমদা হল্লক্লে। অদুবু য়ূমদা হল্লক্লগা নুংঙাইগনি খল্লুবদো থোয়না হেন্না অৱাবগা মায়োক্লররে। চৎলমদাইদা লৈহৌবা ফীভমগুম্না অমত্তসু লৈরমদ্রে। য়ূম পূম্নমক মৈ থাদোকপীরমদুনা শজিক-শনায়না লেপ য়ৌনা ৱাংলম্বনা মাগী মাগী য়ূম ইংখোলগী ঙমখৈ অমত্তা মশক খঙনখিদ্রে। লৈবতা য়ারগা লোইরে হায়দুনা অশোঙবা শজিক-শনায় শেংদোক্লদুনা মাগী মাগী থোকপা অঙম্বা শানরদুনা লৈনরে। য়ূম থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা য়েন্নখাদা ফুমদুনা থম্লম্বা কোন-লিক, পোৎ-চৈশিংদো হন্দোক্তুনা য়েংলুবদা পোৎ-চৈ অমত্তসু লৈরমদ্রে। অঙকপনি! অসিবু করম হায়না খঙদুনা পুখ্রিবনো? য়ূমলোন-কৈরোন্নবশিংসু ঙাংনরক্লে ঐখোয়গীসু লৈরমদ্রে হায়দনা। লৈকায়গী নক্লা লৈমিন্নবা অখঙবা ময়াংশিংনা লৌখ্রিবা ওইরমগনি হায়না অমসু অমসু হায়নরক্লে। মাগী মাগী য়ূমদা হল্লক্লগসু অৱাৎপগী অৱাৎপাঙাক্তনা অৱাবগী অমুক ঙমখৈ লৈখিদ্রে।

ৱানা ৱানা চহী অমা ফারক্লবা মতুঙদা লৌ-শীং উন্নরদুনা ফৌ-চেঙ কারকপা হৌরকপদুদৈদি অৱাবা খরদি কোক্লরক্লে। মরৌ-মশীং লৈতবা কাঙবুনা অফংবা থবক ইংখাঙ শূনদুনা লেন্নরি। ৱারবসু পোকফম লমদম্নিনা পূক্লিং লৈতানা লৈবদুদা নুংঙাইজরিবনি।

চহী অনীগী মতুঙদা তোম্বীমচাগী মপামদা দুর্গা ইমাইবেম্মা ঈরাৎচগনি হায়না লেপচখিবা অদো হন্দক পাঙথোক্লগনি হায়না কন্না লাঙলি। লাংবন্দা কুমগদৌবনি হায়বনা মরক্তা থা অনীদমক ঙাইখ্রে হায়না লাই শাবা কাংবুশিং অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং মশক খঙদনা লেপ্তনা শাবা হোৎনরি। নুমিৎ মঙানি চুপ্লা লাৎকদৌবনি। নিপা-পালা, নুপীগী খূবাক ঈশৈ, ধূমেন য়াওনা চাউনা হোৎনরিবনি। য়ারবদি তোম্বীমচাবু খরা মাঙয়ৌননা লাক্তুনা লৈরো হায়না হায়রক্লিবনি মপামদগী। অদুবু চৎনীংবা লৈরবসু মনেমবোক-মকুবোক্কী চাক-ঈশিং থোংথাকপিনবা অহেন্বা মী লৈতবনা চৎপা ঙমদ্রে। মপূরোইবনা মরক মরক্তা চৎতুনা থবক-ইংখাঙ য়াও-খোৎলি।

অসুম অসুম নকশিল্লকপনা লাই কুম্মকপা মতম য়ৌরক্লে। দুর্গা ইমানা হৈগাগোক মখোঙদা (বেল ষষ্ঠী) লৈবা নুমিৎকী মনুঙদা নিঙোলনা মপাম চঙহৌদ্রবদি লাই য়ূম চংখ্রগা মঙানি মপামদা চঙবা য়াদে হায়বা চৎনবি লৈবনা তোম্বীমচা লৈকায়গী মচেমহল থোকপমগী মচানুপীদো মরি-মঙানিদং লৈবিয়ূ হায়জদুনা থম্লম্লগা মাকসু মপূরোইবগা মনেম-মকুগদা ধূমেন তৌগদৌবা নুমিৎতো অয়ূক্তগী ঙন্তা লোয়ননা লাকপিয়ূ হায়না তোম্বদা হায়জরম্লগা নোংমা মমাঙদগী

মপামদা অঙাংশিং পুরদুনা লাকখি। নিঙোলনা মপামদা লাকচরিবনি হায়না ফম্না নুংঙাইনা লৈথোকপা হৈনজদে তোম্বীমচা। কদায়দা করি ওয়াৎলিগে হায়না য়েংথোক-য়েংশিন তৌরদুনা থবক-থনা য়াওশিল্লি। লাই কুম্বা ইমুংনিনা থবক্কী অমুক অরোইবা লৈতে।

পূজা অহৌবা নুমিৎ নোঙাল্লমদাইদগী পূমনিল নীম্বা হৌরে। নোঙাল্লকপগী নুমিৎকী ঙাংঙ্রানবা মঙান্না মালেম শিনথুংনা চায়থরকপা মতমদা অতোপ্পা খূন-লৈকায়দগী ঘট-না চিংবা হৈরাং-লৈরাং কয়াদং পুর-পুরদুনা মানা মানা নীংজবা থূঙননবা, অওয়া-অনা কোক্লনবা, মচা-মশূগী য়াইফা থৌনিদুনা ইমাগী মফমদা কৎচবগীদমক ফিজেট লৈতেংলদুনা মীয়াম মরোন মরোন লাক্লরি। নুমিৎনা হায়গৎলিঙৈ মীশিংসু অসুম অসুম হেনগৎলকই। অসুক চাউবা ইমুং-মাঙ্গোন-শুমাঙ মীনা পীক থনখ্রে। বামন পুরোহিত অনীনা পূজা হৌনবা কন্না শেমশারি। ধূপ-থাউমৈ,আগরবতি, হৈরাং-লৈরাংগী নুংশিরবা মনম্না ইমাইবেম্মা মশামক ফম্বালদা লেঙক্লুনা লৈরবোই হায়না খল্লি। হরাও-নুংঙাইবনা ওয়াখল-পূক্নিং মকা লামজৈ। অওয়াং থংবা নাকল্লোমদা লাইগী ভোগ থোঙ-থাকপগা লোয়ননা অরাকপা পূম্নমক্কী লাইপ্রসাদ খুন্নবা হায়না পাক-শন্না শেম-শারদুনা থম্লি। বামন পুরোহিত মঙানা নোঙাল্লমদাইদগী থোঙ-থাকপা হোৎনরি। তোম্বীমচাগী ইমা-পাবুংনা ইমাগী সেবাদা করিবু অশোয়-অরাল য়াওখিগদগে, ময়াম্না করিবু পেনখিরোইদগে হায়না পাইখৎচদুনা মাইকৈ পূম্নমক্তা চৎলদুনা য়েংশিল্লি। অরাকপা পূম্নমকপু হরাও-তয়াম্না নুংশি-চান্ননা ওকশিঞ্জরি।

নুমিদাং ৱাইরমদগীদি নিপা পালা হৌরক্লনি হায়না মমদ্রিঙৈদা অমুক নুমিদাংগী পিজ-পিথক্কী, চামথোক-চামশিনগীদমক ঈশিং-মাইশিং শোকচিন্বা হোৎনরি। তোম্বীমচানা ইন্দ্রাদগী (কুহা) বালতিদুনা ঈশিংদো শোক্লা-শোক্লদুনা সনাপুন্দা হৈরদুনা থলহল্লি অদুগা অমনা হোল্লি। ঈশিং শোকপা হোৎনরিঙৈদা মিৎমাংমক্তদা মনাগী ঝুমকা নাম্মা নাহ্নোক্লুনা ইন্দ্রাদা হেক তাখি। তোম্বীমচা শ্বাই হেক লাউই, কন্না লাউরকই, তাচৌ-তায়াইমা ঐগী ঝুমকা নাম্মা ইন্দ্রাদা তাখ্রে! মবুঙ অনীসু থীন্দনা চেনশিল্লকই। অসুক লুবা, ঈশিংনা পীক থল্লিবা ইন্দ্রাসিদা করম হায়ননো থিগদৌবা! নিপামচা অমনা ঙমব্রা য়েংগে হায়না কুমথখ্রে। ফনা কুইনা লৈরবা মতুঙদা ফাওগৎলক্লে অদুবু মখা য়ৌবা ঙমদে হায়না হায়ররে। তোম্বীমচাগী হরাও-নুংঙাইজরম্বা পূম্নমক মিৎকুপ্তা হুমদোক্লুনা পুবিখ্রে। কেনা-মৌনা অদুক নীংথিজরম্বা মায়থোংদো খঙহৌদনা নোংমংবা অয়ূককুম্না তৌখি।

# য়েক্লম্বনি থম্মোয়দা

মীওইবনা পাম্বনা অমা ঈশ্বরনা শীন্বনা অমা। অপাম্বা অনীংবা ফংবা হায়বসে তাঙনা থোকই। রমলাগী মরাইবক্তসু চপচানা মদুগুম্না থোক্লখ্রি। মোহননা ডাক্তার তম্বা লোইরকপদা মপাবুংনা লুহোংবিবগীদমক কন্না তকশিল্লম্মি। মোহননা শূকয়া য়াখিদে। পাবুং ঐ থবক অমা পানদ্রিফাওবা নুপী থিবা ঙম্লোই হায়না তসেং তসেংনা মপাবুংদা খঙহনখি। য়াররোই হায়বা খঙলদুনা মপাবুংনা হায়রকই, ফরে অদুদি চহী অনীদি লুহোংবগীদমক হায়ররোই অদুগা চহী অনীগী মতুঙদদি ঙম্লোইকা হায়বা য়ারোই। ঐসু নমাসু অহল ওইশিল্লক্লবনি অদুনা নখোইগী মথৌ কর্মশিংসে লোইশিন্নীংলে।

মোহনগী মপাবুং গৌরচন্দ্রগা য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপ ব্রজমোহনগা হায়নখিবা লৈ, ব্রজমোহনগী মচানুপী অতোম্বী রমলা গৌরচন্দ্রগী মচানিপা মোহনগা হয়েং মনুঙ-মতম য়ৌরকপা কানদা লৌন-লৈনহনসি হায়না। হৌজিক্তি মচা অনীমক মৌ-থিবা, থাজ-য়োঞ্জবগী মতম য়ৌরক্লবনিনা হায়নখিবা ৱাফমগী মতুঙ ইন্না লুহোং-খোংদোংবগী থবকসিমা অহল অনীমক্না য়াম্না থুনা পাংথোকনীংলে। ব্রজমোহনগী মচানুপী রমলা কলেজ অমদা লেকচারার ওইনা থবক চংবদা মঙাইরি। অদুগা গৌরচন্দ্রগী মচানিপাদি থবক ফংদ্রি। থবকমা চঙনবা ইন্টারভিউ থারদুনা কন্না হোৎনরি।

অহল অনী য়াম্না নুংশি-চান্ননা তিন্নরবসু মচা-মচাদি অমনা অমবু খঙনরমদে। লুহোংবগী মরমদা অহল অনীগী হায়নখিবা লৈ হায়বগী ৱাফমসি অমত্তা খঙহনখিবা লৈরমদে। রমলাগা লাইরিক তম্বীনবা মরূপ সুনিলগা য়াম্না নুংশিননা লুনা তিন্নে। নুংশিনবমক নৎত্রগসু মীগী মিৎয়েংদদি চিংনবা ফাওরম্মী।

মোহননা থবক্কীদমক ইন্টারভিউ থাখিবদো য়াওরক্লে হায়না ঢাকাদগী সিলেটতা পোস্টিং পীরক্লে। মোহন য়াম্না ফবা নিপামচা অমনি। মীনা অৱানবা, অকায়বা, চুমদবা থবক তৌবা য়েংবা ঙমদবা মীশক্নি। মীগী অৱা-অনা উরগা য়েংনা লৈথোকপা ঙমদে। মানা অঙম্বা লুপা-পৈশা খঙদে ফি-রোল, হীদাক-লাংথক খঙদে য়াম্না মতেঙ পাংই। মোহনগী স্যার মকোক ওইরিবা প্রধানদো য়াম্না ফৈ হায়ববু নুপী-নহাদা খরা ঙাওবা মীশক ওইনা তৌই। মোহননা মদুগীদমক মাগী প্রধান

স্যারবু য়াম্না য়েংনীংলমদে। অদুবু প্রধান ওইবনা মানা কৈসুমতা ঙাংবা ঙম্লমদে। মাগী মখুত্তনি পূম্নমক। মরম অদুনা থবক চঙলকপদা ঙায়রিবা মতমসিদা মাগী থবক তৎপা নৎত্রগা অতৈ অতৈ অৱাবা তাগদ্রা মিপাইবদগী ঙাংনীংবা কয়া লৈরবসু ঙাঙবা ঙম্লমদে।

নোংমা থবক তৌফম অফিসতা য়াম্না মশক মতৌ ফজবী নুপীমা লাক্লুনা চুমদ্রিং প্রধান স্যারগী কাদুদা চঙখ্রে। অসুক মশক ফজবী নুপী মহাক কৈদৌঙৈ উদ্রি হায়বদা হায়মন্বা থোক্লোয়। ঙৌস্রোক ঙৌনা তনাপ-তনাপ্পা ৱাং-চাউবা, মমিৎ মনাতোননা ফজরিবা, মশমদি থোয়দোক্লা শাংহন্দনা চপ মান্ননা কক্লগা শমফাবি ক্লিপ'মনা য়াম্না ফজনা ফাজিল্লগা থম্মি। মতৌদুনসু থোয়না হেন্না ফজহল্লি। মোহননা মাগা থবক তৌমিন্নবা বিজয়দা হংই।

হৌজিক্তা স্যারগী কা-দা মশক ফজবী নুপীমা চংখিবদো উহৌব্রা? কনানো অসিবু?

স্যারগী ম্যাডামনি।

ও! ঐদি অমুক্তসু উন্নদ্রি, অদুননি। ম্যাডামসিবু থবক্কা তৌদ্রা?

তৌদে। স্যারনা তৌহনদে। লাইরিকসু এম,এ নি ম্যাডামসে। মচানিপা অমখক্তনি, ক্লাস সেভেনদা তমই।

মমিংনা প্রবাল কৌই।

অসুক ফজবী নীংথিবী নুপী ঐ উদ্রি। মশকসে লাইবু মাল্লিনে।

উম, য়াম্না ফজে। য়াম্নসু ফৈ।

নঙদি য়াম্না খঙলম্মিপোৎনি। করম্না খঙলুরিনো?

ঐখোয়গী অফিসকী য়াম্না লাইরবা পিওনমা পীক্লিঙৈদগী য়োক্লদুনা মফি-মরোল থোন্বীদুনা ম্যাডামসিনা মচাগুম লাইরিক-লাইসু তাকপি-তম্বীদুনা, স্যারদা হায়না থবকমসু হাপ্পী হায়। মচানিপাগা টেবলমদা পুন্না ফমহন্দুনা পীজে হায়। প্রধান'মগী মতুনি হায়না চাওথোকপকাক লৈতে, য়াম্না শাথীনা ফৈ হায়।

ঐদি হৌজিক পাউ অমা তাবদগী য়াম্না নুংঙাইতে।

করি পাউনিনা? করি তৌরগে?

মোহন নঙ উরব্রা? ঐখোয় স্যারগী বান্ধবী ডাঃ রেখা কৌবীমা লাকপদো? মদু মতু ওইনা লৌশিনদৌরিবা কৈনো। ময়ামসিনা অদুম্না ঙাঙনৈ।

ঐ উদ্রি। করিনো নঙনা হায়রিসিবো? লাইগুম্না অসুক ফজবী মতুমা, মচানিপামা লৈনা-লৈনা করিগীনো অদুম্না তৌরিবা? ম্যাডামদি খঙদ্রা?

খঙমালে, মদুগী ওইরমালে ম্যাডাম্না সিদা মরক মরক্তা লাক্লিবসে। রেখাদুগী মরমগীসু অমুক অমুক য়াম্না খৎনমালে।

ইস! ম্যাডামগীদমক য়াম্না নুংঙাইতে অদুদি।

নোংমদি মোহন মাগী থবক তৌফম কাদুদগী হেক থোরকপদা ম্যাডামগা চপ চানা উন্নরুরে।

নমস্কার ম্যাডাম।

নমস্কার। নোকমি তৌবা মোমোন মিনোক্না হংলকই, নুংঙাইরিব্রা? অসিদা কয়াদি কুইরে? সিলেটসিদা লৈবা নুংঙাইব্রা?

উম, ম্যাডাম চহী অনী ফাগদৌরে। মরুপ-মপাঙ ময়ামগা অদুম নুংঙাইনবা হোৎনরিসিনি।

চুম্মি চুম্মি, থবক্কীদমক লৈবা লৈবা মফমদুদা নুংঙাইনবা হোৎনবতাই। নৎত্রবদি করম্না থবক তৌনি? লাকউদনা? থবক লোইরগা নঙগী স্যারগসু ৱারী-ৱাতাই, চা-লাং থকপা ওইনা?

হোয় ম্যাডাম, শংলকপা মতমদা লাক্কে।

ফরে অদুদি হায়রম্লগা চৎখ্রে।

চহী অনী মপুং ফারক্লবা মতুঙ গৌরচন্দ্রগা ব্রজমোহনগা অহল অনী ৱারী শান্নরদুনা লুহোংবগী চৌরাকপা নুমিৎ অমা লেপ্লরে। অঙাং অনীদসু খঙহল্লে। মোহনদি থোইদোকপা কৈস্সু হায়খিদ্রে। রমলাদি লুহোংখিরোই হায়দনা য়াম্না কন্না য়ানীংদবা উৎলম্মী। মপাবুংনা হংই, নঙগী য়ানীংদবগী মরমদো নপাবুংদা হায়য়ূ। করিসু লৈতে পাবুং, ঐ হৌজিক য়ূম পান্নীংদ্রি।

মপাবুংনা ৱারী পূম্নমক লীদুনা তাহল্লে। মোহনগী মপাবুংগা ঐগা হান্নদগী হায়নবা লৈখি। নচা ইচা অনীসে হয়েং মনুঙ মতম ওইরকপা মতমদা লৌনা-লৈনদুনা নঙগা ঐগগী মরীসে অতৈসু ইচাশিংনা মতম শাংনা নুংশিননা তৎনদনা পুন্সি তোলোইনা পান্দুনা লৈহৌবা ওইসনু হায়না হায়নখি। নঙনা করিগুম্বা ইয়ামক য়াদ্রদি নপাদি মীমাঙদা য়াম্না ইকায়বা নঙবতাখ্রে। হায়নখিবা লেপ্লখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙমদবা মী হায়বদো ওইবা তারেদনা। ইচাশিংদি মমা-মপাগী ৱা হিক্তোক্তবনি হায়না চাওথোক্লা হায়নখিবনি।

রমলা মমোন-মমোনদা সুনিলবু নুংশিখি, অদুবু নোংমাফাওবা ফোঙদোকখিদে। সুনিলনসু রমলাবু নুংশিরমগদ্রা? নৎত্রগা অসুমতা মরুপ ওইনা লোয়নখিব্রা খঙনীংবা পোকখি। অসুক কুইনা তিন্নরকপদা নোংমতসু নুংশি নুংওনগী ৱারী-ৱাতাই শান্নখিদে। লাইরিক লাইসুগী মরম নৎতনা অতোপ্পা ৱাখল খন্নখিবা লৈতে। নুংশিরম্লবদি মাসু নোংফাদোক নীংশিংলমগদবনি। নৎত্রগা ঐগুম্না মাসু ফোঙমদ্রিবরা? মওল মওল খন্বমখৈ খল্লবা মতুঙদা মপাবুংনা তোইনা তোইনা হংজিল্লকপদুদা অসুম ফৈ হায়বদো তৌবিয়ূ হায়না হায়দোকখ্রে।

অহল অনী ৱারী শান্নদুনা ফাইরেলগী তাং কুনহুমদোয় তরেৎনি পান্বদা লুহোংবগী নুমিৎ লেপ্লখ্রে। মরক্তা থাবুংমতং ঙায়খ্রে হায়না ব্রজমোহন অওং অউনগী পোৎ-চৈ লৈবা, সনা-লীকোন শাবগী শীংবা হৌখ্রে। রমলা করি তৌগদৌবনো খন্বদা পূক্নিং ইরাং লাংই তংদু লৈতাদে।

লুহোংবগী নুমিৎ মঙানি মমাঙদা সুনিলগী মখুত্তা লুহোংবগী কার্ড অমা পীরৈ।



CS CamScanner

হাংদোক্লা য়েংবদা রমলাগী লুহোংবগী বার্তোন ওইরম্মী। সুনিল কার্ড অদো উবদা পূমঙক ঙকখ্রে। রমলা অসুক য়াঙনা লুহোংদৌরবা? মহাক থাজবা ঙমদে করিমত্তা খঙহল্লমদবসিদা। মহাক্কী হকচাংসে করিনোমা তৌখ্রে-নুংঙাইতবগা শাউনীংবগনা। রমলানা ঐবু অসুক্কী থাপ্লা খনখ্রবরা? চুম্মি থম্মোয়নুংদা নুংশিরগসু ঐনা নোংমতসু মাবু নুংশি হায়বা ৱাহৈদি ফোঙদোকখিদে। লাল্লিবদি ঐনি। খল্লু খল্লুরগা মীঙমদবগী মৈচাক্লা থম্মোয়নুংসে চাক্লে। লুহোংবগী নুমিৎ লেপ্পদুনা লোইখ্রবদা হৌজিক ঐনা করিনো তৌগদৌবা?

লুহোংবা নুমিৎকী অয়ুক্কি। পিকখ্রবা বক্স মচামা য়াম্না ফজনা অরংবা চে-না য়োমশিল্লদুনা খোঙগ্রাও খাওদা হাপচিল্লগা রমলাখোইদা চৎলি। থোঙ্গান হেক য়ৌবদা মচু-মচুগী লাইটিংনা শূমাঙ য়ৌবফাও য়াম্না ফজনা শেম্লম্লে। শূমাঙদসু মথোল মথোল য়াৎলবা চেগী লৈরাংনা মন্ডলী শেম্লম্লে। সুনিল লাক্লি তাবদা রমলা হিপ্লম্বদগী হৌগত্তুনা থোক্লকই। মী-পোঙ লাক্লগা ফম্ননবা কাদুদা পুশিন্দুনা ফমহল্লে।

করিগী লাক্লিবনো?

খুমফম খঙদে। রমলাগী ৱাহংদা নুংঙাইতবা, পেন্দবা, শাউনীংবা পূম্নমক্কী পূনশিন্বা ৱাহংনি হায়বা খঙবা ঙম্মি। নঙবু নুংশিবদি ঐনা থম্মোয়নুংদতা ফুমদুনা থমখি। ঐনা নোংমতা ফোংঙমখিদে। অসুক য়াঙনা লুহোংগনি হায়বা ঐ খল্লুদে রমলা। ঐ হৌজিক য়াম্না মীঙমলকত্রে। ঐগী থম্মোয়সে পেন্দবগী মৈনা মৈৱাইরে।

য়াম্না খৌরাংনা ঙাইজখিবনি নুংশি ৱাহৈ অমতং তানীংবনা। হন্দক্কী মপোক্তদি অমুক তাররোই, অদুনা কৈথেল কাইখ্রগা পোৎ লৈবা ফংদবনি হায়বসে খঙবিয়ু।

মীঙমহৌদবগী পোৎলুমসিমদি পুন্সি চুপ্পা লোয়নবা তারে রমলা। পূম্নমক্লা হায়নৈ, পোকপা-শিবা-লুহোংবা অহুমসে ঈশ্বরগী মখুত্তনি হায়না। খঙদে ঈশ্বরনা তম্বীরমদ্রমালে হন্দক্কী মপোক্তা। রমলা, নঙগীদমক্কী হায়না করিগুম্বমতং য়াম্না পামজনা নুংশিনা পুরকপনি, অসিমত্তংদি চিংনবা লৈতনা লৌশিল্লু। সে সে অসি পাইশিল্লু।

নঙ মদু পীবগীদমক লাক্লিবরা?

নঙনা লৌদ্রবদি ঐ থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইরোয়। সে অসিমতদি লৌশিল্লু। মখূত্তা পোৎতো পীরগা হায়রম্মি–পুন্সি চুপ্পা নুংঙাই য়াইফনা লৈবা ওইয়ূকো, হায়রম্লগা থোকখি।

বক্স মচাদো হাংদোক্কুনা য়েংই রমলা। সনাগী খূদোপ অমা ওইরম্মি। ময়াইদা য়েক্লম্মী ইংরেজীনা 'আর' হায়না।

# করিগীনো লাংতক্নরিবা

কবোকলৈনা যূমদা টিউশনি তম্লক্লিবসি চহী অমা ফারক্লে। হন্দক চহীসিগী লাক্লিবা ফেব্রুয়ারিসিদা মেট্রিক পরিক্ষা থাগদৌরিবনি। মবুদ্ধিসু অসুম ফে। অতে মমান্নবীগুম্না কে-মৌনা, ফজ-ফজবা ফি-রোল শেৎ-চাবদা ঙাওজবা 'দুগুম্না মাগী মিহৌবা লৈজদে। লাইরিক্তা য়াম্না মপূক্লিং চঙবা অঙাংনি। মশক-মতৌ পুলে কুচু ওইজরবসু মপাবুংগী য়াম্না নুংশিজবীনি। লাইরিক হৈবী নুপীশিংনা, থবক-থনা তৌবশিংবু উরুবদা মপাবুংনা কবোকলৈবুসু মদুগুম্না তৌহন্নীংখি। অদুনা মচানুপীবু লাইরিক লাইসু তম্বদা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবী। সায়েন্স লৌনা তম্বনা অংকদা খরা শোন্বদুদা ওজামগী য়াম্না মথৌ তারম্মী। ওজা মনিবাবু বি,এস,সি পাস তৌরবা মতুঙ থবক ফংদনা লৈরিঙৈ মতম অঙাংশিং টিউশন তাকপীরি। মনিবাবু লাইরিক য়াম্না ফৈ হায়বা পাউসি কবোকলৈগী মপাবুং তমালসু তারমই। মমোন মমোন্দা ওজা মনিবাবু উননীংখি। নোংমদি কৈথেলদা মতাচানা উন্নরুবদা মচানুপীগী লাইরিক তাকপীবগী ৱারী হৌদোকপদা মাসু হরাও হরাও য়াবিরকখি। স্কুলদৈ হল্লক্কুনা চা-থক্না ঙহাক পোখারবা মতুঙ ময়ূমদা অমুক নুংতিগী ওজা মনিবাবুনা নুংথিল নুংথিলসে লাইরিক তাকপী।

কবোকলৈনা টিউশন তম্লকইবসি চহীমুক ফারক্লে। মতম কুইনা লাইরিক তাকপীরকপনা ইমুঙ-মনুঙগসু নুংশিবা মরীমা ওইরক্লে। অহান-অহান্বদি য়াম্না কোইনা, ইকায়না তৌরম্মি অদুবু হৌজিক্তি মাসু থোইনা কোইরকত্রে। কবোকলৈখোয় ইমুঙগী পাঙথোকপা কর্ম-ক্রিয়া, চাকচা-হৈজাবনচিংবা থৌরম পূম্নমক্তা মাবুসু ইমুঙ মনুঙগী মীগুম্না য়াওহল্লি।

মনিবাবুগী মমান্নবা লাইরিক তম্মীন্নরকপা পূম্নমক থবক-থনা ফংদুনা নুপী থিবফাও য়াওনরক্লে। অমনিনা মপান্দা চৎখিদুনা থবক তৌখ্রে। মাগী মাগী মথৌ অমমম পান্নখিবা উবদা মনিবাবু য়াম্না থম্মোয়নুংদা নুংঙাইতবা, পেন্দবগা লোয়ননা ইকায়বা পোক্লম্মী। চহী অনী অহুম শুরফাওদা ঐনা থবক অমফাও মপা চুমদদনা লৈরি। মখোয়না ঐঙোন্দগী হেন্না য়াম্না ফখিবসু নৎতে। থবক অমা তৌদবসিদা মমা-মপানসু নমান্নবশিংদি লোইনা থবক তৌনখ্রে নঙতা মঙাইরে হায়না হেক হেক ঙাংবসে মাঙোন্দা য়াম্না ইকায়বা, নুংঙাইতবা ফাওরম্মি। মতম মতমদা অঙাংশিংগা

লোয়ননা, লাইরিক-লাইসু তাকপীবসিনা মাগী অৱাবা নুংঙাইতবা খরদি কাউহলম্মী।

কবোকলৈ মেট্রিক ফজনা পাস তৌদুনা কলেজ তম্বা হৌখ্রে। মনিবাবু লাইরিক তাকপীবসে তোক্লগে হায়না কবোকলৈগী মপাবুংদা নীংশিংলুরে অদুবু নঙগী করিগুম্বা খুদোং চাদবা য়াওদ্রগদি খরনিদংগা তাকপীখো হায়দনা হায়রকই। নঙনা ফনা শাংনা তাক্লক্লবনিনা নঙনা ফজনা খঙগনি ইচানুপীগী করিদা শোল্লি, করিদা ঙমদে হায়বদো। অংকসে খরা কীবনি, অদুনা খরনিদংগা তাকপীরদি ফৈ। নৌনা কলেজ কারক্লিবনিনা মওং-মরিন খরা তাহল্লমখো হায়না কন্নমক হায়রে।

থা অহুম মতুঙদা মনিবাবু কবোকলৈবু অমুক লাইরিক তাকপীবা হৌরে। কলেজ কাখিবদে খংচাও চাউখৎখিবগুম তৌখ্রে। কবোকলৈ পুলৈ কুচু ওইজরবসু মাগী তরাও তরাওবা মিতা, নোকপদা খজাই কুত্তক তৌরদুনা য়াতোন উদুনা নোকপা মিনোক্তি থম্মোয় হূখিবা খঙহৌদে। অদুগা য়াম্না নুংশিরিবদি মাগী ইচম-চম্বা, লৌথুপ-লৌকোয় য়াওদবা মতৌনা থোইনা হেন্না নুংশিহল্লি।

মনিবাবু হন্দক মরকসি ইনৌ নৌনা নুংশিবগী ঈথিলমনা নুংশি ঈপাক্তা তাউবগুম মপূক্নীং চরাঙনৈ। লাইরিক তাকপা তোক্লগে হায়রম্বদুনা য়েংনীংবা, উনীংবগী ঈখৌলাংবমনা অদুম লাইরিক তাক্কুনা লৈনীংবগুম তৌরক্লিবসি মতোমতা ঙকই। করিনো ঐগী পূক্নীং-ৱাখল তংতাদবগুম তৌরিবসি? কবোকলৈবু নহানমখৈ উখিদবগুম! ফোঙদোকপসু ঙমদা মতোমতা ইকায়রকই। কবোকলৈদি থৌ ইশামা শাদে। নুংতিগী তৌবা মতৌগুম্না অদুম ঙাঙ-শকই, মরক মরক্তা অদুম ফাগি-জুগাই তৌদুনা মহৌশাগুম নোকলি, পুন্নমক হান্নগুম্না কৈসুমতা অহোংবা লৈতে। মাগী তরাও তরাওবা মিৎলূনা য়েংলকপসিদা মনিবাবুগী থম্মোয়দা তেঞ্জেনা কাপশিল্লকপদৌনা তৌই। মপূক্লিংদা খল্লি মনিবাবু, মাম্মসিনা ঐবু মচাগুম ওল্হোক্লা থাজদুনা শিন্নরিবনি। অসিদা ঐনা থম্মোয় ফাথবা ঙম্লকত্রিবসে করি মতৌনো মতোমতা হংজে।

ইয়ার চেঞ্জকী পরীক্ষা য়ৌশিল্লক্লে। লাইরিক তম্বগী চাংসু কনশিল্লক্লি। মনিবাবু ৱাফমসে ফোঙদোকশিরা ফোংদোক্কনুশিরা খনবদা থম্মোয় চরাং-মরাংনরম্মি। অমুকসু খল্লি, মাগী পরীক্ষাসে লোইখিসনু অদুগা অমুক্তংদি হায়দুনা য়েংলগে।

হন্দক মরকসি ৱাখল নুংঙাইতে কবোকলৈ। নহানমখৈগা হন্দক্কা ওজাগী মওং মতৌদা ইহোং হোংবগুম তৌবসিনা পূক্নিং লৈতাফম খঙলমদে। ময়ূমদকাক কৈসু তৌনরব্রা নথত্রগা হকচাং নুংঙাইত্রিবা য়াৎলা? অদুবু হংবদি হংলুদে মাসু।

মনিবাবু মরি মঙানি শুরক্লে পরীক্ষা মনুঙনি হায়না লাইরিক তাকপিবা চৎতবা। ঙসিদি কবোকলৈগী পরীক্ষা অরোইবা নুমিৎনি। করি করম হায়না পরীক্ষা থাখ্রিবা হংলুগে হায়না চৎলি।

কবোকলৈ পরীক্ষা করি-করম তৌখি? পুন্নমক ফখিব্রা?

উম, পূন্নমক অদুম ফখি।

নঙগী কলেজদি অমুক করি নুমিত্তগী হাংদৌরি?

চয়োলমা মতুঙদা সেকেন্ড ইয়ারগী ক্লাস হৌগনি হায়।

য়াম্না ফরে অদুদি, নঙসু নোংমা নীনী পোখাবা ফংলনি। কবোকলৈ ঐ নঙোন্দা ৱামতং হায়নীংই। ফনা কুইরক্লে হায়গে খন্না খন্না হায়বা ঙমদ্রিবা।

ওজানা নোংমতসু অসুম্না হায়খিবা লৈতে। করি ৱানো হায়দৌরিবসে। করিগুম্বা মতমদা ঐনা করিসু অরান্বকাক তৌখ্রবরা? নত্থ্রগা ৱাঙাং-শঙাংদা অকায়বা য়াওখ্রবরা? কিবনা মীহুন দক দক লাউই।

কবোকলৈ, ঐনা নঙবু লাইরিক তাকপিরক্লিবসে ঙসি চহী অমা হেল্লক্লে। নঙবু ঐগী য়াম্না ফবা, য়াম্না নুংশিবা মহৈরোয় অমনি হায়না লৌই। অদো নঙনদি ঐবু করি হায়না লৌই নত্থ্রগা খল্লি?

কৈসুমতা খুমদে। তুমিন্না নোম্বদুনা লৈ। করিগীনো ঙসি ওজানা অসুম্না ঐঙোন্দা হংলিবসে খঙবা ঙমদে।

নঙ কৈসুমতা চিংনদনা, অকি তুজুংবা লৈতনা নঙনা খনবদো হায়য়ূ। ঐ কৈসুমতা ৱারৌরোই।

ঐ কৈসু খঙদে। ওজাসু য়াম্না ফৈ, য়াম্না নুংশি।

নোকমি নোকমি তৌদুনা হায়। ও! ঐবু নুংশিকো? অদুদি ফরে। কবোকলৈ, ঐ নঙোন্দা ৱা অমা হায়নীংলিবসি ঙসি ফনা কুইরক্লবনি। নঙোন্দা পাউসে ইয়ৌ য়ৌহন্বা ঙমদদুনা লৈরক্লিবনি। নঙবু লাইরিক তাকপি তাকপিরিঙৈদা ঐনা করম্বা মতমদা নঙবু নুংশিবা পোকখ্রিবা ঐ ইশামক হায়বা ঙমদে। নঙগী ওজা অমা ওইজরবসু ঐসু পাখংমনি। লৈরাংবু উবদা করম্বা খোইমুনা তোংনীংদবগে? নঙগী তরাও তরাওবা মিথয়েংনা ঐগী থম্মোয়বু ককঙাওনহল্লি, ঐগী থম্মোয়বু শুমহৎলি। কবোকলৈ, নঙনা করিনো ৱা অমত্তাফাও ঙাংদ্রিবা? কৈনোমত্তংদি হায়য়ূ।

কবোকলৈ ইকায়বনা মমায়-মমিৎ ইচপমুক ঙাংশিনখ্রে। অসুম মরায় লূকথখিবনা টেবলদা থেংগদৌরে। ৱামত্তা ঙাংবগী পাঙ্গল লৈখিদ্রে। কবোকলৈগী পাউখুম অমত্তা ফংদ্রবদা মনিবাবুনা হায়রকই। ঙসিদি ঐ চৎলগে অদুনা হয়েং তম্লসি। করি পাউখুম্নো পীগদৌবা? কবোকলৈ হুমাংনা পূমচোৎ চোৎলি। লাইরিক পাবসু য়াদ্রে। থবক-থনা, তুম্বা-চাব, কৈসুমতদা পূক্লিং চঙখিদ্রে। নোঙানলে-নুংথিল ওইরক্লে অদুবু ইথক থকৎপা অমনা হুমাং শ্বাই শ্বাই কাংই।

মথংগী নুমিৎনি। মনিবাবু লাইরিক তমফম কাদুদা চুমদ্রিং চঙই। নুমিৎকীগুম্না কবোকলৈ লাইরিক পাদুনা লৈরমদ্রে। নুংতিগীদি মান হান্না ফম্না লৈরম্বনি। করি তৌরবা, ঙরাংগী ঐগী ৱাহৈ-ৱাতাদা শাউখ্রবরা? খঞ্জানরিঙৈদা কবোকলৈ লাক্কুনা মাগী চেয়ারদুদা ফম্লরে। নুংতিগী মতৌগুম্না তহা তহাবা উদে। য়াম্না চোকথবগুম উই। অদুগা করিমত্তা তৌফম খঙদবগুম লাইরিকশিংদো পাইথোক পাইশিন তৌদুনা লৈ।

ফরে ফরে, নঙগী অংকগী লাইরিকতো পুথোরকও।

লাইরিক্তো পুথোক্তুনা পীশল্লি।

ঐ অংকসিগী নিয়ম অমা তৌদুনা য়েংহনগে, অদুগা নঙ মখাগীসি তৌরো, ঙমব্রা য়েংঙু।

ইঙম ঙম্বদুসু অদুম নৈশল্লদুনা লোইবা ঙমদ্রে কবোকলৈ। খঙলে, মপূক্লিং চঙদ্রে হায়বা। ফরে ফরে, থল্লো হয়েং তৌরম্মু, হায়রম্লগা থোরক্লে মণিবাবু। কবোকলৈনা লাইরিক্তা পূক্লিং চঙদবসিদা নোং-নীনীসে চৎলরোই হায়না লেপ্লে।

নুংথিল পুং মরিদগী লাইরিক তক্ষম কাদা ঙরাংগী পারাশিংদো তৌদুনা লোইরে কবোকলৈ। পুং মঙা য়ৌশিনখ্রে। ঘরি য়েংনা য়েংনা পুং তরুক তাশিনখ্রে। নোঙাল্লগসু লাকত্রে অসুম্না ঙাইনা ঙাইনা নুমিৎ হুমনি হৌখ্রে। অমুক নুংশা থীরক্লে ঐনা ৱা-লাং অমত্তা ঙাঙদবদুদা ওজাসে ৱারৌখ্রমালে।

মনিবাবুনা সরকারগী থবক্কীদমক ভাইবা অমদি ইন্টারভিউ থারুবদো হন্দক্তি য়াওরক্লে। সায়েন্টিফিক ওফিসার ওইনা কুমিল্লাগী মেডিকেলদা জয়েন তৌররো হায়না চে লাক্লে। অদুনা চয়োলমগী মতুঙদা চৎপা তারে। ৱাফমসি খুরা তমালদা খঙহনফম থোকই। ঙসিমক চত্তুনা ৱারী শান্নরুরগে হায়না লাকই। খুরা তমাল শূমাঙ মতোনগী শম্বল তেক্লে হায়না শেম্লম্মি।

খুরা ঐগী থবক চঙবগী পরীক্ষা থাখিবদো মদুদা ঐবু খল্লক্লে। অদুনা ঐ মঙা-তরুক্নি মতুঙদা কুমিল্লাদা চৎপা তারে।

ও! ইবুংঙো অদুদি য়াম্না নুংঙাইবা পাউনিদনা। ফরে ফরে খুরাসু য়াম্না নুংঙাইরে। অদুমদি ওইরগা ইচানুপীগীদমক অমুক চিন্তা ওইরেদো। নঙনা চৎখ্রগা কনাদনোনে অমুক লাইরিক তাকহনগদৌবা?

খুরা অদুক য়াম্না ৱাবিরুনুদা। খরা হোৎনরগা, তৌরগা অদুম ঙমজনি। ঐনা চৎত্রিফাও মঙা তরুকনিসি তাকপীরমগনি।

ও! ফরে ফরে খরা ফজনা য়েংশিনবিরম্মু। চৎলো চৎলো তাকপীরুরো।

লাইরিক তক্ষম কাদা চংশিন্বদা কবোকলৈ লাইরিক পাদুনা লৈরম্মি। ঙসিদি কবোকলৈ মশা মতোমতনা নহানগী অংকশিংদো তৌরদুনা থম্লম্মী। ঐনা চঙবগা মদো পুথোরক্তুনা য়েংবিয়ূ হায়না পীশিল্লকই। য়েংনা য়েংনা হায়, য়াম্না ফজনা তৌরম্মি। নঙগীসে অমত্তা অরান্বা য়াওদে, লোইনা চুম্মে। কবোকলৈ, ঐগী সরকারগী থবক্কী দমক পরীক্ষা থাখিবদো ওইরক্লে অদুনা ঐ মঙা-তরুক্নি মতুঙদা কুমিল্লাদা চৎলগনি। অদুনা নঙগী করি করি ঙমদবা নৎত্রগা খঙদবা য়াওবা মদুশিংদো হায়যু ঐ য়েংবিরমগে।

ৱাহৈসে হেক তাবদগী পূক্লিংদা থূক লাউখিবনা ৱাখল ফাথবা ঙমদদুনা খঙহৌদনা চীন্দগী থোকখিবা খঙহৌদে কবোকলৈ।

ওজা? নহাক অতে লাক্লুরোইদ্রো?

য়ূমদা লাকপা মতমদা নখোইদসু সোইদনা লাক্কনি।

কয়া কুইনা লৈরকতোইনো?

খঙদ্রি, নৌনা থবক চঙবনিনা থা অনী-অহুমগী মতুঙদা লাকপসু য়াই।

কবোকলৈ ৱাখল নুংঙাইতবনা লৈতাফম খঙদ্রে। করিগীনো অসুম্না নুংঙাইত্রিবসে? অসিবু নুংশিবা হায়বদুরা নৎত্রগা মতেং পাংবিনবা লৈররোই হায়না ৱারিবরা? হায়ফম খঙদে কবোকলৈ। থম্মোয়নুংসে লাংতক্লবনা পোথাফম খঙদে। নুংতিগী মতৌগুম পুঙ মরি তাবগা ওজা মনিবাবুবু থোইনা নীংশিংখি।

# তৌবিমল খঙবা

মপূ চান্বা, মপূ নুংশিবা পপিনা লৈশাবী ফারকখিবা মফম খঙহৌদে মেহেদী। মাবু য়োকপি-থাকপিবা মেহেদীনা পপিবু য়াম্না লুনা নুংশিনা তৌই। মেহেদীগী যূমদুদা হৌজিক কনাসু লৈত্রে। মপাবুংদি মতম কুইরে লৈখিদবা। মান অঙাং ওইরিঙৈদা, ভাব মেন ফজনা তাদ্রিঙৈদনা ঈশ্বর খূয়া তানখ্রবনি। মাগী মমানা মমা-মপা অনীমক শারদুনা অৱাৎপা খঙহন্দনা য়োক্লকখিবনি। মান পাখং ফারকপা মতমদা মমাসু অহল ওইরকপগী লৈনানা নাদুনা লৈখিদ্রবনি। মদুগী মতুঙদদি যূমদুদা মতোমতা ঙাইখি। মচেমা মপান লমদমদা লৈবনি। মমা লৈখিদবা মতমদুদা লাক্লম্লগা মাসু অদুম হনখ্রে। মচেনা খরনি লৈরিঙৈ মতমদুদা মৌপ্পাবু লুহোংনবা হায়না য়াম্না কন্না হোৎনজরম্বনি অদুবু মাগী নুংশিনবীদো এক্সিডেন্টতা মখোঙ তেকপদগী শোইনাইরবা পুন্সিবু অমুক মখা তানা যূম্বান্দুনা মীঙোন্দা য়েৎলরোই হায়না যূম্বাল্লু য়াখিদে। মদুদগী মখোয় অনীমক লুহোংলরোই হায়না লেপ্পখিবনী। মদুগী মরমনা মহাক অতৈ যূম্বান কৈবানবগী ৱাখল থাদোকখি। য়াম্না লায়রবী মখোয়গী মরী-মতা থোকপা মনে অমনা মাবু চাব-থকপা, যূম-কৈ য়েংশিন্নীবা ওইনা মনেদুসু মাগা নুংঙাইনা লৈরকখিবনি।

মতোমতা লৈবা পুন্সিগী অৱাবা কয়াবু শরুক য়ামিন্নবা হুইনাও মচামা য়োকই। য়াম্না নুংশিনা মান হুইদুগী মমিং পপি হায়না থোনলি। লুনা তৌবগী হৌনবা মপূনা চৎপা খুদিং মতুঙদা কোইইন ইনৈ। মরোল পূন্নমক খঙই পপিনা। পপিগী চাব-থকপা য়াম্না নিয়ম নাইনা পীজৈ। চাক থোইনা পীজদে। শা-ঙা, মরু-মরাংগুম্বতা পীজৈ। হুইনা য়াম্না নোয়রবদি কুইনা পুন্সিদে হায়না হুইদো নোয়হন্দে। মদুনা মাগী হুইদো তপা-তপাবা ওইজরবসু মপাঙ্গল য়াম্না কল্লম্মী। নুংথিল খুদিংগী বোল অমা পীদুনা শরাক শান্নহল্লি, অদুগা মান ফমদুনা য়েংলগা য়াম্না হরাওনা খূবাক য়েবিরম্মী। মেহেদীনা মখুৎ তিংথোকপগা পপিসু মখুৎ থাঙ্গৎতুনা হেন্ডসেক তৌই।

মেহেদীগী থংনবা যূমদুদা থবক তৌবা মতৈ-মনাওমা লৈরম্মী। মরক মরক্তা মখোয়গী চা-থকপগী অরেম্বা চাক-এঞ্ছাং, তল, ব্রেড পীজৈ। মাবু নুংশিনা তৌবিবদুদা ফজনা মশক খঙই মখোইবুসু। চাক চানবা মতমদা মখোয়গী মাঙ্গোলগী থোংজিন মপান্দা হেক হেক ঙাইদুনা লৈরম্মী। মাবু নুংশিনা পীজ পীথক তৌবদুদা মখোইনা মপান থোকপা খুদিংদসু মতুঙ ইন্নরম্মি।

মতৈ-মনাও অনীদুনা থবক চৎপগী হেক থোরকপদা পপিনা নুংতিগী বাজার ফাওবা ইন্নরম্মী। মখোয়নীনা গাড়ী হেক কাখিবগা মাক য়ুমদা হনখি। নুংতিগী অয়ূক্তা থিনদোকপসি মাগী হৈনবীমা ওইনা তৌরম্মী। য়ুমদা হল্লোনে হায়না তানশিল্লবসু মান ঙম্না অদুম থিন্বা চৎলম্মি।

থৱান থা লাক্লবদা পপিনা লৈবা য়ুমদুগী অকোইবদা মচু মচুগী হুই পাখং য়াম্না কোইরক্লম্মি। তনাপ-তনাপ্না ফজরবী ঙাংজুনবী পপিগী মতুঙদা কোইইন ইন্নরম্মী। পপিনা পামদবা হুই পাখংশিংদুনা ইন্নজবদো য়েন্নিংদবা শাউনীংবনা অমুক অমুক য়াম্না থীনা খৎনরকই। মখোইগী খৎনবগী খোঞ্জেলনা পুমনিল নীল্লম্মি। কোন্নথংদদি নোয়-পেন্বা মাগা মচু মান্নবা য়াম্না মশক ফজবা পাখংমগা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নখ্রে।

মেরা, হিয়াঙ্গেগী'দুৱাইদা পপিগী থা-কুম শুরদুনা নুংশি নুংশিবা মচা মরিখক পোক্লে। চয়োলমুক মাগী মকোন্দগী থোরক্তে মচাশিংদো অদুম কোন্দুনা লৈরম্মী। চাবা মতমদতা ঙহাক্তং থোরক্লম্লগা অমুক মচাশিংদো কোন্বা চঙখি। থা অহুম মরি ফারকপা মতমদদি মচাশিংদো পুপ পুপ লাউনা নোয়-পেন্না য়াম্না নুংশিরক্লে। নুংতিগী মমাগী মতুঙদা ইন্নরদুনা চেন-চোংনা শান্নরক্লে। থোঙ্গান্দা শান্নরিঙৈ নোংমদি মচা অমখক গাড়ীনা তকখাইবিরম্বদগী পপিনা কোইচেন চেল্লদুনা তেংথা নাওইনা কপখিবদু-অউবা মী পুন্নমক্লা য়েংনখিবনি। মাবু য়োকপীবা মেহেদীগী থোংজিন্দা কন্না কন্না কৌজরুই। মেহেদীনা ইমুঙদগী থোরকপা উবদা মাগী শেৎলিবা মফৈজোমদো চিক্লদুনা থোঙ্গান্দা পুদুনা য়েংহনখি। থৱায় য়াওদ্রবা মচাদুনা ঈ-নায় তোৎতুনা লম্বীদা তাদুনা লৈরিবদু উবদা মপি শিন্থরদুনা খোংলা খোংলনা মচাদুবু লেকচখিবদো পুন্নমকসু খাংঙমদনা কপখিবনি। মেহেদীনা তৌফম খঙদদুনা পপিগী মকোক্তুদা হঞ্জিন হঞ্জিন নান্থবিরদুনা থেমজিনবীখি।

অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং লেপ্তনা মপূগী চাউরবা য়ুম ইংখোলদো পপিনা য়াম্না ফজনা শেন্নবিখি। শকখঙদবা, ভিক্ষা নীবা মী, ফিজোল ফৎতবা মী-পোং চঙলকপা উবগা কন্না লাও-খোঙনা তৌরম্মি। মপুসু হেক্তা খঙবা ঙম্মি, কনাগুম্বমা লাক্লে নৎত্রগা করিগুম্ব'মা তৌরে হায়বা। খঙন-চান্নবা, মরী-মতা কয়া লাকপদসু অদুম্না খোংলকপদা মেহেদীনা মাগী মমিং পান্না হেক কৌবদা তুমিন্না লৈখি। মদুদা পপিসু খঙবা ঙম্মি, মপূগী মীনি হায়বা। অহিং খুদিংগী য়ারেক্তুনা মানা হুরান-চিন্থী কয়াবু শঙবিরিবনি।

নোংমদি মশক খঙদবা লায়না অমনা পপি মশা কন্না ঙস্লকখিদে। অখঙ অখঙবা হীদাক লাংথক পীজরবসু ফহন্বা ঙমখিদে। চাদবনা অদুম অদুম ময়াং কংশিল্লকখিবনা চৎপা ফাওবা ৱাখি। মাগী অৱাবা মতৌ উবদা থম্মোয় শোকখি। য়ুমথংনবা মতৈ-মনাওদুনা থবক্তগী হল্লকপদা মখোয়গী দারীবান্দুদা পপি ফজনা তুমদুনা লৈরম্মী। মাবু হন্না হন্না কৌদুনসু মমিৎ পাংলকখিদ্রে। কনাবুসু তাক্লমদনা পপি ঈশ্বর খুয়া তানখিরম্লে। শা-মক ওইরবসু মাগী মপূ নীংবগী মীনুংশি চেন্বা মওং মতৌনা ইমুঙ মনুঙগী কনাগুম্বা অমা লৈখিদবগুম মাগীদমক মিৎলুদগী পিরাং শিন্থখি।



CamScanner

# য়েন্নীংথাদসু য়েন্নীং হুনখিদ্রবা

অয়ূক পুংনিপালগী মতুংদা স্কুলদা ইচা থিনলম্লগা চান-থক্লা ঐগী থবক মফমদা চৎপসি নুংতিগী থ্রেংখ্রগনি হায়না অয়ূকসিদা নোংমতা চনীং-চয়া তানা ইংনা-তপ্না চৎপা ফংখিদ্রবনি। ইচাগী স্কুলগী মতমগা থবক চৎপগী মতমগা চপ মান্নবনা। হোরেনমুক হল্লকপা মতমদা ইচানা স্কুল গেটকী থোঙ পাইদুনা লম্বী মাইকৈ য়েংদুনা ঙাইনা লৈরম্বনি। গাড়ীগী জ্যামদা নোংফাদোক থেঙখিবা নুমিত্তুদি মী পুম্নমক চৎনখিদুনা কপ্লিং কপ্লিং তৌরদুনা মমিত্তা পপি তরং তরং চেল্লদুনা ঙাইরম্বনি।

চহী হুম্ফুতরামুক শুবা অহল অমসু পাইজামা-পাঞ্জাবি নান্না শেৎলদুনা অঙাং লৌবা লাকপা নুংতিগী থেংনৈ। মকোক্কী শমদো লোইনা পুমঙৌ ঙৌখ্রে, অদুবু অহল ওইজরবসু য়াম্না তরু তনান্না খিং খিং লাউনা চৎলি। মানা লৌবা লাকপা অঙাং নুপীমচাদুসু ইচানুপীগা চপ মান্ননা ক্লাস অমতদা ‘এ’ সেকশনদা তম্মীন্নরিবনি। অহনদুসু নুংতিগী অঙাং লৌবা লাকই। অঙাংদুবু য়াম্না নুংশিনা মখুৎ শম্বীদুনা পুবি।

নোংমা নুমিৎমদি ইচানুপী পুদুনা স্কুলদগী থোরকপদা অঙাংদুসু মৌ নহা অমগা তুংদা-মাঙদা ওইনা চৎমিন্নবদুদা অঙাংদুদা হংলুই, সাদিয়া নঙগী পুপুদো ঙসি লাকত্রবদি করি তৌরগে? অঙাংদুনা শাউনীংতক তৌরদুনা খুম্লকই। আন্তি, ঐগী বাবানি, পুপু নৎত্তে। বাবা মশা ঙমদে অদুনা মমানা লৌবা লাক্লিবনি। অঙাংদুগী পাউখুমদো তাবদা ঐ অঙকপা অমা পোকখ্রে। করিনো হায়রিবসিবু? সাদিয়াগী মমাদি য়াম্না নহা ওইরি। চহী ২৪/২৫ কাক ওইরম্বা য়াই। সাদিয়াগী মমাদু ইকায়খুম্নমালে, ৱা অমত্তা ঙাংলক্তে। অহোয়না খোঙথাং খরা য়াঙনা চৎখৎখ্রে। তুংলোমদগী রেশমানা অমুক কৌরকই, মামী মামী ঙাইখোনে পুন্না চৎমিন্নসি।

য়ূমদা হল্লক্লগসু ৱাখলসে ইনুঙ-নুংঙাইখিদ্রে। সাদিয়া মমাগী ৱাখলদগী ঐসে শূংথোক থোরকপা ঙমদ্রে। করি মরমগী চহী মতাং অসুক য়াম্না খেন্নবা অহলসিদা য়ূম্বাল্লিবনো হায়বা ৱাহং অসিমনা ঐবু হঞ্জিল হঞ্জিল ইচেলগী ঈরৈদা লৈশিন্দুনা লৈবগুম লৈখি। নুমিত্তুদগী ইচা লৌবা চৎপা নুমিৎ খুদিংগী রেশমাবুতা ঐগী মিৎনা থিবা হৌখি। করি মরমগীনো হায়বা ৱারী-ৱাখোং খঙনীংবগী ঈখৌলাংবনা। নুমিৎ খুদিংগী খুদোং চাবা মতম অমদং থিবা হোৎনরম্মী।

মমিং চৎপা স্কুলগী হৌনবী অফ-অফবা অঙাং, নুংঙাই-য়াইফবা মচা-মশু, থবক-থনা তৌবশিংগী মচানা নম্না তম্বা স্কুলনি। ক্লাস অমমমদা সেকশন মরি মরি খাইদোক্লিবনি। মহৈরোয় য়াম্বদুদা তাকপা খুদোং চানবা হায়দুনা। সেকশন অমমমদা হুফুদগী হুফুমঙা ফাওবা মহৈরোয়না তম্মি। মদুনা স্কুলগী ছুটি থারকপা মতমদদি অতিয়া মচুগা অঙৌবা মচুগী চপ মান্নবা ইউনিফর্ম ঙাক্তনা অতিয়া খেৎনা চেক্লানা চবুন চবুন পাইথোরকপসু মঙাই। লাপতক্লনকা য়েংলুরবদি ইচা-মীচা মশক খঙনবা ৱারিবনি। স্কুলগী অদুক চাউবা গেটতো কৃক কৃক ইন্নরদুনা থোক্লরক্লিবনি। স্কুল ছুটি থারকপা মতমদুদি ঙহাক্তং সড়ককাকসে জ্যাম ওইদুনা গাড়ী চৎপা ঙম্নদ্রিবনি।

“মনোলোভা” মখল মথেল শুনা য়োম্বা অচৌবা দোকাননি। দোকানদুগী মপা হেক য়ৌরকপগা ইচানুপীগী খোঙথাং হেক্তা তপথৈ। লেপ্তুনা লৈথোকখি। অচাপোৎ, শান্ন-পোৎচৈ, কেনা-খোৎনবা ফজ-ফজরবা পোৎচৈশিংনা অঙাংশিংবু মিৎ থকৎহল্লি, ঙাওহল্লি। ইখুৎ চীংলদুনা ঐবু পুসিল্লি ইচানুপীনা আইসক্রীম লৈরিবা মফমদুদা। মনুঙদা চঙশিন্বদা সাদিয়াসু অহলদুনা আইসক্রীম লৈবিরম্মী। লাংবনগী শারবা নুংশাগী মৈশানা চাকথেক্লবা হকচাং, হুমাংনা পুংলুপ লুপ্তুনা শেৎলিবা ফি-রোল ফাওবা চোৎলবদুদদি ফ্যান মখাদুদা ঙহাক্তং চঙশিন্দুনা ফমই। অহলদুসু মাঙদুদা সাদিয়াগা ফম্মিন্নরম্মী। ঐনা মামা আদাব হায়না হায়বদুদা অহলদো য়েংখৎলকই। হকচাং ঙমদে হায়না তারম্মি, খরা নুংঙাইবিরব্রা মাম্মা?

খরা নুংঙাইরে ইবেম্মা।

করি ওইনা নুংঙাইরুদবনো?

থোইদোকপা করিসু নত্তেদা। লোক লাইহৌ ওইনা তৌরুবনি।

ও! অদো মাম্মানা ৱানখৈ নুংতিগী অঙাং লৌথোক-লৌশিন তৌবিরিবসি মী অতৈগাক লৈতব্রা?

মমাসু মরক মরক্তা লাকইদা। থোঙ-থাকপা অতে অতে থবক-থনানা চিন্বদুদা ঐনা অদুম থিন্দোক থিঞ্জিন তৌরিবনি।

শরক্তুদা রেশমাসু মচাগা হেক চঙশিল্লকই। মী চিন্বদু উবদা অহলদো মচানুপী পুরদুনা থোকখ্রে। শাগৎপদুদা রেশমাসু ইনাক্তা ফ্যান মখাদা ফম্লরে। নহানদগী মাগা অমুক্তং-উননীংদুনা লৈরম্বদো ঙসিদি মপা চুম্না হেক চঙশিল্লকপসিদা রেশমাদা হংলে-মাম্মসিগী-অঙাংসিনা পিক্লিবগা, মাম্মসে করম হায়না অসুক থেঙনা লুহোংলুরিবনোনে রেশমা?

রেশমানা হায়রকই, মসিগী ৱারিশে শাংখ্রে ইচে। অহলসে ঐখোয়গীসু মাম্মশিং থোকই। সাদিয়াগী মমাসে মাম্মগী অনীশুবা নুপীনি। মাম্মগী অহান্বা মামীদো লৈখিদ্রে। মচানুপা অনীনী। মচা অনীমক লন্ডনদা থবক তৌদুনা লৈ। নুপী নহা লোইনা থীরে। মচাসু অমমম য়াওরে। অদুবু মখোই-সিদা লাকউ হায়বা অমত্তা য়াদ্রে। মাম্মবুসু মখোইগা লন্ডনদা পুন্না লৈমিন্নরসি হায়দনা কয়ারক লাকউ হায়রকপনি। অদুবু লন্ডনদুদা মাম্মনা লৈনিংদে। ইপা-ইপুনা থম্লম্বা য়ুম-ইংখোল, লৌরি-শিংজা পূম্নমক লংথোক্লমদুনা মীরমদুদা লৈনীংদে, শিনীংদে হায়দুনা চৎখিদবনি।



CamScanner

ইনে অহলদুনা লৈখিদবা কয়াম কুইরা য়াৎনো? করম হায়না লৈখিদবনো?

ইনে লৈখিদবা চহী তরুক ফাখ্রে। মহাক হার্টকী অনাবনা লৈখিদবনি। ইনে অহলদো লৈখিদবা মতুঙদগী মাম্মসে নুপী থিরোই হায়না লৈরম্বনি। অদুবু মাসু অহল ওইরক্লবনিনা য়ূমদুদা মতোমতা লৈবসে অনায়েক য়াওশিল্লকপা, চাক-ঈশিং থোংথাকপা, ফিশু-ফিজাম্বা না চিংবা থুদোং চারক্তবা ময়ামদুনা মী অমগী য়াম্না মথৌ তারম্মি। অদুতসু নত্তনা অসুক য়াম্বা পোৎ-চৈ, লৌরী-ইংখোল য়েংবিনবা লৈতদনা মাঙবা তারে হায়না খল্লরুবদা কোন্নথংদা নুপীসে থিবনি। মচাশিংদি সিদা অমুক হল্লক্লরোই। য়ূম-কৈ লৈরদুনা মচাশিং লাইরিক লাইসু তমহন্দুনা লন্ডনদা লোইনা মাগী মাগী শেমখ্রবনি।

চহী অমা অনী মতুঙ মতুঙ মচাশিংনা মাম্মবু উন্নবা লাকই। থা অমা অনী লৈরম্লগা অমুক চৎখি। মচা-মশুশিং লৈরিঙৈ খরনিদুদি কয়াদা নুংঙাইনা ৱা ৱা লাউনা নোক্লা লেঞ্জখিবা! অদুগা মচা-মশুশিং হনখ্রগদি অদুক চাউবা য়ূমদুদা মতোমতা পুংচিক চিন্না ওন্থোক্লা নুংঙাইতনা লৈহৌখিবনি। মতমশিংদো নীংশিংলুরগা হৌজিকসু নুংঙাইতবা ফাওই। অদুদৈ মরী-মতাশিংনা হায়না-চৎনরদুনা মামী সালমাসে লুহোংদুনা পুরকখিবনি।

মচাশিংদি করিসু ৱারৌবা নুংঙাইতবা তৌদ্রা?

মাম্মনা ৱানা লৈরিবদু উবদা মচাশিংসু করিমতা হায়খিদ্রে।

ইনেশিনা কদায়ৱায়গীনো?

থংনবা খুনসিদগীনি। মচিন-মনাও নুপীঙাক্তা মরীখক্লি মখোয়গী। য়াম্না ৱাবা ইমুঙনি। মামীসিনা মচানুপী অহননি। মপা মতোমতা শূ-তাল্লগা চাবনি।

মাম্মসিদা লুহোংবগী ৱাফমদো ইনেসিদি য়ানীংদবকা লৈত্রা?

অহান্বদদি শূকয়া য়ারমদে। য়াম্না কূপ্না-খোৎনা তৌরম্মী হায়। মরী-মতাশিংনা থেম্না-নৌনা হায়বদগী য়ারিবনি হায়। অহল খরা ওইজবদনি, হৌজিকসু য়াম্না কল্লি। না-য়েক্তে, খিং খিং লাউনখে লৈরি। লন-থূম্না পৈনা লৈরবসিবু নঙনা ননীং তম্না লৈরুগদৌবনি। অদুগা নখোয় য়ূমগী অৱাবসু য়েংবিদৌরিবনি। করিগী অদুক থৱায় নুংঙাইত্রিবনো হায়দনা মমা-মপাদুদসু হায়জদুনা হোংলকখিবনি।

রেশমা, ইনেসিগী খল্লুরবদি য়াম্না নুংঙাইতে। নুংঙাইতে ইচে, অদুবু হৌজিক্তি মামীখোয়গী মপামদুসু য়াম্না নুংঙাইনা লৈজরে। লৌ-শিং পূম্নমক মখোইনা লোইনা উবিরি, য়েংবিরি। অদুগীদি নুংঙাইরে।

নুংঙাইরে হায়না হায়রিবা মীপুং খুদিংমক্লী মরুমদাসু অসুম অৱাবসে লোৎতুনা লৈরম্মি, লাইরবগীদমক মী অমগী নীংতম্বা পূন্সিবু লৈবা য়ারিবনি। ইনে সালমানদি ইকায়-নুংশি য়ান্ননা ময়ামগা হরাও তয়াম্না তিন্নবা তোৎনবা ঙমদ্রি। চীন্বানথোংদা ৱাহং কয়া হংলকত্রবসু মীগী মিৎয়েংগী ৱাহংদুদি ইচম চম্না লৌশিন্বা ৱারি। নীংঙমদবা পেনদবগী চৈনাদুনা থম্মোয়নুংদা ইকায় নুংশি য়ান্নদুনা অৱাবা মপৈ মপৈ ওইনা হাপচিনবিররি।

# অমম্বা অহীং

ঙন্না লিংখিবা লৌশিংনা মেরা-হিয়াঙ্গে য়ৌরক্লবদা চদোন ঙাঙলবা ফৌ চরোংনা মরূ লূক্না হায়থরদুনা লৈরি, করম্বা নুমিত্তা লৌবুনা যূমদা পুখৎপীদুনা চঙগদৌবা। লৌবুক্তা মথং মথং মুনশিনলক্লবা ফৌ ইন্দ্রসাইল, তেরাফাৎলি, মোইনাহন, বড়কলা, মধুমালতি, চান্দিনা, পাইজোম ফৌশিং খাওরদুনা লৌবুশিংদুনা পামফৌ ফৌরগা কংলবা মতুঙদা ফৌপুন পূল্ল-পূল্লদুনা যূমদা পুখৎলকপনি। কুমসিদি চহী খুদিংগী মতৌগুম ভাব-মেন তানা লৌ-শিং খাওবা পামফৌবা ঙম্মদ্রে। লৌবুক্তা থোকপা ফাওবা কিনরে। নোংমৈ গুলি মরক্তুদা শরক শরক্তা থোক্লদুনা মাগী মাগী লৌ-শিংদো অথূবা মতমদা খাওদুনা যূমদা পুখৎনরকই। ১৯৭১ খ্রিঃ কুমগী নীংতম লান কনশিল্লকপা মতম ওইবনা থৱায়-মিহুন খূবাক্তা হাপ্তুনা লৈনরিবা ঙাক্তনি।

নোংমৈ কাপ্লবগী পোড্রোক পোড্রোক মখোন্না ঙহাক লৈতনা মিহুন-থাহুন পাইখৎহল্লি। থক্তা নোংমৈ মরু পাইনা চৎপা উবদা ফমথৈ, উপ্রাক উপ্না হিপ্না লৈনৈ। এরোপ্লেন পাইবা মখোল হেক তাবগা বাঙ্কার মনুঙদা হেক্তা চেনশিল্লি। চাদ-থক্তবদি য়াদবনিনা কি-না কি-না হেনফদ্রবা পোৎ-চৈ লৈবগীদমক মমদ্রিঙৈদা কৈথেল কানৈ। ঙা-কা চাদবা ফনা কুইরক্লে হায়দনা তোনম্লা কৈথেলদগী ইলিশা ঙা অমা লৈরকই, যূমথংননা লৈমিন্নরিবা ময়াম্বা লৈরেনজাউগা তিন্ননা চামিন্ননবা হায়দুনা। মাঙ্গোলদুদা মতৈমা মালিকানা ঙা শেম্বা লোইরদুনা শরুক অনী থোক্লা তংখাই য়েনলে। তোনম্লা মচানুপীদা হায়রি, নক্ষানথৌখোয়দগী ঙাসি লৌরুচো ইবেম্মা। অঙাংদুনা শূমাঙদা কুমথবতা মঙাইরি অমুক পোড্রেক পোড্রোক কাপ্পা হৌরকই। অঙাংদো অমুক শূমাঙ ময়ায়দগী হন্না চেনশিল্লকই।

নুমিৎ নীনী মতুঙ নোংমা অয়ূক্কী চাকলেন চাব লোইবতা মঙাইরি। কৈথেললোমদগী নোংমৈ খুৎলাই পাইবা মিলিটারী ময়াম্মা নোংপোক পাংনা মরী মরী কাখৎলক্লে হায়নরকপদগী খুদক্তা নিপা নহা, নুপী-অঙাং, পূম্নমক তুরেল মরীনদা, লৌরক্তা, ৱারক-মোংশোং মরক্তা মাগী মাগী থোকপা লোইনা লোৎনখ্রে। যূম যূমদা হনুবা-হনুবী অমা-অনী লৈহৌবা নৎতনা পুমচিক চিকখ্রে ঙহাক্তংদুদা। লাক্লে হায়বগা মিৎকুপ্তা য়ৌশিল্লকখি খুৎলাই পাইবশিংদো। যূমগী অকোয়বা, মনীং-ময়া থুংনা কোয়থি থিবা হৌখি। মখোয়গী বুট খোঙউপকী ঘূপ ঘূপ লাউবা মখোলনা

থোইনা হেন্না মিপাইহল্লি। পুথ্রিগী মপান মপান ঈশিং মনুঙদকাক চৈনা থিন থিন্দুনা য়েংই, করিবু থিরীবা মখোইনা খঙই। তোনস্লাখোইগী মনীংদা পুথ্রিগা থংনবা লৌ পরীশিংদুগী লৌরিদা চৎলদুনা কোইয়েং কোইয়েং য়েংবা হৌখি। অদুগা বেরহো বেরহো হায়দনা কন্না কন্না লাউবা হৌখি। লৌরক্তুদগী লৈখোম-লৈনাং ইতে তৈরদুনা অঙাংশিং ময়াম্মা থোক্লকই। অদুগা লৌরিদা পরেং শানা লেপ্পা লৈহল্লি। মদু উবদা মখোইনা অসিদি অঙাং মচা মচা ঙাক্তনি হায়দনা মুন্না য়েংলম্লগা মখোয় লোয়না মমাঙ লৈকায় তম্না অমুক কাখৎখ্রে।

য়াচংলমদাই মমজি মমজিবা মতম'দুৱাইদা লোৎনরুবশিংদো অমুক মাগী মাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্নরক্লে অদুবু মিলিটারীশিংদো অমুক হঞ্জিনলক্কদ্রা হায়বগী অকিবদি কোকত্রি। নুমিৎনা য়াচংখিদুনা মালেম পূম্বা অমম্বা ইন্নফিনা কুপশিনখ্রবদা পাখৎপা মিপাইবনা মীৎ কক্লামা উইশিন্বা য়ানরমদে, অহিংদা অমুক করিবু থোক্লগবা, করিবু তৌরগবা খন্বদা। অহিং হেক ওইরকপগা মীহুন-থাহুন থকৎনবা হৌই। ওন্থোক্লা পূক্নিং ৱাখল শোন্থনৈ। অমুবা ফীজং হায়দোকখিদুনা কোরৌ মঙাল উরবদুদতা হিংলদমারে হায়বগী ৱাখল পোকই।

থাবুংমুক্কী মতুঙদা নোংমদি ইখঙ খঙহৌদনা অহিঙ অথেঙবদা থোঙ কাওররে। নিংথমথাগী ঈংবনা ত্রৎ ত্রৎ লাউরবা মতমদুদা তোনস্লাদি ঈংবকাক ফাওখিদ্রে। হকচাংদা মোজা ফুরিৎ অমত্তং থোংলদুনা তোনস্লানা কিনা কিনা থোঙ হাংদোকই। থোঙ হাংদোকপগা তোনস্লাগী মখূৎ তাপ পাইদুনা চিংনা শূমাঙদা পুথোকখ্রে। মিলিটারী খরমসু ময়াম্বা লৈরেনজাওগী থোঙ কাওদুনা ময়াম্ববু চিংনা পুথোরকই। ইনৎ নত্তবদা মরৈ থাংবা ৱাঙাং, ৱাহং কয়াদং হংবা হৌই। হায়রি নয়ূমগী অরৈবা চে-চাং লোইনা পুথোরকউ। হায়য়ূ কদায়দা লৈ? তোনস্লানা খূমই। শোন্দুক উপুগী লুখুমলোমগী মথক্কী থারিয়াদুদা ট্রাঙ্ক উপুশিংদুদা য়ূমগী চে-চাং পূম্নমক লোইনা য়াওরিবনি। ময়াম্বা লৈরেঞ্জাওদসু অদুম্না হায়রি। মিলিটারী অনী ইমুঙদা চঙদুনা ট্রাঙ্ক উপুশিংদো পুথোরক্লে। ঈংখ্রবদুদা অহিং চুপ্পা লেপহল্লদুনা মখোয়শিংদুনা চে-চাংশিংদো লোইনা চাইখায়দুনা য়েংখ্রে। নোঙাল্লমদায় মতমদা তোনস্লা মচিন-মনাও অনীমক পুখ্রে কামাশ্বরা কেম্পতা। তোনস্লাগী নুপী তোম্বীসনাদি কিবগা মিপাইথিবগনা ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে। মপূক্নিংদা খল্লি, লৈকায়সিদা কনাসু ফাদ্রগা করি মরমগীনো মচিন-মনাও অনীসিদা ফারিবা? কনাগুম্বনা করি হায়শিন্বীবা য়াওরিব্রা? মতমদুদা ইন্ডিয়াগী করিগুম্বা পোৎ অমত্তা উবা য়ারমদে। অমুকসু খল্লি, মপানা ইন্ডিয়াদগী মাইক, গ্রামোফোন, ঈশৈগী রেকর্ড থালি, মেশিনারী পোৎ-চৈশিং পুরক্তুনা মাইক সার্ভিস পীবদুদা ময়াংশিংনা থিঞ্জিন্দুনা ফাহল্লিবরা? মদুগী চে-চাংরা থিরিবসে? লৈবাক লাঙবা হৌরকপদনা মদুদি থম্বা য়ারোই হায়নরকপাদগী মদুগী পোৎ-চৈ পূম্নমক্তুদি লোইনা অমত্তা লৈতনা থৈদোকখ্রবনি। অশাংবা মাইককি ধূতুরাশিংদুনা পুথ্রিগী ময়ায়দা লৈবাক মনুঙদা নমশিনখ্রবনি।

মতমদুদা হায়নবা লৈ, "লীচৈ চানীংলদি কামাশ্বরাদা চৎলু অদুগা কিহোম চানীংলদি কোনাগাও চৎলু।" কামাশ্বরাদা পুখ্রবদি য়াম্না পাখথনৈ, নুংশা থীনৈ করিবু তৌবিগবা হায়দনা। নুপি-নহা কয়াতংসু ফাদুনা পুবিরিবনি। মীমতনা ঙাঙলুবগী মতিক লৈতে মদুদা। ঙাঙলুবা মহাক্তুদি অদুম থরায় মাঙজরে।

ঙাইনা ঙাইনা নোঙালকপদগী নুমিৎ তাখ্রে। অদুম অদুম মমশিল্লকপনা অকিবা ফংনা ঈচিক হুনখ্রে। তুম্বা-চাবা, মফম খঙদনা নোঙাল্লকপতবু ঙাইরদুনা লৈরে। লাংতক্লবনা মচেমহন মালিকাগা হংনৈ করিনো তৌগদবসে ইচেমহন?

করিনো হায়ফম খঙদে ঐসু। ঙাইবা নৎতনদি কনানসু পাউ লৌবিরু হায়বা য়ারোই। কনানবু মফম অদুদা চৎনবগে? লাইবক্তা তম্বা অমা লৈরমগনি ইনাও। ঈশ্বরবু খুরুম্মু।

নুমিৎ নীনী লৈরুবা মতুঙ নুমিৎ হুমনি শুবগী অয়ূক্তা নুমিৎনা ঙাঙ্রা মঙাল শন্দোরকপা মতমদা তোনস্লাগা ময়াম্বগা হল্লক্লে। পূম্নমক পূমনিল নিল্লি। ঙহাক্তুদা মী-না য়োম্মী লাক্লে হায়বদুদা। কৈসু তৌরকত্রা হায়দনা হংনৈ।

অহিং অনী কৈসুমতা পীজদনা থম্লবা মতুঙ ঙসি থাদোরক্লিবসিনি।



CamScanner

# নুংশিবদি ফজৈ

স্কুলগী ওজা মোমিন চৌধুরী থবক্তগী পোখাবা চহী অনী ফারক্লে। থবক তৌরিঙৈগী মতমগুম হৌজিক্তি তোলোব ফংদ্রবনিনা লুপা-পয়সা য়াম্না চেকশিন্না শিজিন্নজে। মাগী নুপী আনোয়ারাদা হায় লুপা-পয়সা থোক্লিংঙাই লম্বীসু লৈত্রবনিনা পোৎ-চৈ লৈবনা চিংবা খরা হৈনা-শিংনা হোৎনৌ। থা-থাগী পেনশনগী লুপাদো ফংবগা নোংমা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদবা হৱাই চেঙৱাই, থাউ, থুম, মোরোক য়াইঙংনা চিংবা থম্বা য়াবা পোৎলমশিং পূম্নমক থামগী বাজার পুন্না পুন্না লৈশিল্লি। মতৈ-মনাওদা চাবনিনা লেম্না পানা ওকচৈ।

মচানিঙোল অমতং য়াওজবদুসু খ্বাইগী চৎনবী মতুঙ ইন্না অওং-অউন তৌরদুনা থাজখ্রে। লেমহৌবা লুপা খরা লৈজরিবদুনা শিদ্রিফাওবদি চানা-থক্না হিংবা য়ানি হায়না মতৈ-মনাও অনী ৱারী শান্নে। মচানুপী থাজবা মতমদা টিভি, ফ্রিজতগী হেল্লদনা মোতর সাইকেল উল্লকউ হায়না পাউপূবিবা মীদুনা হায়রকখিবনি। তোলোব য়াম্না চাউনা চাবোই খল্লদুনা অদুগা নিঙোল মপানিনা মরাইনা পিজরক্কনি হায়না তৌরম্মীবা ওইরে। মখোইনদি খঙদ্রবনি স্কুলগী ওজানা কয়া চাউনা তোলোব চায় হায়বদো। ইচানুপীসিদা নুংঙাইনা লৈজরুনবা খল্লদুনা ঙাংনীংবা কয়া ঙাংদদুনা খাঙখিবনি ফজ-ফজনা লুহোংবদুদা লোইশিনখিনবা হায়দুনা। অদুবু য়ূম পানখিবা মতুঙদগীদি থোইনা মনা-মনিল নাইরকখিদ্রে। ময়া নিপাদো য়াম্না ভাব-মেন তাবা ওইবনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নখ্রে। মোমিন মতৈ-মনাওনা অদুতনি ঈশ্বরদা থৌনিজবসু।

মোমিন্না অয়ূক ঙন্তা ঙহাক কোইথোক্লদুনা হল্লকপদা চেখাও ময়োম মচা অমা খুত্তা পাইরদুনা আনোয়ারাদা শিন্নরি। সে সে ময়োমসিদা য়েরুম নিপালখক য়াওরিবনি, ঙসিদি মদু ওইনা থোংজিল্লগেরা য়েংলো। আনোয়ারানা য়েরুমদো অনীখক্তং থোংলগা অতৈদুনা য়েংগোন্দা থমখ্রে। খরনি মতুঙদা নোংমদি মোমিননা হংলকই, নহানগী য়েরুমদুবু লোইখ্রব্রা? ঐবু অমুক্তং চাখিমালে।

আনোয়ারানা হায়রকই হোয়, নঙগী য়েরুমদো তু শূমাংদা য়েন মচা খরা কোইচেন চেন্না মচিঞ্জাক চারিবসিনি য়েংবিয়ূ। অহ! য়াম্না হৈহে আনোয়ারা। য়েন্নাও মচাশিংদুবু য়েংলদুনা মতৈ-মনাও নোকমিন্নে।

মোমিন থবক-থনা শূবদা নুপীগী থবক নিপাগী থবক হায়দুনা তোঙান্না থমদে। অনীমকসু অহল ওইরকপসিদা মাগী নুপীগী থবক-থনাদসু মানা অঙম্বা মতেং পাংশিল্লি। মতম খুদিংমক্তা অৱাববু তংখাই ৱামিন্নসি হায়বা ৱাখল-পুকখলনা অঙম্বা মতেং পাংজবসি মাগী হৈনবী অমা ওইনা তৌজে। নোংমতং খোন কন্বা তৌজদে। মতৈ-মনাও অনীগী নুংশিনববু উবদা মীনা ৱারী ওইনা শোন্নরিবনি, অহল ওইরক্লফাওবা হৈ হায়বা অয়াকপা খোঞ্জেলমা তাদ্রি হায়দনা। অসিনী থম্মোয় শেংনা নুংশিনবা হায়বদো।

# নীংঙমদবা

পুন্সি চেঙজেল লোইরক্লবা মতমদা বিপিননা নুংশিজরবা মতু, মচা, মমৌ, মশুশিংবু মিৎকুপ অমতং উনীংবনা ওম্থোক্লা খৌরাংনা ঙাইজখিবনি। কোরোনাগী লাইনা-লাইচৎনা মালেম শিনথুংনা শন্দোকখ্রবদা ইমুঙমগা ইমুঙমগা চঙনখিদ্রবা মতমদা বিপিননা অসুম্না নারকপসি য়াম্না থরায় ৱাখি মতু মচাশিংনা। নোংমা নোংমগী অনাবনা অসুম অসুম হেঞ্জিনলকপনা বিপিনবু শহরগী অচৌবা লাইয়েংশংমদা পুখৎখ্রে। শহরদা পুখত্তুনা লায়েংলুবা মতমদদি চাকখাউ য়াম্না শোকলে অদুগা কোরোনাসু য়াওরে হায়না হায়রকখি। নুমিৎ তরানিমুক লায়েংলবা মতুঙফাওবা ফগৎপগী মওং করিমতা লৈরকত্রবদা মচানিপানা ডাক্তারগা চিন্না ৱারী শান্নদুনা হংবদা অনাবগী ফিভমসিনা পংকুই কুইররোয় হায়বদগী য়ূমদা পুখ্রগে হায়না পুদুনা লাকখিবনি।

ময়ূমদা পুরক্লগদি মাবু ইমুঙ মনুঙদা পুশিন্দুনা থম্নীংখিদ্রে। তোঙান্না য়ূমগী মপান থংবা শরুক মী-পোং লাক্লগা লৈননবা য়ূমদুদা তোঙান্না মাবু লৈহনবিখ্রে। অনাবনা হকচাং পূম্বা তাশিল্লক্লবা মতমদুদা মতূ-মচাগী মোল্লবা খুৎশাদুনা নাম্থহন্নীংলম্মী। নুংশিনা মাই-মিৎ তৈথোকপীদুনা, চাক চখোমমত্তং ইনহন্নীংলম্মী। অদুবু ঈশিং চখোম অমা পিথকপীনবা মী অমত্তা মনাক্তা লৈখিদ্রে। চাব-থকপা মতমদা অমনবা কোঙৌগী পুখম্মদা চাক-য়েনছাং হাপ্লগা মনাক্তা ইনশিল্লম্মী। প্লাস্টিক্কী গ্লাস অমদনা ঈশিং। মনাক্তা থম্বীরম্লগা থোকখিবদো উবদা মমিৎ উইশিন্দুনা উদবা শারদুনা অৱাবা কয়াবু খাঙজহৌই। অমৃত তোৎতুনা থমলম্বা চাক ওইরবসু অমুক চানীংবা পোকখিদ্রে। অতৎপা লৈতনা শিন্থরকপা মিৎলুগী পিরাংতনা মোনদো চোৎখিরম্মী। ৱাহৈ-ৱাতামা হায়নীংঙাই মী লৈখিদ্রে। অনাবগী অৱাববুদি নুংশিহৈতবগী মতৌসিনা হেন্না খাঙবদা ৱাখ্রে।

নীংশিংহল্লি কল্লিঙৈ মতমদো। মতূগী মচাগী করি ৱাৎখিগদগে হায়না লুপা-পৈসাগী মতুঙদা পুন্সিমা চেনখিবদো। নোঙালকপদগী নুমিদাংফাওবা কয়া ৱানা থবক তৌখিবা। খজিক খজিক তৌদুনা লেপশিনখিবা লৌশিং অমসুং লনথুমনি। মতমসিদদি মানা ৱাজখিবদো অরেম্বা ওইরবোইরে হায়না খল্লকখ্রে।

নুমিৎ হুমনি মতুঙদা বিপিনগী মচননুপী প্রভাবতী মবুং ঙমদবগী পাউ তাদুনা

লাকখি। মবুংগী তৌরম্লিবা ফিভমদো উবদা থম্মোয় পুবা ঙমখিদে। মচননুপীনা অকিবা হঙ্গোইবা পুন্নমক তুংওইনরম্লগা অয়ূক্কী নুংথাংগী পীজ-পীথক তৌরদুনা সেবা তৌবিখি। মচননুপীনা চাক ইল্লদুনা পীজবদুদা মমানা অঙাং নৱা ওইরিঙৈদা মতম্বাক্তা নুংশিনা কোনবিদুনা চাক ইনবিখিবদো তরং তরং মিৎতা ময়েক লানা উরকখি। হায়রকখি প্রভাবতীদা, মতম পুন্নমক্তা নঙ নুংঙাই য়াইফবতা ওইয়ূকো। ননা ঐ হৌজিক শিরবসু পেল্লে।

নাবগী নুমিৎ তরামরিনী শুবগী অহিঙ অথেংবদা বিপিন ঈশ্বরগী খূয়া তানখ্রে। নোঙাল্লকপগী অয়ূক্কী চরা ৱানবগী পুশিন্দুনা চঙবদা বিপিনদি কৌবা তাখিদ্রে।

কোরোনা লাইনানা নানবা মতমদা অসিগুম্বা নুংশিহৈতবগী ৱারীশিং কয়ানি থোকখিবা। অনাবদো শিরবা মতুঙদসু অশিবদুবু পোৎলোয়বিনবা লৈতদুনা তানা লৈখিবা, অদুদগী সরকারগী মীনা পাউ ফংলবা মতুঙদা লাক্কুনা পোৎলোয়বীরম্বনা কোঙ্গাইনি। অস্তিচন্দন, শ্রাদ্ধ-কর্মদসু মী লাকপীদদুনা হেনফদবা ঈশৈ শকপা, পুঙ য়ৈবা, ব্রাম্মণ মখোয়শিংদুসু খুরমদুনা ঐগী কর্মশিদং লানবীয়ূ হায়জরগা মী মঙা তরুকতনা লোইশিন্বা কয়া য়াওখ্রিবনি। নুংশিবা হায়বসে অসুক্কী মমল লৈখিদ্রমালে হায়না খলহল্লি। অমরোমদনা নুংশিবগীদমক থৱায় কৎথোকপদসু তুজুংবা লৈতবা, অদুগুম্বা ৱারী কয়া কয়াসুনি লৈরিবা। অঙকপনি মালেমসিদা থোক্লিবা ৱাথোক-লাকথোক পুন্নমক। পুন্নমকসু ঈশ্বর মাগী লীলানি।



CamScanner

# হুকখিদ্রবা কুন্দো পরেং

মীওইবনা পাম্বনা অমা ঈশ্বরনা শিম্বনা অমা। মীওইবনা পাম্বা খুদিংমক খক নীংবা থুংদে। অতোলঅমু খুনজা খুদিংগী ইনাকখুনবশিংগী মশিং পারকপদা খুথেক্কী মনুঙদা চল্লিবা মীওই অমনি। লৌ কেয়ার চামা চাবা অতোলঅমু হায়না খঙনরিবনি। মীনাই-মীশনগী মতিকচাবা খূৎশূমন পূম্নমক পীবা লোইরবা মতুঙদসু চাউরা চাউরবা ফৌগৈ অহুম খিল্লিবনি। চহীমদৈ চহীমা ওল্লকপা ফাওবা চারবসু লোইদদুনা ফৌ-চেঙ তাইথোক্লিবনি। ঙা হায়রে পুখ্রিদা, লৌবুক্কী ঙায়োক কোমদা ঙা য়োক্লদুনা চানীংবতনি চারীবা। মীনাই-মীশননা লৌ-শিং, হিঙ্গোল-শম্বন পূম্নমক য়েংলবসু মহাক কৈদৌঙৈ ফমদোক্কুনা লৈথোকপা হৈনরমদে। মাগা লোয়না লোয়ননা কদায়দা করি তৌগদগে হায়বদো মানা তাক্লদুনা মখোইগা শুমিন্নে, য়েংমিন্নে।

রানীসখী, রমেন্দ্র, শ্যামসুন্দর, বাবুধন অমসুং শ্যামাসখী মচা নুপী-নিপা মঙানি। লনথুমসু মীসু চপমান্ননা খূৎকন-পাঙ্গলনা য়াম্না লীংনা নুংঙাইনা পাল্লিবা মতমনি। মহাক্কী নুপী মুখিসু মবুক-মপাউ ফবদা ৱারীনরিবনি। মচা-মমৌবু য়াম্না নুংশি চান্ননা লোইনৈ। অদুনা মশূশিংদু মবোক্লা চেকশিন্না য়োকপি-থাকপিবদুদা মমাদা য়েত্তদুনা মবোক্তা হেন্না য়েৎলি। মবোকনাক্তা অদুম শ্রু-শ্রু নৈশিন্দুনা লৈরম্মী।

মচানুপী অহল রানীসখীনা লৈশাবী ফারকপা মতমদা লৈশাবী-পাখংনা লৈকায়দুদা পাঙথোকপা মতম মতমগী হরাও-কুমহৈ শজিবুদা লিকোন শান্নবা, মেরাগী নিঙোল পালি, কৃষ্ণজন্ম, রাধাজন্ম, থাবলচোংবা খূদিংমক্তা মকোক চিংলদুনা অয়াম্বা লুপা-পৈসা মানা পুথোক্লদুনা চাউ চাউনা হরাও-কুমহৈ তৌরম্মী। মতমদুদা নিপা ঈশৈ শকপদা বৃন্দ সিংহ, কুঞ্জ (লৈমনাই), কালা (লৈমনাই) হায়দনা মমিং চৎলম্মী। অদুগা নিপা-পালা, সাত-সম্প্রদা কীর্তননা চিংবা ঈশৈ-নোংমায় য়াম্না শক্লরম্মী। অদুগা নুপী ঈশৈ শকপীদনা- থোঙাম কোইবী, অরাম্বম চাউবীহন, কৈশাম বেবে হায়না মমিং চৎলম্লি। নুপীপালা, নুপীগী খূবাক ঈশৈসু য়াম্না শক্লরম্মী। অদুতসু নত্তনা হরাও-কুমহৈ থোকপা খুদিংগী নোংমা মমাঙদগী মাইক পাল্লদনা তৌনরম্মী। মেরা থানা লাকপদা নিঙোল পালিদা শান্ননবা হায়না থা

অমা মমাঙদগী হৌনা লীলাসু তম্লদুনা শান্নরম্মী। মতমদুদা লীলা শান্নবদা মমিং চৎনা নুংঙাইখিবা লীলাশিংদি- 'হূগী পোলাঙ', 'ইচাশা ইপা লম্বোইরে', 'মায়নু প্রেমচা' হায়বা লীলাশিংনি। লীলাশিংদো অতৈ অতৈ খূনজাদগীসু বার্তোন ফংলদুনা থাপ্না শান্নবা চৎলম্মী।

হরাও-কুমহৈশিংদা রানীসখীনা শেৎ-চাব, কেবা-লাকপা ফজবদা য়েংনরিবনি। মশক্না-মতৌনা ফজবনে ঙৌগ্রোক ঙৌবদুদা শেৎপা-চাব খুদিংমক ইপকতা পকচৈ। হায়নরিবনি রানীসখীদা ঙাওদবা পাখংদি কয়া লৈবু লৈরম্লরোইহে হায়দনা। শেৎনীংবা শেৎ, চানীংবা চা তৌরদুনা লৈজবনি। মতমদুদা নুপীনা লাইরিক লাইসু য়াম্না তম্নরমদে। ক্লাস মঙাফাও তম্লবদি য়ারে য়ারে, নুপীনবু লাইরিক কয়াম তম্মি হায়গে, করি কান্নবনো হায়না অহলশিংদুনা লাইরিকাক য়াম্না তমহল্লমদে। অদুগা নিপাশিংদি অঙম্বনা অমসুং তমহন্নীংবনা অদুম তমহলম্মী। নুপীশিংনা ফিরোল শাবা, লোনবা-খোৎপদা মপূক্লিং চঙনরম্মী, লোয়না লোয়ননা রাসজগোয়, বেনীজগোয়, রাখাল জগোয়, উদুখোননা চিংবা জগোয়শিং য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নরম্মী।

মিৎয়েং তানা ফজবা লৈহাউ পাম্বী অনীখক খোংনাং শারদনা অতোলঅমুগী শূমাং মতোনগী নাকল অনীদা হৌরম্মী। পুংঙাং ঙাংনা শাৎলিবদু আঃ.. লম্বীদগী উবা ফংই। অউবা খুদিংমক্না শোন্নে-ইস! লৈহাউসিদি ওন্থোক্লসু ফজনা শাৎখ্রেদা হায়দনা। রানীসখীনা নুমিৎ খুদিংগী য়েন্দায় অমমম থন্না লাইদা কৎলি। নুমিৎ খুদিং নোঙালকপগী থোঙ হেক হাংদোক্তুনা থোরকপদা লৈহাউ পাম্বী অনীনা মশা হায়থা হায়থরদুনা শাৎলিবদু হেক উবদা ৱাখল পূক্লিংবু হরাওহল্লি। মনম্না লৈকায় লান্না য়েন্বীরি। থোয়দোক-হেন্দোক্না ফজবা হায়বা খুদিংমক ৱাখল-পূক্লিংদা ঈথক-ইপোম হৌহল্লি।

মতম কয়ানি ঙাইজরকপা রানীসখীগী ৱাখলদা ককঙাওনরবা অজিতনা মাগী নুংশি মপাউতবু রানীসখীগী মফমদা অমুক্তং য়ৌহঞ্জনীংবনা মতাংচাবা মতম অমতং ঙাইজরম্মী। ফাইরেল থাগী পূর্নিমা মতুঙ নীনী কোনবদা থাবল চোংফমদা শোয়দনা ফোঙদোক্লগে খল্লি। নুমিৎতো থাবল চোংফমদা নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা থংনবা খুলশিংদগী পাখং লৈশাবীশিং মরী মরী লাকখৎনরকই। মওল-মওল ৱাখলদা পূক্লিং চরাং-মরাংনৈ অজিত। অসোমদনা বেন্ড-পার্টি, ধোল, বাঁশি, কালাবাঁশিনা চিংবা মখোল হৌনা হৌনা য়ৈরি, খোংলি। মমিং চৎলবা শৈশকপা ওজা বৃন্দনা ঈশৈ শক্লক্লি, "লৈগী লৈকাদা খোইমুনা ঙংলে, নামীবা নুংশিৎনা লিরি লিরি হুমলে, লৈগী লৈকাদা" হায়দনা। অমুকসু য়েংলি রানীসখী লাকখ্রবরা হায়না। মাইক্রোফোনদা লাউথোরক্লি, পেন্ডেল মনুঙদা লৈশাবীশিং হান্না চঙবীরকলো। মমিৎ কুপ্তমখৈ য়েংলি কদোমদা চোংলিবগে হায়দনা। অদুবু খ্বাই মাঙদা মকোক চিংদুনা চোংলিবদো খঙউ উরুবদা মিহুন দক-দক লাউরকই। মপান নাইবা থম্বাললৈকোক ফনেক, থম্না

মচুগী খেমজি ফুরিৎ, লৈ মচুগী ইন্নফি, চোইজাইনরবা শম্লাংনা মনঙ্গন থল্লা জম জম লাউনা তারিবদো উবদা মীৎ কুপ্তবমখৈ য়েংলি। শরক্তুদা মাইকনা অমুক্কা হায়রক্লি, পাখংশিংসু চঙবিরকপা য়ারগনি।

খঞ্জরম্বা ৱাখল ঙসিদি নীংবা থুংলে অজিত, থাবল চোংবা হৌবদগী লোইবা ফাওবা মীৎকুপ অমতংগী খূৎ থাদোকতে। হায়নীংবা তম্নীংবা নুংশিৱারী পূম্নমক অমত্তা চিখদনা ফোঙদোক্লগে মতৌগুম। রানীসখীদি ইকায়বনা উমঃ, আঃ, হায়বা নৎতনা থোয়দোকপা অহেম্বা খুমদে।

অজিত-রানীসখী অনীগী নুংশিনবগী মতম শাংলকপগা লোয়ননা নুংশিবগী চাংসু অদুম অদুম হেনগৎলকখি। নোংপোকখুলগী মীয়াম্না কৈথেললোমদা চৎকদৌবা ওইরবদি রানীসখীখোই মমাঙ থোঙ্গাল ওইনা চৎপা তাই। অজিতনা কৈথেললোমদা লাকপদা রানীসখীনা লৈহাউ খুজোকমা লারৈদা য়োম্লদুনা থোঙ্গালগী মনারৈ-শম্বন মরুমদগী মাগী মতা ঙাম্বীহনগা লোয়ননা লংনা থাই। ওই-য়েৎ মুন্না য়েংলগা নোক্লা নোক্লা লৈহাউগী লারৈদুবু খুন্দুনা নুংশিবা লৈনমদুবু শাংনা অমুক্তং চিংশিল্লি। অদুগা ফুরিৎখাউদা হাপচিল্লগা চৎখি। রানীসখীগা-ঙাম্বীহনগা নোকমিন্নদুনা হরাওনা য়েংলদুনা লৈহৌই।

হরাউনা নোক্লা চহী অনী লেনখ্রে। শজিবু লিকোন শান্নবা, *যুগোলবার্নী* কামিন্নবা, জুড়ামান্ডব (রাসপূর্নিমা) চৎমিন্নবা। ফাইরেল থা-না লাকপদা লুহোং খোংদোংবগী মৌ হায়বা লাকখি। যুগীমপালগী পদ্মবাবুগী হায়বা লাকপদা রানীসখীগী মমা-মপানা য়াম্না পাম্লদুনা মচানুপীবু পীনীংখি। মবুক-মপাও ফৈ, ইং-তপ্পী। অদুগা থবক অমসু তৌরি। ৱারী-ৱাতাই শান্নবদো তাবদা রানীসখী খঙলে ৱা পীখ্রগনি হায়বা। মপাদা হেক হায়বদু হায়ঙমদবনা মমাদা হায়রে, ইমা ঐ নিপাসিদা লুহোংনীংদে।

- করি তৌরবগে? ফৈ হায়দনা অহলশিংনা য়ানখ্রে।

- কৈসু তৌদে ইমা। ঐ নিপাদুদা তল্লি ইমা।

- হৈ, নপানা হায়বদো য়াউ। ফৈ মরমওকই হায়দনা হোৎনরিবনি। মীমাঙদা নত্ত নত্তবকাক তৌনুকো।

লুহোংবগী পাউসে অ[illegible]িততা খঙহল্লে, ইকুই কুইদনা [illegible]জিতকীসু হায়বা লাকখি। অদুবু লাইবক থীবদি য়েক-শলাই তিন্নরম্বনা লৌনা-লৈনবা য়াদ্রে হায়না হায়রে। অপনবনা পল্লবদা করিসু তৌনীংঙাই লৈতে। অজিতনা চেনখ্রশি হায়না নীংশিংবদদি হৈজিংপোৎ পুবনা হানখ্রে। রানীসখী তুম্বা-চাব মফম খঙদে। অমুকসু খল্লি অসিগী মতমসিদা চেনবা হায়বসে পাবুংবু মীয়াম মাঙদা হিংহাৎ হাৎপগা মান্নরনি। নুমিৎ নীনী মতুঙদা লুহোংবা। খল্লু-খল্লুরগা খাংঙমদবগী মৈচাক্লা থম্মোয় চাক্লে রানীসখী। তরেৎ-নিপালনি তুমদবগা চাদবগা মমিৎকা কুৎশিনখ্রে।

মচানুপীনা য়ানীংদে হায়বা পাউ করমহায়ননো অতোলঅমুগী মনাদা য়ৌখ্রে। অদুদগীদি মনীং-মমাঙ, থোঙ্গান পূম্নমক নিপামচাশিং অহুম-মরী অহুম-মরী



CamScanner

লেপ্পদুনা পান্নবা হৌখ্রে। লুহোংবগী নুমিৎ নকশিল্লক্লিঙৈ অৱাবসু থোইনা হেনগৎলকই।

লুহোংবা নুমিৎকী নুংথিল বর লাক্লদুনা শূমাংদা ফম্লরে। অদুবু ৱানীসখীদি থৌ-ৱা ইশামা শাদদুনা হিপচিন্দুনা অদুম লৈরম্মী। ময়াম চঙদুনা শেম্বী-শাবিদুনা তৌবিরি। লুহোংবগী কোয়বা লোইরকপদা লৈপরেং হূকপা মতমদা শাউরদুনা ফনা লাপ্পা লৈরিঙৈদগী লৈপরেং অনীদো লাপতক্লা লংশিল্লি। অদুবু মপা ফনা চানা বরগী ঙকশমদুদা তাখ্রে।

লুহোংবা লোইরদুনা থিল্লমদায় মতমদদি চৎলোই হায়দুনা ফমুঙ কাখৎতুনা ও খোংনা কপ্পা লৈখিরম্মী।

# অসুম্না তমখ্রবোইরে

যুগ যুগ কয়া হৌনা চৎনদুনা লাক্লিবা, অচুম্বা-অরাম্বা ইখন খন্দনা, ইথি থিজিন্দনা অশোয়্-অরাল, অফ-ফত্তা পূম্বা অশোনবদা হেক্তা তাইনশন্বসে হৌনবী, চৎনবী ওইনা তৌরদুনা লাক্লিবনি। মমাঙঙৈদগী হৌজিক্লদি খরা ফবা ওইনা তৌরে। লাইরিক লাইসু হৈগৎনরকপগী মতুঙ ইন্না অচুম-অরান লেপ্পা য়াবগী খুদমগা লোয়ননা হায়বা, ঙাঙবদা অচুম্বগী ৱাখল পোকহন্বা ঙম্বা কয়াসু উবা ফংলে।

লৈপাক খূন্নাইসিদা হৌজিকসু মরম চাদনা ধর্ম অমদি করিগুম্বা অমদা থাজবনা কুপশিনখ্রবা থবক থৌরম কয়া হৌজিকসু থাজনরি। য়ানীংদবা কয়াসু য়াননরি। মমাঙঙৈদগী ঙাঙনদুনা/থাজনদুনা লাকপগী মতুঙ ইন্না ইমুঙ মনুঙদা থোক্লিবা ৱাথোক-নুংথোক পূন্নমক নুপী অয়াম্বনা তুমিন্না লোম্ন্থোক্তবগুম অৱা-মৈশা কয়া খাঙনরি। ইমুঙ-মনুঙ মনিন নাইননি, ইচা-ইৱা কায়ননি, সংসার কায়রনি, অৱাবা তারগনি খন্থদুনা নুপী ওইবী কয়ানা মখোন থোক্তনা তুমিন্না লেন্নবসু য়াওরিবনি। মচা য়াওদ্রবসু নুপীদা হেক তাইনবিবা, মচানিপা য়াওদ্রে নুপীদা তাইনবিবা, মচা ওকত্রে নুপীদা তাইনবিবা, মৱা-মপুরোইবা ওকত্রে নুপীদা, অৱা-অনা নংলে নুপীদা তাইনবিবা। মসি পূন্নমকসে খূন্নাইগী চৎনবি অমা ওইনা লাক্লবনি।

কুন্দোরৈনা চহী তরানিথোই ফারকপা মতমদা মমা লৈখিদবগী মচিল-মনাও অহুম, মপাবুংগা মখোয় মরীগী থোংবা-থাকপদগী চিংবা কোন-লিক ৱাইরম ইমুঙ মনুঙগী থবক-থনা পূন্নমক মাগী মথক্তা তাখি। মপাবুংনা নুংতিগী অয়ূক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা মিস্ত্রীগী (উগী থবক, য়ুমকৈ শাবনা চিংবা) থবক শূবা চৎলি। মপাবুংনা থবক শূরুদুনা ফংলকপা লুপাদুদগী নুংতিগী চান-থক্লবা বাজার তৌরকই। য়াচংলকপগী ধুপ-থাউমৈ থাম্বা লোয়বগা মচিল-মনাও অহুম লাইরিক তমদুনা মপাবুং লাকপা ঙাইদুনা লৈ। ঙা-গাক লৈরকপা নুমিত্তুদি মপাবুংনা ঙা শেম্বীরদুনা মচানুপীগী থোংবা-থাকপদা মতেঙ পাংবি। মমা লৈখিদবা মতুঙদগী অঙাং ওইজরিবা কুন্দোরৈ ইমুঙ মনুঙগী থবক-থনা হোৎনবদা মমান্নবশীংগা তিন্নবা, শান্নবা মতম ফংজদে, মৌপ্পা অনীবু তমহল্লগা মাদি অমুক তমথবা ঙমখিদ্রে। মৌপ্পা অনীনা লাইরিক তম্বা লমদাইদা চানবা নুংমিদাং থোংবা চাক্কুদগী চাক খূবাম অমা চফুদা হঞ্জিল্লম্মী, উতোংঙা-থুম-মোরোক মেৎপীরগা মদু চাদুনা মচিল-মনাও

স্কুল কাখি।

মখুরাগী নুপী মন্দোনমচানা ফি-রোল হৌবা, শাবা, তম্বী-তাকপীদুনা কুন্দোরৈ ফি শাবসু হৈরে। চাক-ঈশিং, ফিশু-ফিজাম্বা থবক পূন্নমক লোইবগা ফি শাবা ফমই। অঙাংমক ওইজরসু ৱাখল পূক্নিং ঈংবা, য়াম্না মরম ওকপা নুপীমচামা ওইরম্মি।

মচিন-মনাও অহুমমক লৈশাবী-পাখং ফারক্লবদুদদি কুন্দোরৈ লুহোংবগী মৌ হায়বা লাকখি। মৌপ্পা অনী মপাবুংবু ৱাহৌরনি খন্বদা যুম পাল্লু য়াখিদে। মখুরা-মতোনশিংনা মপাবুংবু নুপী থিনবা হায়বদা অতৈ অমুক নুপী থিররোই হায়না থিখিদ্রে। কুন্দোরৈসু অসুম অসুম চাউশিল্লকপনা থাজ-য়োনজবগী মতম হেনদোরে হায়দুনা মখুরা-মতোনশিংনা মপাবুংদা য়াম্না তকশিনখিরম্মী। মপাবুংনা শুকয়া য়ারমদে। হায়রকই, ঐনা ঙম্লকপা মতমদা থাজগনি। ঐগী অৱাশিংসিদি মখোইনা খঙদ্রবনিনা কন্না ইনশিল্লিবনি। ইচাবু থাজনীংদবা করম্বা মমা-মপা লৈবগে হায়না মপূক্নিংদা খল্লি।

কুন্দোরৈগী মপাবুংনা লুপা-পৈশা খজিক খজিক তুংশিন্দুনা মচানুপী থাজবগী ৱাখল তৌজে। মচানিপা অহলসু থবক মচা অমা চঙখ্রে। হন্দক্তি ইচানুপীসে থাজদবা য়াদে। চহীসু য়ামশিল্লক্লে হায়না খল্লক্লে।

তোম্বা থবক শূফমদগী ঙন্তানা হল্লক্লে। নোংমতসু অসুম্না ঙন্না হল্লক্তবনি। কুন্দোরৈ থৱায় ৱানা হংই পাবুং করি তৌরবগে ঙসি থবক্তগী য়াম্না ঙন্না হল্লক্লিবদি?

—ইবেম্মা হকচাংসে য়াম্না নুংঙাইতে। থবাকসে ইচিন চিন্বগুম্না তৌই। খর খরসু নায়। ঈশিং অশাবদো বোতলমা পীরকউ। ওম্লগা খরা নুংঙাইব্রা য়েংগে।

পরপ পরপ ঈশিং অশাবা পীরদুনা ওম্মি। অদুবু নুংঙাইবদি মফম খঙদে। মপাবুংনা ৱানা খাঙলিবদো উবদা কুন্দোরৈ করি তৌনি তৌরোয় খঙবা ঙমদে। মশা-মউদা নানবি-শিৎপীবা নত্তনা তৌফম খঙজদে। মৌপ্পাশিংসু অমত্তা যুমদা লৈতে। নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লবা মতমদা পূন্নমক লোয়না যুমদা হল্লক্লে। হসপিতালদা য়াঙনা পুনবা তৌসি হায়না লাংলিঙৈদা খাঙবা ঙমদবমখৈ নাবা হৌরকই। গাড়ীদা থাংগৎতুনা পুবদা লম্বীদা অনাবদি লেংখিদ্রে। মচাশিংনা কৌবসু খুমখিদ্রে। হসপিতালদা পুশিন্বদদি য়াম্না থেঙখ্রে। য়াদ্রে হায়না হায়বিরকখি। ৱাহৈসি তাবদা মচিন-মনাওগী কোকথক্তা বজ্র তারকপগুম তৌখ্রে। মপাবুংবু কোল্লদুনা কপ্পা নত্তনা করিসু তৌফম লৈখিদ্রে।

অসুম অসুম হৌখিবনা চহী তরেৎ/নিপাল ফারক্লে। মচেবু থাজনবগীদমক মৌপ্পা অনীনা মখুরা-মতোনশিংগা ৱারী-ৱাতাই শান্নরে। পাবুংনসু ইচে থাজগনি হায়না লাঙজরম্বদুসু নংখিদ্রে। চহীনা য়ামশিল্লকপগা হন্দক মপা চুম্লবদি শোয়দনা পাঙথোক্লবা হোৎনরসি হায়না লেপ্পরে।

ফাইরেল থা হেক চঙলকপদা মপা চুম্লদুনা পুখ্রি মপান লৈকায়গী বাবুচানগী হায়বা লাক্লি হায়না মন্দোমচানা পাউসে তম্বদা, ঈশ্বরনা ইনশিন্বীরকপনি য়াম্না ফৈ, পক্করদি য়াই হায়দনা পাউ খঙহনবিখ্রো ইন্দোমচা হায়না মৌপ্পা অনীনা ৱা পীরে।

মাঙ্গোন কাবগী ৱা লেপ্পনবা হায়বদদি কুন্দোরৈ শুকঙম ঙম্মোই হায়দুনা য়াখিদ্রে। ৱা পীনরগা করিনো তৌরিবসে কুন্দোরৈ?

–ইন্দোমচাখোইনা ঐঙোন্দা শুকখঙ হেক খঙহন্দনা হেক্তা পীথোকপীরিসিবু ঐবু লৈহনীংদ্রবরা? ঐ শুকঙম ঙম্মোই হায়রিবসিনি, হৌজিকমক হায়দোকপিখো।

করিনো তৌগদবসিবু? মৌপ্পা অনীদি করিমতা ঙাঙখিদ্রে। খাতোনগা ইন্দোমচাগনা ফনবা শিন্বীরো হায়খ্রে। মন্দোমচানা হায়রে, মাগী মখুরাবুদি য়াম্না কি-হঙ্গোইনা লোয়নজবনি, মখুরা নত্তনদি হায়বা য়াররোই খল্লদুনা মখুরাবু হায়হল্লে।

–ইবেম্মা, করিনো ঐনা তারিবসিবু? নঙনা ঙম্মোই হায়না হায়রিসিবু করি নুংঙাইতবা লৈবগেনে ঐঙোন্দা হায়য়ূসে। তাদসু লৈত্রবনিনা নিপামচাসে ফৈ হায়না তৌবনিনে ইবেম্মা। চহীনগা য়ামশিল্লকপনে খুন-লৈকায়গী মীনা অদুম ঙাঙনরক্কনিদো, মমা-মপা লৈতবনিনা মখুরাশিংসিনা থাজবিদ্রে, লুহোংবিদ্রে হায়না। করিমতা অৱাৎপা লৈহন্দনা হোৎনদৌরিবনি। করিমত্তা ৱারুনুদা ইচাসিদি। নঙনা য়ানীংদ্রিবদো করিগীনো হায়য়ূ।

–ঐনা চৎখ্রগা ইপ্পা অনীসিগী কনান থোং-থাকপা তৌদৌরিবনো? ইপ্পাসি হান্না লুহোংবিউ খাতোন। এ! অদুগী ওইরবোইরে। অদুগীদমক্তা ৱাব্রুনুদা ইচাসিদি। নোংমৈ শোয়দনা হোংবিগনি। নুপী থিদ্রিফাওনা নন্দোমচানা পুন্না পুন্না থোংজনিদা। মদু পূন্নমকতো ৱারী শান্নরবা মতুঙদা তৌরিবনে। ফরে ফরে নঙ য়াদবকা তৌরনুকো। ৱা পীখ্রগা হায়বা ইন্দে হায়না মীনা ঙাঙনখিনি ইবেম্মা।

লুহোং-খোংদোম্বা লোইরদুনা ফজনা চান্ন-চিন্ননা য়ুম্বান্দুনা লৈমিন্নখ্রে। হরাওজে মৌপ্পা, মখুরা-মন্দোনশিংনা। অদুবু লুহোংবগী চহী অহুম ফাজিনখ্রে মচা-মশুমতা উবা ফংদ্রবদা মনেম-মকুশিং য়াম্না চিন্তা ওইরক্লে। তুমিন তুমিন মতৈ-মনাও ডাক্তার য়েংহন্দুনা হোৎনজে, করিমতা কানবগী মওং উবা ফংদে। লাই-তিননা চিংবা অসি কান্নবনি হায়বা পূন্নমক চিখবা লৈতনা থবক-থনা তৌথোকচৈ। করিমত্তা কানবগী-মফম খংলকত্রবদা পেন্দবা, নুংঙাইতবা, শাউনীংবা কয়ানা অঙাং অমগীদমক ইমুঙ-মনুঙ কোন-লীক্লা য়ৈনরগা মখোন নাইবগুম খরা খরা মখোন থোক্লম্মি।

নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা ইমুঙ মনুঙ মচা অমগীদমক লৌবুক্কী ঈশিংনা কংশিল্লকপদা খাঙমদনা লৈক্রক চৎপগুম মরী চৎপা হৌরকই। মালংবনা শিৎলকপদা উ-ৱানা চিংবা পূন্নমক লেঙ-নোম্বগুম ৱাঙাংদা-শাঙাংদা হকচাং পূম্বদা ইথেংদা থেংজিনবিরম্মী।

কুন্দোরৈগী নিপানদি নোংমাফাওবা থীনা চৈখিদ্রি। ঈশ্বরনা তম্বনি খঞ্জদুনা করিসু ফত্তবা ৱাহৈমতা ঙাঙখিবা লৈতে। অসিবু ঐনা পাম্মি হায়রগা হেক্তা ওইবা য়াবা পোৎলনে? ঈশ্বরনা পীদ্রবদা তায়ননীংঙাই লৈতে খঞ্জে। হায়নবা পাউরৌ লৈবনি খল্লি, পোকপা-শিবা-লুহোংবা ঈশ্বরগী মখূৎতনি, তাইবংনা করিসু তৌবা ঙমদে।



থোকচোমওংবী কৈনাহান দেবী ০১ মে ১৯৬৬ দা বাংলাদেশকী মৌলভীবাজার জেলাগী কমলগঞ্জ উপজেলাগী ৭ নং আদমপুরবাজার ইউনিয়নগী নয়াপত্তন (মঙ্গেমখোং) খুঙ্গংদা পোকই। অপোকপগী মিং নোংমাইথেম খম্বীতন সিংহ অমসুং অপোকপীনা তোমচা দেবী কৌই। মহাক 'নিউক্লিয়ার মেডিসিন সেন্টারদা' সুপারিনটেনডেন্ট ওইনা থবক পুরি। বিশগাঁওগী থোকচোম অনন্ত কুমার সিংহগা য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপী অনী অনন্যা দেবী থোকচোম অমসুং অহনা দেবী থোকচোম মমোম অনীগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা নুংঙাইবা পুন্সি লেনমিন্নরি। থোকচোমওংবী কৈনাহান দেবীগী শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। স্কুলদা ক্লাস নাইন-টেনদা তম্লিঙৈ মতম অদুৱাইদগী মণিপুরী লোনদা শৈরেং, ৱারীমচা ইবা হৌখি অমসুং মণিপুরী দর্পণ, ইপোম, শজিবু, সুভেনীর (ইন্ডিয়া), মৈরানচিংবা চেফোঙশিংদা ফোঙবা হৌখি। মহাক বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সাংস্কৃতিক সম্পাদক ওইনা থবক পুরি।

CS CamScanner



CamScanner